যুদ্ধগী থাৌমৈ



রণবীর আকুংবা

য়ুম্বুবীগী থাউমৈ

রনবীর সারুংবা



আর এস. ইম্ফাল।

YUMBUBIGI THAOMEI
A Collection of Manipuri Short Stories
by Ranbir Sarungba
R S. IMPHAL 1991.,



অহানবা ফোংবা : ওক্তোবর ১৯৯১

ফোংবা : সারুংবম ওংবী প্রমোদিনি (মমা) দেবীনা
আর: এস: ইম্ফালগীদমক ফোংবা

কোপী রাইত : অইবা

নম্ফম : নোঙাইরেমা প্রেস, হাওবম মরক

মখুম য়েকপা : থোইদিংজম তোম্বী সিংহ

মমল : লুপা কুনমঙা

মীংদি থব্রাইদা কৌবনি
থব্রাইনা হন্না চংখ্রবদা
মাদি হন্না লাকখিদে
ঐনা কৌহৌই। অহুম কৌহৌই
জবাহর · জবাহর · জবাহরজিৎ

অহানবমক্তদা, সোমোরেন্দ্রো খোমদ্রা (নীরমল্যা লৈহাওগী অইব) বু অমন্নুং ওইনাম ইকেন্দ্রো সিংহবু মওং কয়াদা ইতেং পাংবীরকপগী থাগৎচরি। লাইরিকসিদা য়াওরিবা রারী মচা থরদি লমদমসিগী চেফোংসিংদা য়াওথ্রবনি। মসিবু নৌনা অমুক ফোংদোকপগী খুদোংচাবা পীবীরকপগীদমক, মসক মমিং পত্রবস্থু, সুংঙাইবা ফোংদোকচরি।

প্রেসকী ঈচিল-ইনাউসিংনা মওং কয়াদা মতেং পাংবীরকপগীদমক সুংঙাইবা পোকচে।

অরোইবদা সক্লাইরবা কলাকার খোইদিংজম তোম্বীবু মথুম য়েকপী-রকপগীদমক অমদি ঐগী ওজা নিলকান্তনা রাহৈ অম'নিদং ইবীরকপগীদমক তৌবীমল খওবা উৎচরি।

অইবা

ৱাহৈ অহৱিদং

ৰবীন্দ্ৰনাথ ঠাকুৰনা ৱারী মচাবু কৌৰমই—তুৰেলগী ঈপাক্তা চেম্থৱিবা হিন্দুংদগী মীচুংথোং ফাংতাক্লগা অকোয়বদা য়েংবা। মায়কৈ অমদগী য়েংবনিনা মপুং ফাদবা মশক্তি। চেম্থৱিবা হিনিনা উৱিবশিংচুস্থ হোংলরোই হায়নিংঙাই লৈতবা। মীকুপ খৱদংগী ঙাম্থোৱকপা পুন্সীগী মশক্তি ৱারী মচা হায়বসি। অহৌবা অরোইবা লৈতে। মীংয়েং অমতনি।

মণিপুৰ বিশ্ববিদ্যালয়গী ফিলোজোফিগী ক্লাসতা দর্শন-শাস্ত্ৰগী চক্ৰি চৱাং লোইৱগা হুংই ছাত্ৰ অমনা। য়াম্নমক খঙনীংনা সাহিত্যগী মশক খৱা। ঐহাক্না খনখি—কদোমদগীনো তৌৱকইবসি। খৱা লৈৱগদি অনম্বা চেনা খৱা পীৱক্লে—খৱা পাবীয়ু। মতুং তাবদদি ৱারী মচাগী লাইৱিক ওইনা ফোঙলগনি—ৱাহৈ খৱদংদি ইবীদবা য়াদে। ঐহাক্সু কৱম্না ঙমলোই হায়গনি। সাহিত্যগী লমদমদা ঈচং থৌনা চঙশিল্লকইবা নহা অমনি। কমপিটিসন কয়াদস্থ মকোক মথংগী মনা কয়া ফংখ্ৰে। ইশামকসু জজ অমা ওইনা ৱারী অমসু তাবা ফংখি। খনখি—নহা অসিদি ফনা ফজনা ইৱিনা।

শ্ৰীৱনবীৰ সারুংবগী লামায় ১২৭ পানবা ৱারী মচা খৱগী খোমজিনবা, মমিংনা "য়ুম্ব্ৰু বীগী থাউমৈ" (অহানবা ৱারী মচানি) কৌবা লাইৱিক অসি অনম্বা শৱুক্তা পাবদি লোইনা পারে। কুপ্না নৈনবদি মতাং অসিদা ওইথোক্ৰে। লৌথংলিবা মপুং ওইবা বিষয় (থিম) খৱদি মণিপুৱগী লৈত-লাইৱগী থম্মোয় কায়ৱবা মশক, পাখং-লৈশাবীগী, য়ুমপাল্লবা মুপা-মুপীগী থোংন নৌৱবা মৱিশিং, ওল্লকইবা সমাজদা মুপী-মুপাগী অৱেপ্পা লৈতবা মশক, কনাম্না কনাদা ওৎলিবনো হায়কম খঙদবা অমসুং ঈচেল তপ্পবা নীংথিজৱবা পুন্সীগী মশকশিং য়েক্লবা হোৎনবনি। অশাউবা, কল্লক পেনবা, অনুতাপ কোঙদোকপা নত্তে। থৌৱবা মীংয়েংদা তাৱকপা পুন্সীগী তোঙান তোঙানবা তথক্লবা মচুশিংনি। অপাবৰু তপথহন্দবা মতাং ফনা য়াম্ন য়াওই।

ইবগী টেকনিক ফনা মওং তোৱা য়াওরে। নিপা-মুপীগী ৱারী ৱাতায় শানহনবা—চীক্লা, লেম্না, ৱাখল লৈনা চৎথহল্লি। ৱারী মচা মরি মঙাদি চাননা ফজে। তেনশিমখা য়াবা অমনিসু য়াওদবা নত্তে। শম্না ছায়রবদা রনবীর—ৱারী মচা ইবা লেখক অমা ওইরকপা য়াবগী চেংনা থাজবা অমা লৈরে। অহৌবগী শক্তজনি।

ছাত্র ওইরিবা লেখকনিনা পাউত্তাক অমতংদি পীনিংঙি। ৱারী মচা ইবগী কলচর থন্না তৌবা তাই। পুন্সীগী এক্সপিরিয়েন্সসু লাকখিগনি। থৱগা হেন্না মন্নুং হুনজিন্না উবগী শক্তিসু হেন্‌ংলকখিগনি। পৃথিবী পুম্বদা ক্লাসিক ওইনা ফাওরবা ৱারীমচা ইবশিং খুদম ওইনা, ফ্রান্সকী মোপাশাঁ, সোমারসেট মে'ম, রাশিয়াগী চেখভ, টুর্গেনিভ অমসুং ভারতকী রবীন্দ্রনাথ ঠাকুর অমসুং প্রেমচন্দ—নচিংগী ৱারী মচাশিং কূপ্না য়েংশিনবা কান্নগনি। মখোয়গী মতৌ তমগদবা নত্তে। মখোয়না শীজিন্নরিবা টেকনিক অতুগী ফজবা মশক খঙনলবনি।

ওঝা অমা ওইনা মনবীরদা আশীর্বাদ পীরি।

এলাংবম নীলকান্ত সিংহ

ইম্ফাল

২২।১০।৯১

ৱাহৌদোক

ঐ তসেংনা অইবা অমদি নংতে। ইগে হায়নস্সু খনখিদ্রে। পুন্সিগী মীৎকুপ কয়াদা কাইহৌরকপা খোঙথাং মথং-মথং থাংলুরগা মাং-তুং সম্নদ্রবা অনৌবা মঙলান অমগী, তাইবংগা সম্নবা হৌবা সম্নকপতুনি ঐগী অইবা কয়াসিমক। মসিমক মায় পাকপদি নংতে। মায়থিরে হায়তুনদি ঐহাক কৈদৌঙৈ খক চেল্লোই মায়থিবসিংতুগী মরুমদা সাগৎপা হৌবা মায়, পাকপগী মমিসিংতুনি ঐগী পুন্সিনা খ্বাইদগী থেংননিংলিবদি। মসি হায়, হায়তুনস্সু ইসানা ইসাবু মায়থিরে হায়তুনা লৌবদি নংতে। মায়থিবনা করম্বনো? মায় পাকপনা করম্বনো? ৱাহং অনিমক চিনহায় অমৎতদা হংদিংবগী অকনবা ঈথিলদি ফাওরকই।

মীৎকুপ-মীৎকুপ কাংদনা হোংগদবগী ঙাইতুনা লৈরবা অহোংবা মরকসিদা, হোংই-হোংদে খঙদবা ময়াম অমস্সু লৈতবদি নত্তে। হোংই হায়বসিনা কমদোনা হায়গদৌরিবা? হোংদে হায়রগনা কমদোনা হায়রিবা? সমাজগী অওনবা মরকসিদা, ঙসিগী ওইরিবা ফিভমসে মমাংঙৈগী মনিপুরতু নৎত্রে হায়রিবা? মসি ওইরগনা, ঙসিগী ওইরিবা মনিপুরসিনা করম্বা মনিপুরনো? নাকল অনীমক্কী মীৎয়েংদা তোঙাল তোঙাল্লবা মীৎয়েং অমমম লৈখঙম ফজবা থিবগী ঙাক নৎতনা, সমাজ অমা লৈরবনিনা অনিমক্কী ওইবা চন্নফম অমমম সোইদনা লৈরমগনি। ফজবা, কান্নবগীনা মতৌ তম্মীংবগী, হেন্না পকচবা সকফম অমদা, মীপুম খুদিংগী থম্মোয় হুখিহুনা মথং-মথংগী মরি ·। অথিবা চন্নফম খঙদ্রবা কয়াগীস্সু মনাৎ নৎতনা সঙগোম চানিংলুবগী, অম্নক

হন্না তাদনবা হোৎনবা। সমাজসিদদি অনিমক্কী ওইবা, খুদমগা কোন্নবা, চন্নকম অমমম লৈবগুম, তসি ঐগী অসিগুম্বা ৱারী মচাসিংসিস্তু অনিসিগী মনুংদা অমা হেক ওইরবা ঐ ইসামক্কীদি মহে য়াম্লে থনজগনি।

মসিদা য়াওরিবা ৱারী-মচা পুম্নমক স ত্র ওইরিবদো ইখিবা তাক্কনি। মসিদা, কলেজদা, য়ুনিভরসিতিদা পাথেকপ্রবা কয়া, ইসতেৎ লেভেলগী মকোক মথং তাপ্রব কয়া য়াওরি। পুম্নমকসিদা, হান্না থেংনখিব ৱারী-মচাসিংদগী করিস্তু অহেনবা থেংনবীদবা য়াউ। মসিগীদমক্তদি মীয়াম্না তাকপীগদবা মাইকৈদ্রনি। ইবস্তু তৈতবা, অইবস্তু নংতবা মীওই অমনা করিগী মীয়ামৈ মাংদা অসিগুম্বা মকম অমা কনসিনগে লাক্করিবনে? ৱাহংসিদি ঐ ইসানা ইসাদস্তু হংজরিবা ৱাহংদ্রনি। পাউথুমদি কৈদৌউ হুম্বা তমজখিদে। ৱাহংদি তসিস্তু হংলি।

অইবা

মনুংদা

য়ুম্বুবীগী থাঁউমৈ (১)

য়ুম্বুবীগী থাউমে

সুমিৎতু থা থোকই হায়গনা. থোক্তে হায়গনা, মসিমদি ঐহাক হায়বা ঙমদে। ঐনা হায়বা ঙম্বা হায়ববু, নিংথমথাদা নোং কম্না চুবা উবসি সুম্লিৎতুনা অহানবনি।

(২)

খাঙপোক মচাতুগী রারীতুনদি কৈদৌরুনি। অচৌ অচৌব সিংনা মচা মচা'সিংবু অসুম নল্লগা চৎখিবা মসিং পরেংসিং। অচৌবা অমা হায়খ্রগা অমুক পল্লুদ্রবসু য়াবব মচাশিং। পুন্নমক্তী খুজিং অমদনি অচৌব মহাকপুসু পল্লিব।

'বাবা কৈদৌরে, রারনা ?' মপাগী নাহেরকপনা কান্নহল্লবা রাখল পরিং ষাথহৌদনা মিনিনা কমুংদগী হংখি।

'কবিসু তৌদে। ফৈজুপ্তো লৈরবা ? ইংবনা মতা অমা তৌরে।'

'ঙম্বোং অমদি লৈরমখিনি পুরকখোরা ?' নিরুন হৌগৎ হৌগৎনা মপুরোইবদা হংজে। মহাক মসাসু নিংথমগী অহিংতুদা মতুমতনি সুল্লিবা। মতু পীথোকখ্রগা, মানা করি সুপ্তোল্লিবা ?

(৩)

'মুশীমচা হৌজিকপু থা থোক্লিব্রা ?'

'বাবা কৈদৌরমগে নংবু ? থাদি মুমীৎ তারগ থোক্লদবনি। হৌজিক্তি মুমীৎ তাগদবা য়াম্না ৱাৎলি।'

'ঐদি ঙসাইদগী তুমু-তৌরিম ল্লে। ৱাখলসে ইমাং মাংলে, ঙমাদি ?'

'লাক্লনি। ইন্দোল তথোংথোয়দা কবিনো অমা হংলুনি হায়দুনা চৎখিবনি।'

'ঙমা-মচানা কমদোদোবিবা ?'

'পাবুংনা হায়রিবসিবু কবিনো ?'

'পুন্সিগী ৱানি।'

'পুন্সিনা কৈদৌরবা ?' খঙই। মুশীমচা মিনিস্থু খঙই। পুন্সিগী ৱানি। হংগে য়াওনা হংলবা ৱাহংনি। হিকথববা হৌগৎপা ঙমজিব। খাঙপোক'সদা তারিবা চৎখিবগী চৈফমসিংনা হিংহৌবা কয়াদা পীবম্বা চংসিং। চৈংসিং-সিগী মরুমদনি ইমুংসিনা। অকনবা লল অমা লোয়ব, নায়দনা সেরবিবা। থরায়গীদমক থরায়না সোক্লবা লাল। হিংবগী অধিকারদি অহিংবতনা পংগদবনি লৌসিনগদবনি। হিংনবা সোক্লবা লানফমদা, হিংলি খংব, তারবদি লানফমতুমক মায় পাক্লব্রা ? ৱাহংসিগী পাউখুমতুনি পুন্সিদা খ্বাংগী চৈনবরিবদি।

(৪)

'ইমা, তুমিন লৈরোবা। অদুক কুইনা কপ্লবদি করিংগম্থ অমৎতা পাঙবা ঙম্নরোই। হিংবদি মরক মরক্তা মপানগী অৱাবসে কাউথোকপা তঙাইফদে।' মনিস্থু খঙই, মখোয় লায়রৈ, নংই। লৈকায়গী মীসিংমা হেক-হেক মখোয়বু লাকখুবীদা, লোম্না লৈজবগী মথক্তা অমুক হেন্না হেক-হেক সোম্বহল্লি। হিংবগী শ্রেষ্ঠবা অর্থ অমনা অহিংববু লৌসবদবগী হেক-হেক হোৎনবক্লবদা মহাক মশাক্ষী ওইবা লায়রববু কাউথোক্লুনা,

মুংগী ইনাক নেবদা। হেক হেক ওনসল্লি। মখোয়না ঐখোয়বু য়েংলিবা মাংংসে মপাললোংতগী ওইব মাংবয়েংনি। মুংদা লৈবা রাখলবু মখোয়না খঙব্র ? মীওইবদি মপালথোংগী মীৎয়েংদত মমল লেপ্প। য়াদে হায় সে মখোয় খঙ্গি তৌরিনি। মহাক্ত মুংগী অসাদা ডাওলিবা কয়াসিবু, মহাক মসমক থাজরিব্রা ? মসিমদি মিনিস্ত খঙলম্লোয়।

'মখোয়বু মতু খঙলকখিগদ্রা ?'

'মতুদি কনানা খঙলুনি। স'সাবসিদ' মী অমনা মী অমবু খঙবা ওম্নব্রা ?'

'অতুদি, মুংগী ওইবা পোৎসক অমা লৈবগী করি কান্নরি ? লৈরি হাযতুনা ইসানা ইসাবু চাওথোকচনব্রা ? লৈ হায়রিসিবু ইসা ইতোমতা খঙনব্রা ? নং—পাবুং নাবে খঙনা খঙনা ইনাউস্ত খরদি হাকমল্লি। ইমুংসে, মহৈসাগী ইমুতু নংতে হায়ব মহাক খঙলবনি। মতমতুদদি ঐহাক করি হায়খিবগে ? মখোয়না থোকপা তৌজতুনা লাকখিবা নৎব্রা ? ঐনা মখোয়দা করি য়েংখি ? ওসিদি মহাকস্ত গ্যান ংবা তাবা য়াইনা।'

(৫)

মখোনমনি ফমুংদগী হৌগৎনবা হোৎনৈ, 'ওমদ্রে ঐবু কনানো অমৎত্তা ওাখৎলুবা।

'কৈদৌ বিরবগে তৌবীবীবতুবু ?

'অমুক্তা ফমগে সে। ছুমাংস্ত সৌবনা লোয়রে।'

'সে অতুদি সোমদ —। তপ্পা, য়াম্না তপ্পা, তৌবীবুকো। তপ্পা —।'

'ব্র য়হে। হুং— হুম। ঐদ নৎতনা নংবুস্ত কয়াদা ব্লাহল্লবা।'

'কৈদা ব্লারিবা ? পুন্সিসিদবু সিদগী হেনবা মুংডাইব মনুংডাই অমা লৈরমখিগদ্রা ? ইপুরে ইবগী সেবা তৌরি। ইপুবোইবনা মুংশিবিরী।'

(৬)

নোংমা মপুরোইবনগী মহাক লাপথোকখী। নৎতে, লাপথোক্লহনখি। মতমদো মপুরোইবা মখোনমনি যু য়াম্না থক্লি। মসে মামীদি হৈনবী

ওইরবনি। মচা পোক্কবা মুপীবু মশেম মকুনা য়ুমগী মুপানি হায়না উবাদে। মতুগীমু মথক্তা মতোমতা পোকপা মখোনমনিগী শাগৈ অসে অমুম্না অমুম লোয়খিবা তাবনি। পুন্সিগী কায়থরক্লবা ঈচেল অমদা মা-ভুংগী লমদনফম পুম্নমক প্রক্রিতিন লৌসনবীরবা মহাক্কী মীচং কাম্ম লৈখিদে। মতমদো ইমুংসে মুংডাই য়াইফরি। মপুবোইবমু য়ু থকপগী মভিক মুপী নাহাদমু কয়া অমা ওাউখিবা নীরুমু খঙই মপুবোইববু থেমজি নজৈ। অতুবু ইমুংসিগী মীওই পুম্নমক মপুবোইবনা তৌবিবা খুদিংমক য়াই। নিরুগী মতৌদা পুক্লিং মুংসিন, মানা মচামু পোক্কনা অমুকা খম্বললিবসি করিগীনো ? সাগৈ অসে অমুম্না অমুম মুৎহনব্রা মানা পাম্লিবসে ?' মনেম্বোক্লা হায়খি।

'মামু মুপীনিনে।' মকুবোক্লা মাবু খজিক কনখৎখিব্রা। ?

'মুপী ওইরবদি করিগী মচা পোক্কে ? মনেম্না সাউনা হংখিবা ব্রাহং নিরুমু তায়। মরায়বক্তা খুতুম মুতুনা থা চিক্লা খঙই। মতমতুগী তোম্বনা হিংবদা হৈনরবা নিরুনি। ওসিমু তোম্বরি।

থরা লৈরগা মখোনমনিনা নিরুদা হায়, 'নং নতোমতা ঐগী সেবা তৌবসে ব্রারমলনি। নতেং পাংবীনবা অমা পুরক্লগে।' মপুরোইবগী ফাগী ওইনা হায়খিবা ব্রাহৈ ওঈরবমু নীরুনা পুন্সিদা কৈদৌঙৈ কাউবা ওমখিদে। ব্রাহৈসিগী পাউখুমমু মহাক খুম্বা ওমখিদে। মতুগী মতুৎ করিগী ঐবু অমুম্না হিংহনবীরিবনো হায়না মদোম ব্রাকৎচখি। মসিবু মখোনমনি খঙ খিব্রা ? খঙখি খঙদে। খঙদে খঙদে। মহাক্ক কৈলানি পুরকখিবা মুমীৎতুংগী নিরুগী ব্রাথল ইথন থন্দবঙম তৌই।

(৭)

নোংমা মনাউঙ্গপী নিরাগী লুহোংবা চৎলুবগী থরা থেংনা হল্লকপা মুমিৎ অমদনি, মপুরোইবা মখোনমনিনা নিরুবু মপামদা চৎহনখীবতু। ওসেংদি নিরুমু পাথৎপা অমা য়াওনা মযুমদা হল্লকখিরমি। মতমতু পুং তরেৎ মথায়

তারম্বা য়াই। মম্বদি মমলে। ইমুং পুম্নমক তুম্বদি নংতে। মপুরোইবা অমদি কৈলানিগী খোনজেলদি তংতনা তায়। মানা মপাল্লগী থোং হাং-দোক্লবা হায়জবতনি মখোয়না ত'বীদবা। মুমীত্তু নিরু মপান্দা লেকপা তাখি। লেকস্তু লেকখি। য়ুমগী কাচিন অমদা। অহিং মঁসেন খাংনা। অহিং অমা মপান্দা লেকপদি মহাক রাখিদে। রারিবদি মপুরোইবনা, 'অহিং অমা মপান্দা লেকপা ওম্বী মুপীবু মহাক থাজবা ওমদে হায়খিবত্নি। মতমত্নুদা নিরুনা কয়াদা কপ লাউখিব। পুম্নমক কনানস্তু তাবীখিদে। মেল্ল মেল্লগা কায়ব হেনব তোরবান্দ কায়বগী ঈচেল। ঈচেলত্নুদা থরায় কয়ানা হিংনিংনা তেংথাকবগী ফল ফংখিগদ্রা?

পুন্সিগী লমদন্দা ওাইহাক ওাইহাক য়ুমদাংলুবগুম, য়ুম পানবগী মরিস্তু মফম খওনরক্রবা। পুন্সিগী মরিদি করি ওইবা তাই। অহিং অমা মপান্দা লেকপা ওম্বী মাগী মুপীবুদি মখোনমনি থাজবা ওমদে। অদুবু মুপা অমগী মচা লৈরবা কৈলানিবুদি মহাক য়ুমগী মুপী ওইনা পুন্সিমবা ওম্মী। কৈলানি মচা লৈবত নংতনা, অতোপ্পা মুপা অমগস্তু থা অমরোম য়াওন-মীন্নকরবা মুপীনি। চুম্মী, মহাক নিরুদগী মসক ফজব হেল্লি। ফীভম তাবা হেল্লি। লৈসাবীগুম কেবদা কনানস্তু মৌনি হায়গদবা লৈতে। অদুবু মাগী ফজরবা সক অমদি সবানসে মুপা নহা থেম্নবা অকনব মোইথেম ঈসৈনি হায়বসে মখোনমনি খওখিদে। খওনবস্তু লাক্নখিদে।

(৮)

ওসিদি কৈলানি মচা মুপী অমা পোক্লে। অওাং ফংনিংত্নুনা লৈরিবা ইমুংদা অওাং অমা ফংবগী মুংওাইবদি ছোনসানি। মনেম মকুনা নীংথী-তুংওাইনা তৌবীরমদবা কৈলানি মনুগী কুম্মৈ য়েংনিংবগী মংলান অমা মংফাও-নম্নবদা ইকুংসিগী নীওই খুদিং অপিক্পা লংজা অমনা পুনসিনখিবগুম তৌই। হিংবগী চোংবা হৌরব মীত্নন কৈদৌঙৈ মুংলরোই। সিবু চুমলদ্রা? ইপান থাবা মুমীংতা পারতি চাওনা তোই। মরুপ মপাং ওম্নমক হারতোন

তৌহুন পুমলাং লাংই। নুমীৎতু মখোনমনি হিদাক থকপা থন্না হেনজমখিব্রা ? হান্না দাক্তরনা য়ু থকপা লেপখো হায়রকপদো, মহাক কাউথোক্লরমাম্লে। হান্নগী চাকথাউ অনাবত্থগা পাবা শুইরমগনি। মসা ভমদ্রে হায়ত্থনা মথংগী নুমিৎতা ভুমখিবত্থ।

(৯)

মখোনমনি হন্দক মরকসে সোন্দম নাতম্না উরে। কৈলানিদি নহানি। কেরি। কজরি। হান্নদগী করিস্থ তাথদে। মানা কেনা থোরকপা উবগা মখোনমনি মুন্না য়েংই। করিস্থ হায়জবা ভমজদে। মরক মরক্তহংই, 'কদায়দ চৎতোব্লিবনো ?'

'অত্থ তৌরুগে। অদা তৌরুগে।' অসেংবা পাউথুম অমৎতা থুন্নমদে। থুমদি থুম্নলম্মী। অমা নৎত্রগ অমা। মখোনমনি মাগী মপুরোইবনি। মাগী পাউথুমত্থনা পেন্দে। অত্থবু পেনবা তাবনি। অসোনবসিংগীদি পেনবা-গেন্দবা অমমুক লৈবা হৌনদে। পুম্নমক পেনগদবনি। অত্থবু পেনখিদে। মসিমক মখোনমনিগী অরানবনি।

মক্রোক লৈখিদবা চহিত্থদদি থন্না ফরম্মী। মনেমপোক, মখোনমনিগী ম'মানা লৈখিদবা চহিত্থগা মহাক্না লাংখিবা মওং অত্থদি ভসিস্থ মখোনমনি কাউবা ভমদরি। মতমদো মিনি পুংকক চাওরক্লে। নোংম মখোনমনিনা হায়খি, 'নং ইমুংসিগী ইজৎ থরস্থ য়েংউ।'

'ইজৎতুগীনি ঐন ভসি নোমলিবসে।' কৈলানিস্থ থুম্মী।

'নংনা নোম্বা হাররিবসিবু, নোংজানব অমদগী নুমিৎ তাব ফাওবা কেত্থনা চৎপত্থরা ?' মানী পাউথুমত্থদা মখোনমনিনা হংই।

'মোয় তামোগীত্থ ঐবু য়াম্না য়েংসনবগী রারা ?' পাউথুমসিদা মখোনমনি রাকৎপা ভমখিদে। থল্লি। করি-করক্কা মরিনো মহাক্না ঐগা লৈনরিবা মরি ? থম্না-থম্না নীংসিংই। কায়থবতা শুইরগদবা মরি। ঐসিবু হিংলিব্রা ? রাহংসিনা মহাকপু রাকৎপা ভমহন্লে। তপ্ন সোক্লি, 'নচানুপীগীস্থ থরদি থম্বা কৈ। মহাক লৈসাবী কারক্লবনি।'

'ঐস্থ লৈসাবী ওইরক্লিবনি। মানা-মানা থোকপা তৌমনি। ঐস্থ ঐনা থোকপা তৌরগা হিংলকই।'

'নংগী মহিংচুবু হিংবা কৌব্রনে? সোল্লবা তুকখবতা ওইরবা মপুরোইবনা সাউন হুংলকই।

'অতুদি নংন পামলিব মহিংনা করি? করম্থ মহিংবুনো নংনা হিংলি হায়গদৌরিবা? মংগী মহিংচুরা হিংবা হায়রিবসে। নংস্থ নংনা থোকপা পুন্সিগী মসক থোক্লবা হোৎনৌ। ঐস্থ ঐগী পুন্সিগী মসক থোক্লনবদি ইদোম হোৎনজগনি। কনাগীস্থ মতেং লৌরোই।'

হুমিংসিংদগী তোঙান—তোঙানব ফীভম অমমমদ য়ুম অমদ পুন্ন লৈমীন্নরি হায়বসে পুন্নমক কাউথোকমীন্নরবনি। কৈলানিস্থ অস্থম অস্থম কেখৎলকই। মখোনমনি করিস্থ হায়খিদে। অস্থম্ন য়ুম পুবগী মথোং মরম খঙত্রবা নীংথমগী নোং য়াম্না তাবা হুম্‌ৎ অমদনি, কৈল নিনা য়ুমদ ভমুক হল্লকখিদবতু। পাউদি মখোনমনিস্থ তান্ন। মহাক চেনখ্রে হায়বা। ফিভমসিদা মহাক্কী ফিভম ফৎচিল্লকখিদে। মীওইবগী হকচাংদি পুক্লিংগী ফিভম সেংলবতদ মপানগী ফিভম সেংগদবনি। মতমতুদ মাগী কনাস্থ লৈখিদে। স্থন্নতগী মচানুপি মিনি নৎতনা। মিনিস্থ মপাবুংগী থ্রাখলদা ওসিস্থ হিংলি। মপাবুংগী ফিভম ফংচিল্লক্লবগা লোয়ননা মিপাইবা ফাওরকই। ঐখোয়বু কমদোদোরিবা?

(১০)

কায়নথংদনি, মিনিনা মমা নিরুবু কৌকবতু। মপুবোইবা নারে তাবদা তন্না লাকই। হুংস খিজৈ কয়।' কন্ন ঙমদবা ওইন্নবনো?' য়ুম যৌরগা চংসিদুন হুংব ঙমজদে। অতুক নক্লবা মরিদ, চহি কয়াগী অরাপ্পনা মরক থৎলুই। ইকোই কোইনবঙম তৌই। মপুরোইববু কোইব দংত্তে, অস্থম কোইখিদে। চংশিন্দুন হংজৈ, 'হকচাং ঙমত্রগ করি অমৎত তাকপী-রক্লীব করিগীনো? কয়াম কন্ন ঙমদবনো? করিগী ঐবু অস্থক কোইনা থম্বীনী?' হাহংসিংসিদ মপুরোইব মখোনমনি পুমপেন পেজৈ। নপি তান

য়েংই। মীকুপ অমদা মাংলুরব পুন্সিগী ঈচেল, মীকুপ অমদ অমুক হন্জিন্ন-কপগুম তৌই। অমুকম্ম রাজৈ। মুংঙাইরিভৈ মতমদ কাউথোকুন থম্‌রগা অল্লাবা মীকুপসিবগী কোনসিন্দুনা থম্বা তারিব্রা ? মপান থোকনা হংই, 'ঙসি ঐগী পুন্সিনা অরাবগী মপেগা থুংসম্বনা লেম্লব মতমসিদা নংবুম্ম মৈরিসিদা ইনসল্লমখোরা ?

'নংতে। মৈরি নংতে। মৈঙালনি। হুপিগীদি মপুরোইবদগী হেনবা করি অমুক লৈরিবগে ? ঐগী অসা। ঐগী পুন্সি। ঐগী হেক লৈরিবা পুম্বা। ঐগী অমংত য়াওরমদ্রে। পুম্নমক নহাক্কী ওইরমলে।'

'নংতে। রাখল অহু ...... !' মপুরোইবগী রাঙাং লোয়ভ্রিভৈ নিরুনা মরক থংলকই, সংসার অসিদা ঙসি সোম্নবস্থ সোম্না ইপুবোইবা লৈরম্বসিনা হুপী ওইবগী পাঙ্গল পুম্নমক ফংলিবনি। সমাজসিনা তোম্বনা য়েংবা ঙমদ্রিবনি। মহাক অসিগী মরুমদনি, অম্না অনাগী লোয়পোং হান্নুনা অকনবা লমজেন চেল্লিবা। মহাক য়াওদ্রবদি সংসার অসে পুমহাং হাংহোগদোরিবনি। ঙসিগী পাঙ্গল পুম্নমক মরোল লোন্দ তুমিন তৌরিবা তুংগী ইঙ্গিংসিগী মঙালদ হিংলি-বনি। করিগী অহুক থম্মোয় সোম্বরীবনো ? ঐগী অসা মপুং ফাহনবীবমখো। তুং কোইনা পুন্সিনবা অসির্বাদ পীনবীয়ু।' পম্নমকসি তাক্লরগা মখোনমনি তুং কোইনা হিংখিগদ্রা খল্লি। পুন্সিগী মমলদা অম্নুম অম্নুম আথগী তোঙাল তোঙাল্লবা য়ুমফম মথং-মথং সাগংলকই। হিংবগী কাউথোকপা হৌরুরবা মিহুল তপ্ন-তপ্ন চোংখংলকই। থম্মোয়সে কয়াদ ইংলব ঙসিদি। কাউব ঙন্নরোই-দব থুংসা মোমোন নোক্ক তিংথোরকই। অহুবু অহুক থম্মোয় ইংলবা পুক্নিংগী মোমোন মীনোক মরক্ক মখোনমনি অমুক হুম্ন লেংলকখিদ্রে। পুম্নমকসি উম্নগা নিরু মমিং কুপ্ত খিনগংলক্লিবা পীরাংগী ইচেল মরক্কা মপুরোইববু মুম্ন য়েংজৈ।

★ ★ ★

মনিংদম্মু মমাংদম্মু

অঙকপসিংগী খুদম অমা পীবা তারবা, পুন্সি হায়বসিদগী হেল্লা ফবা খুদম অমমুক সংসারসিদা লৈতে। মসিগুম্নি পুন্সিবু কনাগুম্বসিংনা মসক মচু থোক্নবা পোৎ কয়াসিংগা তোয়ন-তোয়না চাংদম্নবিবা। চাংদম্নবগীম্মু অমুক অর্থ তোঙানলনহল্লিবা। মরি লৈনদে পুন্সিম্মু, হৌপ্রবা অমম্মুং লাক্লিবা। হৌখি হায়বতনি থম্মোয়দা লৈহৌরিবা। নীংসিংলী হায়বসিতনি পুন্সিগী ঈতিহাসনি হায়নরিবা। সি নৎতনবু করি অমুক পুন্সিগী সক্লোন অমা লৈরিবগে? লৈহৌরীবা সীনম্মু তুংদা করি কান্নহল্লিবগে? কান্নবা ভাক্তা খিবা য়াদবা পুন্সিসিদা কান্নবা কান্নদবগী ওইরক্কদবা মং পুম্নমক নাথৈরগা হিংখীবা তায়।

'ইবুংঙো, নতোমতা অচিকপদা করি রাখল খল্লম্লীবনো? নহাসিংনা অচিকপদা ফম্মসে ঙাওই হায়নবনীকো।' ইনে থরোনা লক্লরকপগুম হায়রকপা রাহৈসিদা ঐহাক খজিক নোল্লত্না হংখি, 'ইনেদি কদায় চৎতোরিবনো।

'কুইরে চৎথোক্কবা কোইরুগে। নংবু অচিকপদা করি রাখলনো?'

'শুম হচিক লাংলগনি।'

'মীনা হায়নব্রসে চুপ্পদি চুমগনবনি। পাম্মুইকো নহা ওইনা।'

'ইনেসিদি ... ... ।'

'হায়নৈ হায়ববু হায়নৈ হায়বনি।' রাহৈসিংদি হায়রম্লগা ইনে থমোদি চৎল্লে। মং অমগী মাংলাকুপদকা অমবুদি কল্লে। অত্নবু ঐবু অম্মুম্না হায়রম্লিবা ইনেগীদি করি? মহাক লমদমসিদা লৈত্ত-লায়রসিংগী থ্বায়দগী মরুবা মগী মতানি। অপিকপা অঙাংসিংগী সান্নপোৎনি। মহাক

লাকপা উৎদা, পিক্লিবা অঙাংসিংনা কয়াগী মতিক মুংঙাইজবা অমদি লাংজবা। ইনেবু হেক উরগা 'ইনে পোবীয়ু। ইনে পম্বীয়ু।' হাংহুবা লৈবা ইনেগী মতম্পাক্ত ফমখিনি। মনগন্দা কোল্লুনি। পোন পোন পম্ন-পম্ন অমুকম্মু মুংঙাই মুংঙাইতে। মথল মথেলগী নিঙাইনি। ইনেনা মুংঙাইজরিবস্মু মতুদনি। অঙাংসিংনা পেল্লিবনা মখোয়গী মুংঙাইবতুদনি। মুংঙাইবদি চপ-মান্নে। মমুংঙাইদি তোঙাল্লি। ইনেসি অম্মুম্না অম্নম লৈরক্লবজাংলা? নংতে। ইনেম্মু নহা ওইরকই। নহা ওইরিঙৈ, মখোং কারক্লিঙৈ, ইনেগী ফজবা মীপুম খুদিং য়ারীনরম্মী। মাগী ফজবদি, খুৎ-নাইরবা কলাকারগী থম্মোয় পেনজরবা কলানি। অতুবু মীওইবগী পুন্সিদি সক ফজবা থীবগী থোইনা কান্নবা লৈহন্দে।

মাম্মা বীরোনা মুপী থীরকপা মতমতুদদি, 'ইনে ময়ুম পানবা ফংলরোই' হায়না লৈকায় হুপ্না ঙাঙখিবনি। অতুদি, মাম্মা বীরোনা ইনে থরোদা কৈদৌরবা? মখোয়নীগী য়ারিদি থরায় অনিনা পুন্সিনবা মীওই অমগী ৱারিনি হায়না মতমতুদা লৈকায় হুপ্না খঙখি। তসেংনা পাখঙ লৈসাগী য়ারীদি মচি-মচি খুদিংদা নিংফুং-নিংফুং হেক-হেক ঙাঙ-নবম্মী। মীওইবসিংগী খ্বায়দগী অমগা অমগা মরি লৈনবা মানবা, অমনা হায়রগা অমগী থরায় কৎথোকপা ওবম্মু তাঙ্ককসিদনি। বীরোম্মু হায় 'ঐগী পুন্সিদা অসেংবা পুনসিগী মহাউ থোকহনবদি নংতননি।'

'ঐদি ঐগী পুন্সিসে নংতগী ওইহন্নীংই।' ইনে থরোম্মু খুম্মা।

'ঐদি নংতগী ওইহল্লিংবা নংতে, ওইহন্নবনি। নংগী অম্নাবা য়াওদনা ঐহাক করিম্মু তৌনিংদে। অসেংবনি থরো। ঐসে নং য়াওরবদি, ঐনি হায়জবগী পাঙ্গল লৈত্রবনি।'

'তা-বীরো ... ...।' মতমতুদা মাম্মগী য়াহৈ কয়াদা ইনেনা কয়াদা মুংঙাইনা থাজনা থম্মোয় পেম্না মাম্মবু কোনজখিব। পুম্নমক অরেম্ম তাখি। বীরো, থরায়গুম থমজবা মহাক, ইনেবু হুন্দোক্লগা কনাগুম্মী

অমগা লৈকায় থওনা লুহোংখী। মতমদুদা ইনেনা কয়াদা কপচখিবা। মরাইবক্তা খুতুম সুর সুরদুনা মদোম কপচখি। লৈকায়গী মীওই খুদিং থরোশীদমক পুক্নিং কুংশিবা কয়ানি। অদুবু কন্নিদি তৌরুনি মরাইবক্ত তাইদল্লদুনা খাওজবা নৎতনা।

মতম ইকুই-কুইনখিদে হায়বা তাই। মাম্মা বীরোনা লুহোংখিবা মতুং। ইনে থবোনা লুহোংখিবদু। য়াম্নবদা থা তরুক/তরেৎ ওইগনি। মসক মতৌসু মাম্মদগী থোইনা তাদবা, সেঞ্জাও পায়বা ইমুং অমদনি। লৈকায়না ইনেগীদমক মুংঙাইবী। মাম্মদগীদি হেল্লে হায়না মাম্মগী থোঙ্গাল ময়াদা রারী লাউন-লাউন স দুনা লৈকায় মীওইসিংনা চৎনবদা, লৈকায় কুমৈ অমদি ওইখিমাল্লে। ইনেদম্নি কন্নি ফাওরমগদবা থওদে। লৈকায়না ইনেবুদি মুংসিবা জাৎনি। মুপীগীদি মপুরোইবা ফবা হায়বসে পুন্সি তম্বায় অমা হেন্না মুংঙাইরবনি। মীপুম খুদিং ইনেবু মুংঙাইরগনি থম্নখি। ইনেসু থোইরুম মোমোম্নদি মরক মরক্তা নোকখিমাল্লে। মপান থোক্নদি নোক্নখীব্রা? থওদে মুংদা কন্নি ফাওরমগদবা?

মতমদু থরাল থানি। ইনেনা মপামদা অমুক হল্লকখিবদু থরাল থানি। ঝ্‌লন মনাক। কালেনগী সারবা মুংসা ঙাকথোক্ল মখোয়না লাৎচরিবা রধা-কৃষ্ণগী ফজরবা উগী মুরতিদা, থম্মোয় ইংহন্নবা তৎতনা হুম্মাই হুমজবা মতম। মতমসিদনি ইনেনা লোম্ন-লোম্ন কপচরিবসু। ঝ্‌লোনগী দোল হায়বগী হনগৎ-হন্দা চৎপসি উরগনি, ইনেগী পুন্সিনা চুম্না লেপচবগী থৌনা লৈত্রবগুম, কোইনোম নোমদুনা চুম্না লেপচবা [illegible]। অমদি হেক-হেক কপহল্লিবা। অসিংদুবা মতম অমদনি ইনেনা, মাম্মা বীরোগা থওনথীবসু। অসিমরুনি ইনেনা ঝ্‌লোন্দা থরায় লৈবমথৈ পান্ন-জরিবসু। ইনেগী পুক্নিদা খ্বাইদগী থৌদোক-রাথোক থোকপা মতমসু মসিদনি। মরমসিমরুনি ইনেনা জুলোনবু তৎতনা ঙাইজখিবা। পুনসিগী থৌদোক রাথোক্কী মমী পুম্নমক মসিদা ননসিনবগুম ইনেনা ঝ্‌লোনবু মমীৎ কুপ্তবমথৈ য়েংজে।

ওসিসি ঋ্লোন মক্সিল্লকপদে ইনেগী পীরাং থেম্বা ওইনা থোক্লরে। খঙই। ওইফম থোকই। হৌথীবা মতমদা খ্বাইদগী মুংঙাইখিবা মতমদু অমুক হন্না য়ৌরকপা মতমদুদনি মীওইবনা খ্বাইদগী পুক্নিং মুংসিবা মতম। মসিনন্না ইনেনা মতমসিদা পীরাং সিন্থরিবা ? কল্পী। চুন্না কপ্পদা নংতনা পুনসিগী খ্বাইদগী থম্মোয় লোকপা মীকপ অমদা ইনেনা তংতনা কপ্পী। খঙলে। ইনেনা মপামদা লাকখিবদু মাগী মপুরোইবগা খাইনন্নকপনি হান্নবা। খায়নন্নমদায় মতমদা ইনেগী থৌদোক্তু নীংসিংহ্নুনা কপ্পা অমা চৈ-থাংখী. 'নংনা এ্রগী ইজৎ পুম্নমক লৈথা তাহল্লবনি।' মহাক অমা লৌরুবগী মাংথীবা ইজৎতু মহাক অমা খাইনবদা পুম্নমক হুনজিনখ্রবা ? মহাক মসাগী ইজৎ ঙাক্লবা হোৎনবদা ইনেগীদি করিস্নু লোকত্রবা ? পুম্নমকসি, মহাক ইনেবু লৌরমদাই মতমদা করিস্নু খঙহিদ্রবা ! নংতে ! খঙদে হান্নবা য়ারোই। পুম্নমক খঙই। মাম্মা বাঁবোগা অকনবা মরী লৈনরম্মী হায়বসু খঙই। অদুবু করিগীনো, মহাক্না ইনেবু খাইনরমদাই মতমদা মাংগী হৌপ্রব থৌদোক্তা যুমকম ওইত্নুনা ইন্থোকপীন্নিবা ? তসেংনা ইনেদি মরাল লৈজদবীনী। মরাল! মীনা সেম্বা ওম্বা। মীনা কোক-হনবা ওম্বা। মরাল। মরাল।

মুমীৎতু মহৌসাগুম ইনে ঋ্লোন য়াওনিংখি। থুল্লক্ত সুম য়ারেমবদগী লোইবা মুমিৎতুমদি গোবীন্দজিগী দরসন ফংননবা সনা কোম্নুংদা চৎখীবা নংত্রা ! সনা কোম্নুং। সনা কোম্নুং। থাবল বন্ননা পুমকোই কোয়রবা, সেংলব থাবলগী মঙালগুম্ন কয়াগী মতিক মিৎ ইংখিব। মফমদুদা থুল্লক্ত মান্নদবা অমন থেংল-থেংলগা অম্নুম অম্নুম মী ভীনব হেল্লকখি। অদুবুদি হায়নন্নিজনা গোবিন্দগী দরসন। মসিগীদমক্তনি অহিং পেন্ন তুমজগদব ভক্ত কন্নানা, অহিংগী মুংঙাইবা পুম্বা [illegible]দোক্তুনা ইকাই-ইকি খঙদবমখৈ মবুংঙোগী মমাংদা থরো-থরো ওল্লরীবা। ইনেসু অহিংসিমদি গোবীন্দগী সেবা নিংথিনা তৌজখি।

অহিং লোয়সিল্লক্লে। তিল্লম্বা মী মসিং খজিক খজিক তাকলক্লে। ইন্নেম্ন য়ুম্নদা হনগদবগী থোরকপা মতমদদি ঙাম্না থাল্লম্বা বীজলীগী থাউমৈ অহিং [illegible] মমথখি। নংত্তে, মলিদি মনিপুর পুম্বগী অমংতা ঙাম্নবা লেমজনফম ওইরব মফম্নী। মফমসিদা করম্না অশুক ইকাইখুম্নিংঙাই [illegible] থোদোকসে থোক্লিবা? থোদোকসিদি মীওই অমতগী নংত্তে। মীতৈ জাতি পুম্বগীনি। অত্তুবু থোকখী। মীকুপ অমংত নংত্তনা। ফনা কুইনা। অত্তুগুম্লবা থোদোকুদা ইনেগী তুংদা ওইরকদবা পুন্সিগী মুংঙাইবা পুম্বগী মমি মুংহনখীবনি। অমুক হন্না মৈ লাকপা মতমদদি গোবিন্দগী অচৌবনা [illegible] মকি, মহারাজ ইথুঙ [illegible] ইনেগী হকচাং জ্ঞান মচেং অমক্তা য়াওরন্না তাক্লন থৈরদ্রী। অচুক হঙোই-মিংঙাই ওইবা, [illegible] পুন্সি অরিমক লৌরিনখীরবা থোদোক্লো গোবিন্দগী [illegible] লাকপা মীপুম খুদিংমক্তা উখি।



থাজরকদবসিনি
লালীবদি

অঙাং ওইরিঙৈ। শীক্লিঙৈ। তুংগী সাংলবা লম্বীদা কনী খে.কপা য়াবা। নংত্রগা তুংগীদমক মীৎকুপ অমংতম্মু খনবা ঙমখিদে। হোই! মরি অমদি' লৈনখী হায়বা তায়। মরি লৈনদে হায়বদি য়ায়োই। ঐস্মু খঙই। অহুবু সমাজনা উবা ইম্থোকপীগদবা মওংগী মরিহুমদি ঐহাক কৈদৌঙৈ খঙথীদে। অহুম ওইনমক ইম্থোকপীরী। সমাজসিদা মীনম্বা পুকচেল অমা লৈরম্বগুম মহাক-ঐহাকী তাইবংপান্দা।

মতম অমদদি, 'ইবেচা কৈদোরে কপ্লবদি?' ঐনা হংখী।

'মথোয় ইমুংসে চাক শুংচা চাবীরোই। সীরবস্মু সিজসন্থু।' মহাক ঐনা হংবা য়াহং তাদবগুম তোঙাল্লবা পাউথুম অমা থুমকই।

অহুবু কৈদোরবগে?

'কোল লীক ফেংদে হায়জিস্বরগা ইমানা ঐবু ফুখীরীনিনে।'

মী অতল-লমম্বা মরম থজিক ওকেইহম্বিংহুনা ফুববু মান মগাং পাংদহুনা কপচরগা।' ঐগী য়াহৈসিদা মহাক অসাউবী হায়বহু লোম্বরমাল্লে। কপ্লম্বা পুম্নমক তোক্তুনা ঐঙোন্দা চিক্লকই, 'কৈ! থোনা লৈবা, অথোবা, নওঙোন্দা ফুরকে। কপ্তব্রা য়েংগে।' মনাক্তা জ্যামিবা চৈহু পায়রগা ঐঙোন্দা কুজিল্লকই। কয়াদি নারে। 'মবুংবু [illegible] থোনব্রা?' য়াহৈসিদা মহাক পুম্নমক তোকখী।

অঙাং ওইরিঙৈ, "মহাক" ঐহাক্কী চঙবা মরী অমা লৈ। মতমমত্তদা মহাক ঐহাকী পুন্সি মরেন্দি মবুং-মোপবা অমগী পুন্সি মরেল অত্তুনি। সমাজনা উবা পুন্সিগী মরেল অমা লৈ হায়বদি ঐহাক খঙদে। অতুম ওইনমক মহাক-ঐহাকী সেংলবা মরিত্থুদি লমাজনা খঙবা মখঙদ্রুগা থঃদি তোঙাক্লে হায়বা তায়। মহাক অনৌবী, ফজবীনি। ঐগী অসেংবা ইচলমক নংত্রবস্থু পোকমীয়বা ইচলহুম পীক্লিঙৈ পুন্সি পুন্নমক লেন্নকখি। মতমমত্তদা ঐনা মাবু কলক পেন্না লক্লে। মানা পামজবা মসায় কয়ামা ঐবু য়াঙ-হন্দে হায়জিন্নহুনা কয়া অমা থুগাইখি। মহাক কপ্প কপ্পা মমাদা তাক্লুই। ইনেনা ঐবুদি কৈদৌঙৈ চৈবীখিদে। করিঙঙ্খা মতমদা মমান্নবসিংনা মাবু ফুৰী চৈবীরক্লবা, ইকমদা লাক্লগা য়াকংলৈ। মতমমত্তদা ঐনা মাগী মীচং চংত্তুনা অমমক খংনখী। সাউনবস্থু ঐখোয়নীত। তীন্নবস্থু কনাস্থু য়াওখিদে। মহাক-ঐহাক"।

প্রী-য়ুনিভরসিতি পাস তৌরবা মতুংদা ঐহাক মীরৈবাক্ত লাইরিক তম্বা চৎলে। অসা চাউনা থাখিবা অহানবা চহিগী পরিক্ষা মায়পুনবা ভমদনা, সোম্বগী পাউ ফংবত ঙায়রিঙৈ, ইবেচা লুহোংবগী পাউ তারকই। পুক্নিং থুংসিরকই। ইচল অমনি থম্না লেনজীনখিবা অঙাং ওইরিঙৈগী পুন্সি। ঙসিদি স্থুমতগী মরি অমংতস্থু লৈত্রবংম ঐহাক মাগী লুহোংবা-ফাওবা য়াওবা ফংত্রবনিকো। ঐগা হেক পোকমীন্নবা ইচলমক ওইরম্রবদি মাগী লুহোংবত্থুমক ঐ লৌয়দনা য়াওবা ঙমগদবনি।

মতম অমদা মানা পামজনা তপ্পকথ্রবা সান মপান য়াওদবী, ঙাং-লৈনবা মচুগী সাহি, অমমক মাগী অঙং-অউন ওইনা পীসিরা থমস্থুনি। অচুবু থন্নবতমক মঙাইগ্রে। লৈসিরা থন্দুনা চংলুরগা পুক্লিংদ স্যউদিংবা কাওরকই। মবুং অমা লৈ হায়বগীস্থু কৱিস্থু মাচুংত্রবা মঙোন্দা পীরুরগা করি কাবরকনো থন্দুনা করিস্থু পীশীনে। লুহোংলবা মতুংদদি পুক্নিং থুংসি-রকই। পুন্নসিদা অনিরক, সুমরোইদনা, মাস্নীদি অরোইবা খোঙকম

ওইগ্রুপদবনি থক্নুবদা অসেংবা নীংঙমলক্কে। হন্নক কালেনগী স্তুতি মসুং স্তুতি থোরকপদদি লৈবীহ্নবা পীগ্রুপে।

কালেন স্তুতি থোরকপদা হন্নুই, ইমা ইবেম [illegible] হুংঙাইরি চাকত্রা ? ঐগী বাহংদা ইমা তুকীন লৈবী। তোমদা হংলুবগনি থুগ্নকই, কৈদৌংগে হায়রিবনো ? মীগী মতাঙদা লুহোঙ্গ্রবকি [illegible] অমা খঙরকই। কপিতুংগী [illegible] হংজনবনো ? নৌবোনা [illegible] হুংখিরকই মতম অমা, অতুক নক্নবা মহাক অমা ওন্নিদি [illegible] থোরক-বনিকো। পুলিসে ঙাইহাক ঙাইহাকী [illegible]. লেপ্পনা চৎলি হায়দুনা ওমদে। ওন্নিদি মহাকী মরু মপাংগ [illegible] অমংতা তাবা লৈরে। মানা লুহোংবা নৌরিটে থা [illegible] - চিঠি ফোয়না থারক্নুনা, মাগী লৈখিত্রবা মান অমসুং ওাঙলেনবা [illegible] মাগীমা ফোয়না থোরকখনি। অত্তবু ঐনা য়ুমদা থোরকপা মতমমতুংদদি স্তুপমতগী মরো মখোক্ক অমংতা তাবা ফংখীদ্রে। পীরগে থম্না লৈরকপা ফিসিং পিকম থঙ্গলক্কে। ময়ুমদা থিল্লুগদবস্থু মহাক মফমতুদা লৈতে। স্তুতিদি মতম কুইনা পঙ্থবা য়াদব-নিনা ঐ অমুক চৎপা তাখি। তশেংনা ঐ ইবেচাদি অমুকং উন্ননিংলদ্বনি।

মতম অত্তুক কুইবা অমা ম্যাগা উমবগী রাখলনা থোরকখিবা ঐহাক মহাকা উম্নবনা চৎপা তাখি। মাগীনি থম্না লৈরুবা ফিসিং [illegible] অরোম্বা ওইরগদ্রা ? ইফল অমা, ইচে অমা লৈরম্নু নৎত্রে। ঐনা য়ুনিঙ্গমগিতি য়োরবদা থঙলকই। মহাক ঐখোয় য়ুমদুগী পংঙাপ্ল হাপ্পনা লৈ। হৌজিক্তা নিংঙম্নক্কে। থিরম্নবদি সোয়দনা থংবা য়াবনি। অমুকস্থ থম্নী। ইমা-খোয় পাবুংখোয় তসেংনা থঙদবা জাংলনে ? নৎত্রগা ঐবু মওং অমদা নাখৈহ্নবা থম্নীব্রা ? কররিগীনো মখোয়না ঐবু হৌবেতোগদ উম্নহনীংলম্নিবা ? মহাক ময়ুম মকৈ পারে অসিন্না ? মহাক্তি লৈন চৌংহ্নবা হোঙখিবদি নৎতে। মমা মপানা থাজবীবনি। [illegible] ইমা [illegible] লৈরমদ্রে ? পাবুংখোয়না হায়বদি মীরৈবাক্তা লেন [illegible] ? [illegible] কাওবা চুম্নীবা ? নোংমতন্থু মহাক অমা [illegible] হবেতোদি ইবমদা

য়ারীখিদে। অদুক সাংনা অঙাং ওইরিঙৈদা সাক্সীয়রকপবু। ঐগী ইমা পাবুংনা মাগীসু ইমা পাবুং সরুক চাওরকখী। ঙসিদি কয়াদা লাপ্লরবা? অম্মা লাপ্লখিবগী অসাদি মঙদসু মঙ‍্দে।

ঐহাক অম্মা খনবমথৈ খল্লুরগা করি কাম্নববনো ইচল-ইচেম্না নৎতবদা পরিথা মীংচৎ থীননবনি খন্দুনা তোক্লে। অদুবু পুক্নিংদদি অরোংপা অমা য়াওরিবগুম তসেংনা ফুংঙাইতে। ঐনা লাইরিক তম্বা চৎলমদাইদা মানা নোকমী-নোকমী থীন্দোরকখিবা। অমদি য়াম্না চমজবা মঙংদা লৈহৌবা। পুম্মক নিংসিংলী। নিংসিং নিংসিং লেপ্লবা পুন্সিসে মতম্না ওনথীরাক্লে। করিসু লৈহৌদে। পরিথা ময়া য়্যোরকপগা লোয়ননা। অঙকপনি পরিথা লোইরবা মতুং ঐনা য়ুমদা থোরকপদদি মহাক মাপী য়ুমদা লৈরবগুম য়াম্না তোয়না উথি। কৌবদি মতাং অমা ইচা চাদবদগী কৌমথিদে। অদুবু নোংমথক্তি করম থোকলুবনো খঙদে। ঐনা য়ুমদগী থোক্লকপদা ইমাই-ইমাই ঙনসিন-নহুনা হেক থেংনরে। ঐদি মহৌসাগুম মাপী মফি-মরোলদু থোরক্লত্রা খল্লুরবনি। পুম্মক ওনবদা য়াওগ্রমাক্লে। মহাক করিসু হায়দনা মানা চংকদবা লম্বীদা তপ্পী-তপ্পী লেপ্তুনা চংলী। ঐসু ঐনা চংকদবা লম্বীদা করিসু, উসিন্নদনা চংসিরা খনবনি। অদুবু ঙমখিদে।

'ইবেচা কদায়দনো?' ঐনা তপ্না হংখি।

'চুম্না স্কুল আম্বাই ফাওবা চংথোকলুগে।' মহাক ঐঙোন্দা য়াম্না নীংঙমদবা মঙংদা য়েংলদুনা 'পাউথুব' পীরকই।

'নং য়াম্না ওমগ্নেনা।' ঐগী য়াহৈসিদা মহাক অর্থ য়াওবা মীকোক অমা নোক্লকই। 'ঐদি করিসু খঙদনা, 'ঐদি নংসে মমাংঙৈগুম নীংসিংলি। করে। পুম্মক হোংগ্র'সু নংনা মমাংঙৈ ঐঙোন্দা তপ্লম্বা ফিসিংহৃদি লোয়রা য়াইদা।' ঐগী য়াহৈসিংদি তারবা ফুংদা মহাক তপ্না খুম্নকই, 'হোয়! লোংবা লাক্লে।'

'লোংমহৃবু কৈদোঙৈনো? হৈয়েং থেংনদহুনা ... ...।'

"সুম লৈথোসন্নুদা।" রাহৈসি হায়রগা মহাক মমায় লুকথখি।' মাগী পাউথুমসে ঐহাক 'ভসেংনা পেনথীদে। সুমীৎ হুন্নী মপিন্নি চংলো মাগী" দমক্কি থন্না মতম মাংবমথৈ লৈথিবা ফিসিংনি। মতম অমদা মানা কয়াগী মতিক পাম্নজনা ছায়খিবা। মাগী রাহৈসিংথুগী মথক্তা, মহাক্ত নৌনা মুমালোলা থোরদারবখি। অমদি মা ঐগী মুরিন্নি মুতমস্নিদা, মহৌসা ওইদবস্থু মান্ন থন্দুনা লৈরিবনি। অদুম ওইনমুক ঐগী সুংঙাইতবা পুন্নমক নাহৈথরগা হায়খী, 'নং পান্নমদরবুদি য়াই। নংগীদমক লৈরকপনিনা সিজি-ন্নদনা লৈবা ভারে। হয়েং ঐ নখোয়দা থীন্নক্কে। নং যুমদা লৈথোগদরা?'

রাহৈ থরসি হায়রম্নগা ঐহাক চংলগেগা অমৎতা ভাক্নমদনা গারীথু যমাং থানা থৌরক্লে। সুমীৎসিদা লৈকায়গী ইমায়বা অমদগী পাউ তাখি। ইবেচানা য়ুমদা লৈরিবসিমক মপুরোইবগা থাইনথুনা লাক্লিবনি। মাগী সুপাহুমক অতোম্না ফুপী অমা খিগদবগী কন্না খিন্নি। ঐগী পুক্রিংদা নীংঙমদবা কাওরকই। করিগীনো মীওইবগী পুন্সিনা নৌজরীবী কয়াগী পুন্সিবু লৈকংলাদা হেক-হেক থাদহুনা মাংহল্লিবা? ঐনা অমুকা হেন্না নিংঙমদরিবদি মানা মপামদা লাক্লিবসিমক ঐনা মরম ওইহুনা লাক্লিবনি হায়বসিনি। কয়াদা মরৌ লৈজব্রবা সংসারনো? ঐনা কয়াদা লাক্লবা।' পুন্নমকসি করিস্নু থগুদনা 'নং য়ুমদা লৈখিগদবা নৎত্রা?' কল্লিগী রাহং-সিমক হংলুন্নিবা? রাহুংসিদা মহাক কয়াগী মতিক রারোয়মগনি? ছৌজিকপু মানা তপ্লব্বা ফিসিংসি পীরকথীয়ব্রা? নৎত্রগা করি? সমাজুসিনা মহাক ঐহাক অঙাং ওইরিবৈগী মরি পুন্নমক ককুথংপীথ্রব্রা।

মুনীংতু থনরমথৈ থল্লুরগা ঐহাক মখোয়দা চংখ্রী। 'ইনে ইবেচা চংখোকখ্রব্রা?'

'ইবুংঙো ... .।' লকক তৌরবা মতুংদা 'মহাক লাক্লিব্রা? ঠৈন-থৈ ইমুংদা লেংসল্লু।' ইকোই-কোইনবা রাগল অমনা মুনসিনবর্গ তৌই মতম অমগী মরুথ্রবা মরিদা। [illegible] মহৌসাগুক চংখিরকা হুংহুনা,

য়েংনীংবা য়েংহুনা তোরবগো ঙসিদি সুপ্রভাতী মুঙোক কাখৎপা ক্যাওবা কবি-ক্‌ষু অমা তৌরগনু হিংই। অঙ্গবু খোঙউপ দৌখোঙ্গে তোক্লবগদি, ইবুংঙো য়াইফবনু চংক্ত-লাউ।' ঐসু থবা তনবগা অমুম গ্রোং গ্রোং চংসিল্লে। মহাক মখোয়গী ময়াম্‌ থংবা কাহুদা মদোর কমহনা লৈরম্মী। 'ইবেচা। ঐ হৌজিক্কদা য়াম্না নীংঙাক্তরে। ঐদি তসেংনা নংগী নুকমদা ঐগীদমক য়ারী অমা লৈ থওদবনি।' ঐহাক মানা কম্মু হায়না থারক্লপা মোরাহুদা কুমথরগা তেক্তা হায়রম্মী। 'পুন্সিদা অম্মুম্না খোক্কনী হায়রক্লে ঐহাক থাজকুদে। থাজকদবসিনি খ্বাঙনগী লাল্লিবদি। ঐনা নংবু ঐগী পোকমীব্বা ইচল-মক্লি হায়না খল্লী। নংনদদি ঐবু নবুংমক্লি খনবা ঙমদে।' নংতে, ঐগীসি লাল্লে হায়বা ঐহাক ঙঙথোক্লগা খঙলকই। ঐবু মবুংহম্ খনবা ঙমদবা নংতে। সমাজসিনা ঙম্হল্লবনি। 'অত্তবু নংনা কনমক লাপ্না খল্লবসু, মমাংডে হৌখিবা য়ারীসিংদা মরা চোংথ্রবা কয়াতুদি কৈদৌঙে মুৎতনা লৈরগনি।'

মতমতুদা, মচু মচু কুমগী কুরাক পায়বা উরগা ঐখোয় অনি চংহুনা ফাগে তাম্লখিবা। ঐখোয়গী ইতৌ উরগা, ইমা পাবুংনা কয়াগী মতিক সাউখিবা। পুম্নমক্তু ঐখোয়নদি থওখিদে। ঐখোয়না থওবীবদি ঐখোয়গী নুংঙাইবা অতুতমক্লি। ঙসি চহি থরা হৌখিবা সিনা ওম্মক মখোক সেংহল্লবনি। অম্মুক তেনবা মতমসিদা অম্মুক য়াম্না হোংলবসিদদি, চহি চা কয়া লাপথ্রবা ইপা-ইপুসিংগী য়ারীদদি কনদৌরমগনি?

অত্তুক ইচং খোরগী মহাক, য়াম্না সোক্লরম্লে। 'মমাদা সুপ্রভাতী অখোঙবা সরুক অমত্তু য়াওদনা লেংঙম সাওমথ্রবা মতম অমা উৎলহুনা হায়রকই, 'ঐহাক করম্না হিংগদবনো হায়বা খঙদে। মতম কয়া অমা হিংলক্লে। অরাবা, নুংনাংবা, নুংঙাইতবা' পুম্বা ওম্মক থওলক্লে। অতুম ওইনমক ঙসি-গুম্না পুক্রিং নুংসিবা নুমিৎতি ঐহাক লেকপিক্লি।'—

'অত্তবু নাগী পুন্সিদা খোক্লীবা থৌদোক্কী মরম্বি ঐনলি। নংনা-সু ঐনা ম্মাঙ্গী য়ারী, মত্তুক থঙনা হল্লি।

'মীওইখদি খৌদোক্লা নক্রবা, খাথোক্লা কোইনা সন্দোক্রবা পুন্সিনি। ঐনা পুন্সিবু অমুক্তা মীনমখিত্রি। মীনমগে হায়নস্থ খনখীদে। 'অদ্রবু মহারুদি ঐবু কয়াদা ওয়-তৈননা লৌখীরক্রবা। মহাক্লা ঐখোন্দা তৎতেন্না মৈখী-চৈখী। ঐহাক কৈদৌতৈঙো খুমখীদে। অয়োইবদদি মহাক-ঐহাক্রী মরীদা অংরানবা কয়া পাউথংনহুনা, নংবু মীরৈবাক্তা লাইরিক হুবা খাদোক-থ্রগা ঐহাক লুহোংলকগা নৎত্রা? অস্থুয়া তৎতেনা চৈহ্নমা ·· ।' মহাক অয়োইবদদি মানা গুাংলিবা কয়াহু লোয়সিনবা ওমদনা মপি সিহুহুনা কগ্রক্রে।

'সমাজসিনা হৌজিক হিংলিবা পুন্সিসিদা হুপা-হুপীগী থাক কয়াদা খেমহল্লবনো? ওসিদি হিংবগী অর্থসে অস্থুম মরেক সেংলক্তবগুম তৌই। ঐনা মাগী পাউথুম লোয়রব' ভুংদা খুমখী।

'নৎতে। সমাজসি নৎতে লাগ্লিবদি। সমাজসিবু মসক খণ্ডলুদবা ঐখোয়নি লাগ্লিবদি।

'অদ্রবু কৈদোরুনী, লেনবা তাবনি অস্থুমা অস্থুম?'

'নংগীদি অমকগা য়াওত্রবা পুন্সিহুদা, চাওরবা অসা অমা থাগো-মহুনা হিংবা মায়। ঐগীদি, পৌক্লিতৈগী, মবুং মোপরা ওইবা পুন্সিহুনা হৌজিক হিংলিবা পুনসিসে লৈথা তাহল্লবনি।' মহাক য়াম্না নিংঙমদা, পুথগী মৈখিনা কোয়সিল্লবা মীওই অমগুম হায়রকই। মাগী মত্তোহুদা ঐগী থম্মোয়সে য়াম্না সোম্বরকখী, 'নংগী অবাবদো ঐস্থ খঙই। মহু কোরুবা উপায়দি অমায়বনি ·· ·· ·· । কন্নিগুম্বা ঐনা হুবা খোক্রবা, ঐহাক সোয়দনা নংগী অবাবহুদগী কনবা গুমগনি। করে। ঐহাক নোংমা লাক্রে।' মাটৈহেসিংসি হায়রম্লগা মহাকী ফিসিংহু পীরম্লগা ঐহাক হনক্রে।

মহাক ঐবু হনংনা য়েংলকই। 'লাকপা তারবদি গুসি নোংমা-নিনিসিগী মহুংদা সোয়দনা ·· ·· ·· ।' মহাক মহুক্রী খাভাং সোয়দনা-চপ লেপখী। ঐহাক খোরক্রে। খনখী... অমুমা পুন্সি লেংবা

ঐহাক য়েংবা ঙম্মোর। মানা য়ারীবসিমক ঐগীনি। ঐনা কোকহনবা ঙাই। অদুবু মাগী য়াথ্রবদি কমদোবা? য়াদবা য়ারোই। য়াথলমুংদা মাগীদমক চাওরবা অশা অমগা লোয়ননা হুমীৎ হয়নীগী মতুংদা ঐহাক মখোয়দা চংখী।

'ইনে, ইবেচা লৈরীব্রা?'

''ইবুংঙো. ঙরাংদি নং লাকনি হায়দুনা. নচম্মা নংবু কয়াদা য়ানা ঙাইখিবা। ঙসিদি ইমাচু লাকুনা পুথীবত ঙাইয়ি।' ইনেগী য়াহৈসিং'স হেক ভাবগা, লোইমম-লোইকাত্রিৱৈদা ঐহাক মকমহুদগী তপ্প-তপ্পা থোরক্লে। কন্থি খল্লবনো খওদে ইনেনা ঐবু মুন্না য়েংহনা লৈহৌই।



চা গীলাস অমা

ঐ থাজদে।'লমদম্মসিদা খুৎইদগী মোংপা গলাদগী থোরকপা মীসিংনা. লমদম্মসিগী খুৎইদগী হৈ'সিংলবনি হায়দুনা থোরক্লিবসে ঐহাক থাজদে। থাজবা ঙম্মোই। লমদম্মসিগী খুৎইদগী ল্ দক্না লমচংস্লু মফম্মসিদ লৈবা; অসেংবা চুংসাসোরস্লু হোনবা. ফংজদবা ময়ামতুদবু অফবা অমা লৈরমগদবা মানব্রনে? ফিভমস্লু সোন্দম নাতম্মগনি। রাখলস্লু, মথোয় মথোয়গী ফংলগা লোয়রে অতোপ্পগী করিস্লু য়েংদবা মওংদো সোইদনা লুদ-তোংদ পল্লমগনি। করিগীনো ইম্ফালদা পোকপা ঐনা, ইম্ফালবু থাজবা ঙমদরিবা। তসেংবদি মফমসে ঐগী পুম্মক্কি। থরায়নি।

সাইকলদা অস্লুম চংপসে রায়। চা গীলাস অমগুম্বা থক্রুবদি মথা অমুক চংথব ঙমগনি হায়বা থাজদ্রে। হোতেলস্লু অমৎত লৈবা উদে। নংত্তে। অমদি লৈরম্মী। অহল ওইরে। হোতেল ফম্মীবী মুপীতু। পুন্সিগী পোংলুম অয়াম্বা সরুক লোয়সল্লরুবীনি।

'ইমা। চা অনিথক্তা লোজগে।' ঐনা হায়খি।

'য়ানী! য়ানী।' মচিন্দদি য়াম্মা য়াংনা হায়। য়াম্ম থুনস্লু পুথো-রক্কদবা মাল্লী। অদুবু পুবদি পাক পুথোরকখিদে। ঐখোয়দি তসেংন য়াম্মা লাম্মবনি। অস্লুক সাংনা ইম্ফালদগী ময়াং ইম্ফাল তাম্মা সাইকলনা লাক্লদবু কমদোনা রারোই!

'ইবুংঙো! চা লৈজরে। নখোয়মু কদায় চল্লুবনো?'

'ইমা, ঐখোয় ইম্ফালদগীনি। কলেজগী ভোৎ থোম্বা লাকপনি।' মতমসি কলেজ ভোৎত নংতনা জেনেরেল ইলেকসনস্লু লকসিল্লরুবা মতমনি।

'ইমাখোয়দি খঙদে। নখোয়গী ভোং অসি মীদি হুংসিনরেদা।' ইমান হায়রকপদো তারগা খল্লি, "ভোংন নংতে। মী ফংনরকবগী খুদম মচেং-মচেং উৎখোকনরকপনি" হায়না। অদুবু ঐ করিসু হায়দনা চা গীলাস অদু অমুক অনিরক চিংলুই। 'ঐখোয় অমুক হুংসিননা থায়নদগী লৈজরক্রবা ঐখোয় ওমক হন্দকী ভোংসিনা খংনহনগদৌরে।' ছায়োনবী ইমানা মথা তারকপা রাহৈসি তাক্রবদা ঐহাক থুক লাউই। প্রীথিবীগী খ্বাইদগী চাওখৎলবা লমসিংনা, খ্বাইদগী ফুরবনি হায়না লৌনিরিবা দেমো-ক্রেসি অসিমক ওসি করিসু লৈত্রবা, অহল ওইরবা, লাইরিক হৈত্রবা মীওই অমফাওবা থাজবা ওমহন্দ্রবনীকো। মসি খল্লবদা ঐহাক থুক লাউখী। মীওইবগী ওমথৈ পুম্নমক্তি থাজবদা সাগৎকদবনি। থাজবা লৈত্রবা সংসার-দুদা মীওবা লৈথীগদ্রা?

'থাইনগী নীংথো পাল্লিবৈদদি অমুক্তা খংনখিদরনে ইমা?' কদোম-দগীনো রমজিংনা রাহংসিমক হংলকই।

'খংনবা-চৈনবগী দন্দি চাওবননি খঙদে। অমনা অমবু হুংসিনবগীনী খঙদে, অমুক কন্নদি অমুক্ত খংনখিদে।' চায়োংবী ইমাগী রাহৈসিদা ঐহাক করম্বা খংনবনো হায়বদে। কন্না খঙনিংলকখী।

'ইমানা হায়রিসিবু কয়ায় কন্না খংনগনবগে?'

'খংনবা হায়ববু খুম অনিসি নশাক-মশাক তানরেদনা। অমুক হক্ক ভোংনা তিন্নবা উপাদি হায়বা থাজরে। ঐহাকসি- মরি-মতা ওম্মক অসোমদা লৈরবনি। করুম ভোংপদবনো খঙরে।'

'হায়রিবসিবু ...'...।' ঐহাক য়াম্না খঙনীংঙা হংখি।

'ইমাদি অসোম খুনদগীনী। সিদা য়ুম পাল্লকপনি। অসোমদা ইমা পাবুং, মরি-মৈতা ওম্মক লৈহৌরিবনি। খুন অনিসি চংনদ্রবদি কমদৌ-দোরিবনো ঐ খঙদে।

'ভোংতবু খুন চংনদত্রনে ? ভোংতি খুন-খুন চংনরগা খোম্মনগদ-বনি। কর্মদৌনা খুন অনিসি চংনরোইদৌরিবা ?'

'সিনিসে ইবুংঙো। মুমীৎতু অরাং চাৎবদো যু য়াম্না থকই হায়রি ? য়ামনা থক্রুবসু খরদি থক্লমনি। মসাসীসু থক্রুবদি লৈবা ঙমদবনি। মান কদায়রাইদনো লৈবা কংগ্রেসকী ... — । আ .. .. মখোয়গী সোরোক মপান্দা সাবা কা মচা-মচা থাইদোকপহ্ন করি হায়বা ?'

'কেম হায়রো ইমা ?' য়নজিৎনা হংখি।

'হোইনে। মহুদা মখোঙনা কাউরগা, 'সিদা শুগুম্বা সাবা য়ারোই' হায়রুই হায়রা ? মহুদগীদি, মহুদা লৈরম্বা মীশিংনা সাউহুনা খোয়রুগা, কারি-কম্রিনো ভোবদগী সিরে হায়রে। মহুগী রাহৌদগীনি খুন হুথা খৎন-রিবদি। হৌজিক্তি ভোং খোমনবগী মহুৎ খুন খৎনবদা পুক্লিং চংনবৎম ভোরে।'

'ইবেমচা চা অমৎতা থকে।' কদোমদগীনো খঙহৌদা ইনাক্তা কন্নুখীবা অহল অহুনা হায়রকই, 'পুক্লিদা খৎনবা চৈনবসিসু য়াওহ্রবদি মীনা উসিৎপা লৈত্রেদা ইবুংঙোহোয়।' অহল অহুনা ঐখোয়বু য়েংলগা মথা তারকই, 'নখোয়সু খন্দুনা য়েংউনে। অহুম ভোই হায়হুনবু মীবু হেক হাংভোক-পসিবু চুমত্রা ? খরা ফুরকই হায়য়ু। চৈরকই হায়য়ু। ঐখোয় করিসু সাউরোই। সাউকমসু খোজ্ঞে। খুন অনিসি থায়নদগী চরো-মৌরোনহুনা লাকপনি। ঐখোয়সু নহা ওইরিঙৈদা মখোয়রোমদা পঙাউ-মঙাউরুই। মখোয়সু পঙাউ মঙাউরে। মসিদা করিসু সাউনিংঙাই লৈতে হায়বা। হাৎপা-তুমদা চৎথরক্লবদি, মখোয়না ঐখোয়দা কৈদৌজবা ঙমগদগে মভাংম ভোবা নাম্নি। নহালমুক্তী চহিদসু মহুক্তায়। মখোয়না হায়বা ইক্লবদি মখোয়না ভোবা য়েংউ। মসিবু হায়বা য়াবা য়ারা ? সরকার পাইরিবনি। মখোয়না ভোনিংবা ভোবদা য়েৎপা লৈররোই মভাংম হায়গে য়াৎনা হায়রীবনি। মসি ভসেংবদি সরকার পায়না পান্না ভোং ভোবগী মরাম্নী। মহুসু ভোজরো। নমফু হাফুদা ভোংক্তি খাদহনঙমসি হায়বা।

'ভাংঙো চা লৈজরে।' চাখোরামবী ইমান্না মরক থংনা হায়রকই।

'য়ারে! য়ারে। ইবুংঙো ঐনা কাপ্পীবসে লাল্লব্রা?' হৌহাক্না মরক লেপ্পুরগা মথা হায়রকই।

'লান্নবুদি লোইনমক লাল্লবা ঙাক্কনি।'

'নংতে। ঐনা হায়বদি, ঙসি ঐখোয়গী লৈবাকসে প্রীথিবীদা থাইদগী চাওবা গনতন্ত্রা চৎপা লৈবাক্কি হায়বসি য়ান্নরবা য়াফম্মী। অস্থুক ফুইনা, চহি কুন্থ্রা-নিফু ব্রীতিসনা ভারত হেক থাদোকখীবদগী, ঐখোয় খুদিং গ্যান তাহল্লে। মতুগী মতুং, ঐখোয়বু নাকল অময়োমদা পুহুনা, সেনজা-থুমজাগী কোমদা পুথহল্লে। সেন্ত্রিমেন্ত সাগৎতুনা ভোৎ লেপ্লে। পরামগী ভিক্তিমাইজেসন্দা ভোৎ খোম্লে। দিমোক্রেসিগী নমাদা মতোং চুপথোক্লগা মীহাৎ-মীপুন তৌবা ঐখোয় য়ানীংদে। সিবু লাল্লব্রা হায়বা?'

মহাক ঙাওবমথৈ ঙাঙলুরগা ঐখোয়দা য়াহংসিমক হংলকখি। ঐখোয়সু গ্যাম তাদে। কলেজগী ভোৎ খোম্বা লাক্লিবনি। ভোৎকী মায়ী সাক্লবদা, ভোৎ হায়বসি থাজনিংঙাই ওইদবা ময়াম অমগী য়াংলেন মরুদা অমগা অমগা নপসিন্নহুনা পরেং লেংসিন্বা পোৎসককুম উরক্লে। লমদমসিগী হান্না লৈরম্বা ঈতিহাস নাথৈরগা, অমোমা ঈতিহাস অমগী হৌরকফম ওইরিবা গনতন্ত্রগী সক্তমসে মতং মতং তৎলবা মীকানবগী সক্তমগুম উরকই। অকিবা ফংলবা, তুজুংনবগী চনফম থঙত্রবা পুন্সি কয়ান্না য়াতারিবা সক্তম কয়াগী সক্তম।

'পাবুং অসিরম্মুদি মপোম মাংজয়ব্রা? পাবুংদি চৎপীরম্মব্রা?'

'কদায়দগী মতোমত মাংবদি য়াগদগে? ঐদি থথক চিনমনবসিদা, পারতিগী মীতিম্না ময়োল অমা ... ...। অদুবু পারতিগী মীহুৎতি য়ায়া থারুরবনি। করি করিনো মতেং পাংবা য়াবমথৈসু পাংলুরবনি।'

ঐ থাম্লি। করিনো হিংবা সিবগী ওইরিবা ফিডম? অসিবা কয়ানা লমদমসিগী ভোৎ খোম্মব্রা? মহাক্না হৌতিক্তা হায়খিবা সেন্তিমেন্তগী

অথ্' মহাক খঙলমগন্রা ? থরাই কয়াদগী ভোৎ অমনা হেক্না মমল লৈরবা মঙমসিদা হিংবগী অধিকার কন্নিলো ?'

'ইবেম্মা চাগী পৈসা লোহোয়ো।' পৈসাদুমক পীগ্লগ মহাক ঐখোয়রোমদা ওনসিন্দুনা, 'ইবুংঙোখোয় লৈহোখোকো। ঐহাক অমুক চৎলুখিগে।' হায়রগ্লগা চৎখ্রে।

করিগীনো মখোয় কয়ানা মৎইবগী হুংসিরবা মরী কয়াবু মুপ্পতগী ইন্নাং অমদা পুর্থোক্লুনা মমল য়াওহন্দরিবা ? মখোয় মখোয়গী কান্নবগী-দমক পুন্সি কয়াবু করিগী থুৎলাই ওইনা সিজিন্নরিবা ? সিন্না রাজনিতি, মীয়ামগী থবক ভোৎবা, পাউখোল্লোয় হায়রিবসে ? ফল তাদ্রবা অংক কয়াগী মরক্তা লেপ্পিবা অচৌ অচৌবা মসিংসিং মখোয় য়াৎরমদ্রবসু অংক খোৎপগী কান্নরমদরা য়াই। অদুবু মখোয় য়াওরুবসিননি, অংক-সিবুসু ফল তাহন্দরিবা।

'ইমাদি,ইমা–পাবুংগা অস্থুম লাপথোক্লবা তান্নব্রা ?' ফচোমদগী নো রনজিৎনা ফৈরেংননা রাহংসিমক হংলকই।

'য়াদ্রবদি কমদৌরী।' চায়োনবী ইমানা নীংঙমদনা খুমকই।

'করিগী রারোইদৌরিবা ?'

'ভোৎসিনা ... ... ।'

'ভোৎতি, মীগা মীগগী মরক্তা লৈবা পনসি থুগাইবনি। খাইদোক্লৌ হায়বদি য়াওদেনা।' ঐমু নীংঙমদনা, সাউদীংনা হায়দোকখী।

'মচু য়াররোই।'

'মখোয়না য়াররোই হায়রগা হেক্তা য়াবব্রনে ?'

'থুনসিনা রারেপপ্রবনি।' মহাক য়াম্ন তম্না খুমকই, 'চাৎবা লৈথি-দ্রবা মতুং নোংমা কোনবদা লৈকায় রাথোক ওইনা মীক্লিন অমা ভৌথি।

মীতিন অত্থুদা মীয়াম পুম্নমক্না কংগ্রেসকী মীয়েপ শ্রীওইনাম য়াইস্নবু খুনসিদা ভোং থোম্বা চংহন্দব। হায়না য়ারেপ্নখি। য়ারেপসিগী মতুং ইন্না, অদুগা খুদম্দু, খুনসিদা লৈরিবা কেনদিদেং অমবু ভোং নয়াম্লিদা ইহ্রোকপা হায়বসে খুনসিবু ইকাইবা পীবনি। মরমদুনা খুন অমিগী য়ায়বা অমা পুরক্ত্রিবমথৈ ... ...।'

'ইতৈমা, ভাঙৌ লাক্লমব্রা?' চায়োনবী ইমাগী য়াহৈসি লোয়নম লোয়ফাংত্রিডেদা, অহল ওইরপ তোবা নীপা অমা চংলক্লগা য়াহংসিনক হংলকই।

'লাক্লম্বনি। চা থক্লগা ভাইহাক ওইয়ে চংথিবা।'

'য়ারী অমা সান্নদবা য়াদবনীনে। ভাইহাক লৈরগা উন্নরবস্থু উন্নবা হায়বহুনি। ঐগীস্থু চাহু মীলাস্থু অমথক্তুং থকথীগে। ভসাইদগী চৎপসে য়ারে। অদুগা খুনসিস্থু মহানি। ঐখোয় খুনগী মীবু মখোয় খুন্দা অমৎতা চংহল্লোই। মখোয় কেন্দিদেং চংহন্দব্রিবসি মখোয়বু ইকায়খা পীবনি হায়নে। মখোয়না মীগী করিস্থু মরাল লৈজদবা, ইচম-চমজবা ভোংস্থু য়াংজদবা মীহুবু ভোংকী নমাদা হাংতোকপীরে। অদুগস্থু মখোয়না চাউথংলক্লিবা। হৌজিকসিদি ইবুংঙোখোয় লৈহৈত্রেকো। মীহাৎপা মীনা হেন্না চাউনরে হায়বা।' মহাক খণ্ডন-খণ্ডনদবা য়া ভাংবমথৈ ভাংলুরগা ঐখোয়দা তাসিল্লকই। ঐখোয়দি মাবুস্থু অমুক্তা মসক উথিত্রি। মানদি ঐখোয়বু য়াম্না মুন্না ...ম তৌই। খণ্ডবস্থু খণ্ডলমগনি। অস্তুক পীকপা লমসিদবু। পীকপগী য়াদি লমদমসিমক অতোপ্পা ইন্দিয়াগী ইষ্টেতকা চাংদম্নবদা খুবাকমুক প্যাকপা লম হায়নরিবনি। অস্তুক পিকপা ইমুং অমগুম্বসিদা নপাক-নপাক তাম্নবগী ইহৌসিনা করি? অহুবুদি খুবাক ময়াইদা লৈরিবা ময়ি ময়ামসিবু মসিং থীবা ঙমত্রা?

'ঐখোয়গী ইহৌসে থরদি তপ্পমল্লি। সিন্নিবসিনা মখোয়রোমগী মী ওইরম্বা তান্নবদি, ঐখোয় খুনগী - মী কুনগী মথক্লা সিবা সোয়দে।'

'পাবুং মহুবু হাইকে য়াওনা হাংবীবা জাংগা ?' ঐস্থ হংখি।

'নহাক্রবদি অয়া সিক্রমী ? মীবু সাক হেক সিবা য়াদ্রো ? খংদুনা য়েংউ। মরাল লৈতবা মীশু হাংপা ওয়সিদদি, থজিজ্বলা লাম্লুরকদি কয়াম হাইকে হায়রকদবনো ? হৈয়েংদি মীতিন অমস্থ তৌদবা য়াদে। ফরে ঐ অমুক য়োরুথীগে। ইচে, ঐগী পৈসাদি পারতিগী ছিনরাবতা অস্থুম ইসনবীরে।'

'সিদবু কয়াইনা থুন অনিসে চংমবা য়াগদৌরিবনো ?' মহাক চংখ্রবদা চায়োনবী ইমামা নীংঙমদনা হায়রকই।

হৌজিক্তি মী খুদিংমক অমগা অমগা নকসিন্নবদগী লাপথোক্লবনা হেম্না লেম্নরে। নাইতোম তানা হিংবা ওবদ্বুনী অওম্বা হায়নরীবসে। নংত্রগা পুম্নমক ঐঙোন্দা হায়জবা তাই হায়বগী মহিংদ হিংববু হিংবা কৌনরে। মীওইবগী অর্থসে নাকল অময়োমদা চংখিগদৌরে। চাংগোকপা তায়বসিরা মীওইবা হায়নরিবসে ?

'ইচে, পাবুংদো মসা ওমত্রে হায়রকপনি।'

'খরা কনসিল্লে হায়ব্রা ?' হোতেল চংবোই চংদবোই তৌরদুনা পাউ পীরকপা মুপীদুদা চায়োনবী ইমানা য়াহংসিনক হংখি।

'খরা কনসিন্নব্রা খওদে। ওরাং য়ামচোনা ওয়্যনি। মা খুনসিদা চংবদি মুংঙাইগদবা মাদ্রে। ঐবু খরা হায়বীযু হায়না। ঐস্থ ওয়াংদো পোংকা সিংতবগা পুমকাউ হেক কাউরবা। অদুদি অমুক চংলুখিগে।'

য়াহৈসিংসি হায়রম্লগা কোকথোং পুরক্লিবা পোংসিংদু থারমদনা চংখী। চায়োনবী ইমাস্থ, 'ফরে! ফরে!' হায়দুনা তুমীম্না লৈরুরগা য়াম্না নীং-নিংঙাইদনা মথা তারকই, অঙাং ওইরিঙৈ, পুন্সিগী অয়াম্বা সরুক্তি পাবুংগী নাক্তা মতম লেল্লকখি। ইমাদি শুপ্নতগী মম্রিংতনি। মানা লুনা তৌবীবগী মতিক ঐহাক মাবুদি কীথিদে। মতুমক্লনি ঐনা ইমা শ খুংনা য়াদবা নিপাসিদা য়ুম পাল্লকখিবনি। মচাগী [illegible]লিবনা ঐহাকপু ইম্বোকপা ওমগনি

হায়বা থাজদে। অদুবু ইহোকবী। কনা কুইনা। য়েক থোক্লবা নীপাদুদা নাক্লবি মচানুপা অমা লৈজরব্রা? য়াহং কয়াগী মরক্তা। মতমদুদা চক্লবা চুমিংতা ঐবু অমুক হন্না ইমা পাবুংনা লৌসনবীগদগে থন্না হিংলকখি।

চুমিংতো পাবুং অসা ওমত্রে ঐবু অমুক্তা লাকউ হায়দুনা কৌর-কখিবছু। ঐনা কয়াদা হন্নাওব্রবা। হন্নাওবগী মথক্তা চুজুংবা অমসু য়াওখি। করিগুম্বা পাবুংনা লৈখিদবা থোক্লবদি ঐবু লৌসিনবগী অর্থ থোক্লিব্রা? অকনবা লৈনাদগী পাবুংদি ময়কখি। ওসিদি হেন্না কনবা লৈনা অময়ুক লাক্রে। থুনহুদা ঐনা অমুক চংলূরবদি ঐবু থুনসিদগী তাহোকপা। ওসিদি থুনসিনা ঐগী ওয়মক ওইরবনি। পূমমক থওদে। ঐ থওদে। ওসি হৈয়েং মথোং ময়ম থওদনা লৈরিবা পাবুংগী অয়োইবা পুংকমহুদা ঐহাক উম্ননিংই।' মিকুপতুদা চায়োনবী ইমামা অঙাংগুম কপ্লি কপ্লি হায়রকপহৃদদি য়নজিং ঐথোয়নি ইমাবু মুম্না য়েংহুনা লৈখি।



মীৎনুদা
পেসিল্লবা পী

ভানিংলোই হায়বদি, ঐস্বু খঙই। অহুবু ঐহাক করিংম্বা থরদি হায়খিগ্রে। হায়দবা য়াদ্‌বল্লি। নংন্না ঐবু ইগ্থোক্লবস্থু ঐহাক সাউয়োই। মমচৎ মাংলবীগীবু মীনা খীনা ভোবীরা তৌবীদবা হায়বা অমমুক লৈরিব্রা ? সক কক্কবসিনি ঐগী খ্বাইদগী, লানবা। অহুগম্ব নংবু হিংহল্লিবা। অতুবু করিদি কারৈ ? ঐ খঙই। মহাত্ম-মহাত্মাজি কয়া কয়া মীওইবা কয়া অমগী কৈরাক থাহুনা কাখি। মতোল য়োখি। কৈরাক্তুগীদমক করি সরু সোন্নখিবগে ? মীয়াম্মা খঙনবীষদি মহাত্মাতুতমক নৎত্রা ?

ঐবু তারিব্রা ?

অাউ হায়বদি নৎতে। ঐগীস্থ নীংঙমদবদি লৈ। মীওইনা পোক্লবা সংসারসিদা মী ওইনা হিংনিংদবা কনানো ? মকম অমস্থং মতমনা মাগী মী ওইবগী ফিভম মুনখিবদি য়াই।

নং অম্মুম ভাংখিগেরা ?

সেংদোক্লবা অমা লৈত্রগদি .... ।

সেংদোক্লবা। সেংদোক্লবা। ঐনা ভানিংদবা ময়াম অমা হায়বহুরা নংনা সেংদোক্লবা হায়রিবসে ? ভসিদি ঐ ফীভম সোন্নবানি। নংনা ভোনিংবা তৌবদা ঐহাক করিস্থ তৌবা ঙম্মোই। তোহুনস্থ লাক্লি। মহুগীদমক কনাদা করিস্থ হায়জবা ঙমদে। ঐগী য়েংবদা নারবা মীৎ অনিসি উইসনজবা নৎতনা করিদি উপায় লৈ ?

অচুমদি হাক্সাইগুমু। ঐ ইসানা ইমাবু নংগী ভুইনবীনি হান্দরা ঐহাক থওই। ঐ নুকময়গী মীংকুপ মুহংতমু থৈরোক্তে থরুক্খিদে। পুমনকসি থওনা থওনা ঐ পুক্নিং সেংখি। ঐ থওই। ঐ সিবরুনি। অসিবহু ঐ ইসানা লৌসিনখি। পুমমকসিদা কমাওমা অমবুদি হিংহনি থনহুনা ঐ ওসিমু হিংলি। মতুংসিদুদি নীংওমদবা পুমনক থাদোক্লগা ঐ হিংরবমু য়াই। মতমদুদা ইমুংসিগী ফিভম ...... ।

...... নং করম্না মারকথিদবা। ইমুংসিগী ভান পুমমক্তি নংগী নথক্তা নম্লহনি। মতমহুদদি নংগী থ্বায়দগী নকুবা ঐগী ইথক্তা তাফম থোকপনি। অমু অদি। অচুক নংবা পোৎলুমদো থোংং লৌরবী ঐনা করম থাওথিবা। থওখি হায়বদি নংতে নুরিবুদি। থাওবা উমনি থম্লরক্লি।

ঐ কীভম চাত্রবনি থওনা থওনা নং পুক্নিং পীকথনবা বারৌসি হু লৌখিগেরা ?

ঐমু লৌবদি লৌনিংদে।

অতুমু নমহুদা ওাহনবদি পাম্মী। ঐমু কীভম কায়হুনা থৈরক্লি সংতে। ওসিদি ঐগী কীভমসিদা ঐগী পুক্নিংসে কয়াগী মতিক থোক্তহনবা ঐ করিগী সিরমদবনো ? অচুক কমা নাদগা ঐ করিগী সিহোদে ?

ঐ থওই। ইমুংসিগী মীওই পুমমক ঐস্তোম্না রাবোই। ঐ লম্লা-নবীনি। য়ারোকমহু থোকই। ইমুংসিগী লৌসিন্না ফিভমসিদা মরাকসিনা অথুবা শীথবেং অমা য়েংবা তাদবগী ইমুংসিগী লম্লাক্লী ওইমিবা হিকমদা য়েংবা ওবনি।

— অনাবদি যুবরা অচুম লৌসনা করক্তে। অয়েংবা তাই। ফৌজিগী অভুমসিজদি লোৎলগী অকল হরুভামা চেভিবা ঈরিবসিংগা ওমবনি। কীভমসিদা হিদাক লৈরগা লায়য়েংবা ওনবগী ঐগী হক লৈতে। লায়-য়েংদবদি য়াদে। ঐগী কুম ঐগী পুক্নি, ঐগী হেক লৈতরিবা পুম্না নহাক্না ওইখি। কক্লিওম্না ঐনা কংবু হম্দোক্তুনা ঙংখিবা তারবা, ঐ

করি ওইবা তাঁই। সমাজসিনা ঐবু করি হায়রখিগনি? মাকল অমা-মোমদদি সমাজসি ঐগী য়েন্নবনি। "ঐ তৌকয় থঙখিদে। হিংবগী ওসা চিংবা লৌচিংদা থরায়বু চিংবা হৌরক্লবা," মওমহুদা ঐথোয় ভুমীন্না লৈথোকপা ওমগদবা কনাম্থ লৈতে। ঐহু ওমখিদে। নংনদি থ্বাইদগী লুনা "তিম্রজবা কলন ....। কলন থওইদনা। নংগী থরায়ভদি হিংহনগে থম্না মথোয়দা চংখি। ঐনা মাবু নত্তেং পাংবীরক্তে হায়বা নংতে। য়াম্না তোয়না পাংবীরকখি। ঈলোয়দা মা অমা লৈরম্বগী থাগৎতবা ওমদে।

অনাবদি লায়য়েং লায়য়েংলগা অহুম কয়কপ্র। হায়ববু অহুম অহুম হেম্না লুসন্নকখি। অনাবা লুসন্নকপগী মত্তিক পৈসা চংবগী চাংদি লেম্না ওয়ক্তে। ইমুংসিদি নোংম নোংমগী হু-নোমহুনা চায়ববনি। ঐ সেন তানবা তাখি। সেনদি সেনতনা তানগদববনি। সেন য়াওদনা করি কয়বায়মো হুপীনা তৌরুগদবা? ঐথোয়গীদমক সেম পুথোকপীনবা কনা লৈরিবগে? তোয়না হায়মনবদগী ভাবসন্দা হায়গদবা ইকায়বা অমা য়াওরকই। মহুত নংতনা মমৈথংদদি মহাক ঐথোয়দা পৈসা থংগদবা তম্রক্রে। তনকমন্থ থোক-পনি। পূবদং ওইবা সিংবগী মাখল য়াওদবা মীওইদা কনানা পৈসা পুথোক্লিংগনি? পুথোককমন্থ থোক্তে। মহাক ঐজোন্দগী চেম্নবা হোৎনরকখি। ঐহু থওই। মহাক ঐতোন্দগী চেক্লি হায়বা। অহুগা মলিমন্থ থওই, মহাক ঐতোন্দা মাগী পুক্লিং হেক-হেক লোইহ হায়বা। অয়োইবা ওইনা ঐহাক মাগীদা চংলি। ঐগী অয়োইবা থোঙচংসিদা করিওম্বা লোয়বা তায়বা নংগীন্থ অয়োইবা ওইমদবনি থনয়বা ঐগী পুক্লিংদ কয়াকা কীখিবা। ঐহাকী অকিবনিদা মহাকী খুদোংচাবা লোখিবনি। ঐ য়াবা তাখি।

ওসিদি ঐহাক ওকবীনি। সমাজসিনা পাউবংনবীরবা। হিংবগী থুমবা কুমাংপান অমদা, হকচাং মদোং ওয়মক চপথাইনা হিংলিবা। ঐ

সমাজসিংগীদি করিসু খন্দবা ওয়ী। অদুবু মংগী মীংৱয়েংদুদি ঐহাক থৈদোকপা ওয়েই। ওভবী কমা ওইদুনসু মীওইবদি খম্মোয় পানবনি। অমুক লুইকসে ঐহাকি, মচেং ভৌরবা খঙ্মোয়রুক্‌ পুডুনা হিংলকপনি। অসি অচংগী তাইবংপানবসিদ, অহিংবগী থুদম অমা কংননবা, সিন্দুরকপা পিরাং খুদিং মীৎলুদা পৈসন্দুনা হিংবদদি হিংখিগে খল্লা ঐহাক হিংলকপনি। অদুবু হিংবদি কয়াদ লুরল্লবা ? ঐদি হায়না সিদুনা লৈরম্লে। হিংখিগে খল্লুবা খুদিং মংলান ওইরম্লে, মাং-তুংগী সম্লগ্রবা, সনাজনা উরবা সাহিং চাবসিংগী খয়াংত্তা তারবা। ঐদা নৎতনা, ঐনা তুখরকপদা নংবুসু য়াওহল্লে। ঐগী মীসিংসিনা নংবুসু সিহল্লে। পুম্নমকসিদা নং য়াম্নোংক্ম খোকই। ঐ নংবুদি কনবা পাম্মী। কনবসু কল্লমগে। অশিথঙ্গং কোংদোকচম্না কং-লিবসে ঐগীদি লায়বক ফবনি। ফরে ঐ চৎলে।



মানা করি খল্লমগদগে

সুমিৎতুদি ইনে তোম্বী লৈরম্মদে। ঐখোয় অনিতগী ওইবা সংসার অমদা লুপ্তুনা লৈকই। পুন্সিগী মুংঙাইবা হায়বসিদি হিংলিবা সংসারসিদা অমুম্মক হিংবত্থু নংত্তে। সংসারসিগী মন্থুংদা তোঙাম্লবা সংসার অমা সংগৎ-তুনা ঐগীত্ত ওইবা, নংত্রগা ঐগী মাগীতা ওইবা অতোম্লগী য়াওম্রবা সংসারতুনি। তসেংনা সংসারথুগী মন্থুংদা লুপ্তুনা লৈরিঙৈ মপালগী সংসার পুম্বা কাউথোকই। কাউথোকপদ নংতনা কাউথোকপম্থু পাম্মী।

ঐ তসেংনা কাউবনি। মাগী চেংত্তক তারবা খুদাং পায়হনা, মোন-মোন লাউরবা, ঈ থাংনা ঙোম্ববা খুবাক্তুনা ঐগী খুবাক্তা তপ্প-তপ্পা থারুই! মহাক ঐঙোন্দা হায়ফেং য়েংলগা মোমোন নোকই। মাগী অহুগুম্নবা চিনবান্দুনা ঐগী পুক্লিংসে চীংথিবগুম তোই। থম্মোয়দা ইনোং হাপ্লে। ঐঙোন্দা ওনসিন্দুনা মোমোন নোক্লিঙৈ, ইনে লাক্তুনা, 'ইবুংঙো, লাক্লম্লীব্রা?' ঐম্থু নীরুগী পায়রম্বা খুদাংথু খঙথা থাদোক্তুনা খঙবোই-করিবোই, 'উম! ইনে।' মহাক ঐগী পাউথুম তাবোই তাদবোই করিমৎত খঙজিম্নদনা 'ইবেম্মা, নং তাদসে চা-মুং পীথক্লব্রা?' মতমথুদ মহাক ইক-আ তৌহনা লৈখী। হৌজিক্তদা মপালগী তাইবংগা খুৎসম্নরকই। ঙসাই ঐনা মখোয়-গীসি হেক য়োবগা মানা 'ঙসিদি ঐখোয় অনি য়াম্নী অমা সাম্নসি' হাদবহুদি খঙহৌই। মহুগী মক্তুংদা মানা করি হায়খিবা? ঐনা করি খুম্নখিবা? করম্বা য়াম্নী সানখিবা? ঐ করি অমংতা নিংসিংবা থোক্তরে।

'ঙসাইদগী করি তৌহনা লৈরুরে।' ইনেনা মথা তারকই, 'করে, নং তাদগী চাদো থরা থুনা অমুক্তা লোল্লুচো।'

'ইমে য়ারেদা। থক্ নদা লৈরম্লিয়ু... ... ...।', মাখী য়াকৈহ্লা ইকাইবোই করিবোই ঐনা পাউথুম পীবী। মতম্ অহুমদা নীরু তমা হোৎপংতুনা অতনবা খোঙথাংদা ইমুংদা চঙখি। মহাক হেক চঙখিবদা ইনেনা, 'ইবুংঙো কয়াক কুইরে য়োরকদা? য়াহংসিদা লোয়ননা, 'ঐখোয় নীরু মথুংসে, সাংতক-লাক্তক মুংসীবা অমা য়াওনা তথোং জথোংপনি। খোঙত্রনে?' মহাকী য়াহংসিদা ঐহাক করম্ভা পাউথুম থুমগদবনো খঙদে। পুক্নিংদা কনাঙবী অমংহনা অসিঙ্গুমবা: য়াহং হংলককমি হায়রুসি ঐহাক থাজদে। হৌখিবা পুক্নিংদম্ হংলকখিদরি। ঐহাক কনা কুইনা ইকাইবা অমা য়াওনা লোকা মচিদা ফমহুনা লৈরে। হৌজিকদা করিগীনো অমুক ইকায়রিবা?

'তুম্মিন লৈরবদি কৈদৌঙে? চৎনিংলক্ত্রা? ঐসিম্ অঙকপনি। হংনী-হংলোয় খঙদবা য়াহং হেক হংলদনা। ইয়াসে ইকায়বা অমা য়াওরম্মনি। ইস, করিমুংগী নাত্তে চান্বা য়াহংদো হংজুরিবনো? মহা অঙাউবীমী ঐসিদি। নংত্রা ইবুংঙো? চৎনিংলবম্ ঙাইহাক্তদি ঙাম্খো। নচলনা লোনবা চাদো মহাও য়েংখিসি। হাঙত্রা। হাঙতত্রা? ইবুংঙোদি, মহাও হৈনত্রবম্ হৈননবা তমদবা য়াত্রবনি। পুক্নিংদা মানা লোনবা চাংমক্ত থক্রবম্ কনানা খঙবা? নংত্রনে ইবুংঙো? অস্নুমা য়াহৈসিংনে ঐগী পুক্নিংদা পানবা অমদি থম্মোয়দা লোয়্না নোকহনবা ঙাক্তা। অরোইবদা থুমকম থঙত্রবা য়াহং অমা।

'ইনে। ইনেসিমা।' ঐস্‌ ইকায়খাঙদগী পাউথুমখি। পাউথুমসি তারগা ইনেনা মদোম থীক থীক নোকই। মখোল হৌনা নংতে। নোকই হায়বতং থঙননবা মীনোক্নি। মীনোক্না মীগী থম্মোয় মুখা মীনোক। ঐবুদি মানা কনা ফজহুনম্ নীরু য়োলবহুদা কয়া ... ...। ঐনা ওক্লিবদি অহুক থম্মোয় মুখা, হৈবা মহাক ঙসিম্ লুহোং কৈহোংহুনা মযুম মকৈ পাম্রিবম্নি। ফীভমরা ফজে। লুদ-জোংদ, সংং-সদাদা থীবা নংতে।

মেংখদা ইদিক লাকপগথৈ য়োনা কজুরব মাগী হকচাংনী। তুপী ওইবা গীবু কল্পি মাংখীমদে ? কাম্ নুরবা মায়দোং খীক্তম ঐেরে। নরবনা কান্নরুদা চাবদম্ তুকগাদবা নৈত্রে। মসারা কাংজেজ অকুপী ওজরলি। মহুনা মযুম কাকফি পান্দুনা অতাং নৈবগী মাখলদি খত্তদনা মরুপকী মচানুপী অমা য়োক্তুনা নৈরীখসি কল্পিগীদো ? ঐনা নহাক্তাই তাখীবহ্, তুমনা জাংজনে "মখোয় ইংনেদি মামা হায়বা ইনগদবা তুপা নংত্রবদি মযুম পাক্তোয় হায়বনী" হায়রবদো ? মসিদক ওইরগনা মাপীদি মীরু পুম্বা লাকপা থরা পংতক সুদক ভৌবা, মসক কজবা মত্তু অমা কাদোই কৌদ্রি-জাংলা ? হম ঐ থরা চেকসিলহৌদবা য়াদে। ঐদি ওইত্তরাইদা। মখোক নীরুপীদমক ঐওোন্দা চাদ অমুক য়াম্না পীরদবু। নীরুপীদমক প্রোপ্রোয় থাবীস্তুনা ঐরুপেরমীতম্ থাদোক্তি। মহুক্তম্ নংতনা ঐখোয়নীগী, মারী কয়াম্ সাবীরী। কংফম থোক্রুবা অমুক য়াম্না পীরদবু।

'কল্পি ত্তৌরে ? তাদো থক্রোদনা। মী অমিদা নৈমীমরপা মাম্ লানম্ ওাঙ্গরিহম্ হেক্তোয়নমা চেনখ্রুবজাওলনে ? ঐখোয় নীরুপা থরা মারকহলহৌজবদ্রি মাংদা ইদৌরি কাসিংদি।' ঐহাক মহাক্না অমুক হায়রক-পহ্দা অ্যান থঙতা তারকই। কমদা মতমদা চা পুথোরক্তুনা থনখদো হায়বদে ঐহাক হৌজিকম্ খত্তদত্রি। 'হম, কসিদি অ্যান তানবা মারকহল-হৌদবা য়াদে।' মাহৈদি হায়রবা তুং থরা কল্পবা, 'নীরু। মীরু। কৈ-দৌরি।' মাগী মওংতমক তসেংনা হায়থীগদবা মাল্লী। ঐহাক পাংখংপা অমা য়াওই।

'ইহে, কল্পি হায়গে ?'

'ইমুংদা কৈজৌদি ? চা থক্রা ?'

'উম। কল্পি ইজাং থোংদিগে থল্লীবনী।'

'ঐম্ মহু হাক্নগে তৌবদি। নৈরিবহুদগী থরা হাওবা ইমজাং অমা থোংউ। ইয়াম্ ... ...! ইহে, সং তাদম্ চাকচাগ্রগদবনী। ভাকক্তুগা

'খাবেন অসিনবহুগা খোংলো। অহুগা উকাবী অপেৎপহু মঙা হয়া তাউ-রকউ। ঐসু ওসাইনা মং তাদসি লৈরমকনি থওলাবসি ওা লৈরকমপদবনি।'

নীরুনা চংপ্রবদা মাসু মকি হোংপদবগী মেম সরকই। থাউওন ভৌরা, সারৌগী মওং মামা ইল্লৌবা খি, ওপনা থাদরকই। মাগী লাউনা কোংথোক্লবা ফুরাৎ। থজিন কুৎলি-কুৎলি উরবা মওং। তোংলবা থবাকী সরুক্তা মমুংগী ফীগা উরবা, অওাংবা মচুগী কিদা পীক্লা চেল্লীবা অমুবা মচুগী ফিজিন। মহুত নংজনা, থোয়বাগী ফনেক লিংলিব কুয়িংকী ফিবান অনিনা সম্ভ্রবা ঈ থাংনা ভৌরবা কুচু। লেনবা মাইত্রবা মওওনি। পুম্নমক্সি য়েংলিঙে মহাক করিশু উসিয়ন, তুং হয়া ওস্থোক্তনা ইল্লৌব কিছু থুপচিন থুপচিন ইমুং চংখি। থোরকপদা ফিদোল চিংথংলগা থোরকই। মপোপ মতাং করবা খুবোম।

চাক চারবা মতুংদা ঐতাক হল্লক্লে। চৎলমদাইদা কাগি ভৌরকই, 'ইমৌসে থোংবা থাকপদি হৈবনিদা। ওক্লোয়মে। হৌজিক্তি ৎক্রবসু ওক্ত-ওক্ত তোকখো। হৌজিক ওক্নবা চাথোক্লগা হয়েংরাই চানিংলক্তহুনা। ইচা লোসা তাদো সরুক। ইবেম্মা কাগহু পুথোরকউ। মং তাদদা পীজনবা।' নীরুদি ইকায়বনা লোয়রবা ঙাংনি। পীবা ওমদহুনা তুমিন লৈ। 'কৈদোরে পীত্রবদি ? মী চানিংনা ওায়রম্লনি।' রাহৈসিদা মহাক নোকই। নীরুসু ইকায়না নোকফেৎ তৌজে। মখোয় অনিমক ফজবদি ফজে। কজফমদি থয়া থেয়বগম পুক্লিংনা খন্দবনি ওমদে।

চুমিংতুদি নোং য়াল্লা তাই। ইচোং চোংলহুনা ঐহাক মখোয়দা নোং থুপ্রগে হায়না চংলুই। থয়গা থুপ্লিংবগা ওয়গা চপোং লৎতে। ইনেনা, ইহে চোংলমাক্লে ইয়াসে।' হায়রগা ইমুং চংখি। থোক্লকপদা তাউরেল অমা পুথোক্লগা, ঐনা ফন্নিবা সোফাগী মনিংদা চংহুনা নাচেক ওইনা ঐগী কোকসে থজিন্দা থমহুনা অচোংপা সমসে তৈথোকপীরকই। ঐনা হৈনলহুনা হায়কেৎ নোম্বরুবদদি 'মসিদি' হায়হুনা সাউসিন্নহুনা

মাগী মপুম কারবা থবাক্তা মুরুক-মুরুক নৈমিল্লকই। ঐহাক ভৌবম থগুখিদে। মপাল নাইদনা মকৈাক্লবা মহাউ অমদি কাংখি। অচুক ময়েল্লা থোংপা ঐহাক কৈদৌঙৈ থেংনখিদ্রি। করম্ম খুথোং অমদি থুক্লুংঙাইনো থঙ্ক্রে। মহাউসিমদি ঐহাক পুন্সিন্না কংখানি থাজদে।

পুম্মবকসি করিম্মু থগুসিমবনা; 'নংবু অদুক কুইনা লাক্লবদি কৈদ্দৌরে ?' ইনেদা মমহং হুংজিল্লকই।

'ঙসি নোংমা নিনিতা নৎত্রনে ?' ঐম্মু খুমখি।

'অদো ইমৌদদি করাম কুইম্রবা মতমনো ?' রাহংসি হংলপা, 'ইরেম্মা, নংবু লোয়রত্রা ?' হংনা হংনা ইমুং চংখি। চংলমদাইদা মোমোন মীনোক অমা নোক্লম্মী। নীরুম্মু কেনা লৈরম্মী। ইনেম্মু হল্লকপা কুইত্রিমাক্ত। মফি হোংদোকপদা ঙাইরিবওম কেরি।

ঐদি ঙসিগী মতৌম্মুদা ইংংক থককংলি। রাথলসে লৈতাফম-থগুদে। থরদি ওম্বজাংলি। ওম্বগী রাহুবুদি মথোং কারক্লিঙৈদম্মু নোংমা কাদোক মচেম্সিংনা চাক থোংহন্নুবা মুমিংতগদি, ইনেম্মু খুম্মী হায়, 'য়েংঙদনা ঙসিদি ঐনা নথোয়বু চাক চেং চংবা হেক পীজবা ওমত্রবা, ঐ মী নত্রেদনা।' হায়না হায়না চেংম্মু চংহনখি হায়নৈ। হায়নবগী রানিকো। মসক্ত গা কনানবু থাজদোইনো ? চৌং লেম্লবা মোং হাত্রবা মায়থোংহুম্নী চীনবান্দা ঙাংসং ঙাংবা মচু তৈত্নুনা লৈরম্মদো জসেংনা পকচৈ। নোংম্মু কুইনা হাংখিদে।

'তামো চংলুখিগে।' হায়রম্মগা নীরু চংখিবদো মতুং ইমনীংবা হায়বত্নু য়োইহ। ইমগে তৌরুই। ইনে থোয়রক্ত না, 'কদাই চংলুগেগে নোংক মরকসিদা ?'

'কৈম্মু চংলোরদা।'

'চংখি লাকখিম্মু। নোং হাংলগা চংমু।' অম্মুম্মা নোং হাংবা-ঙাইরিঙৈ মমসিনখি। চাক তে'ক্লবা মতু দা ঐনা সোফাদা ফম্লিঙৈ, ইনেমা ফম্মুদো

ক্যাগা' হায়রকই, 'রতোক্তা লৈবা তম্রনি। সিদা হেলকউ।' চংলোয় খনম্বনি। হায়মল্লবছুদদি কজব্রা খন্না চংল্লুই। ঐনা কাহ্নি হেক মৌবগা কমধগে তৌরদা ইনে হৌগংলকই। তানজা চাখিল্লবা হায়বল্লনি। মৈমু খনমূক মুথখি। ইনেনা খঙপ্রেক খঙনা ঐবু খঙকোন কোনসিল্লকখি। টিনবন্দা চীনবান্না .. . । মোল্লবা খুৎ শনিনা ঐগী নগুবন সিনখুংনা হন্না-হন্না নাল্লকখি। অমুকসু ইথাদা চেৎনা কোনসিল্লকখি। ঐসু কোন-সিনখি। মীকুপসিদা অন্না-অনা থাদোক্লুনা মতম কুইনা হিংলল্লবা পুন্সিসে অন্না-অনাগী সংসারনি হায়বা কাথোকওখি। মুপা মুপী ওইবগী মরিনা পুন্ন-মক নমথেকপা ওম্মী হায়বসি পুক্লিংদা কন্না থাজল্লকখি। মতুংদা কিরি থোকখি হায়বা ঐহাক ......।

মতুংদদি ইনেনা ঐবু ওক্লমসে হায়রগী মওংগা খরদি লাপ্পরে। মীরুগী ব্রারী সাখিপ্রে। মমাংডৈ মরক মরক্তা নীরু ঐখোয়'নিদা থাদোক-লম্বা কয়াদো পুম্নমক মাংখ্রে। নোং কাদোক মহাক লৈরমদহুমা নীরুগা ব্রারী সারুরবা, অসাউবগী মতৌ। কয়াদা খেন্নরবা মীওইবগী সংসারনো? খজিক সোয়রে সাউই। লাকউ চংহৌদরে ব্রারৌই। মমাংডৈগা পুমখেন খেন্নরবা মওংনি। ঐসু হৌজিক্তি মহাক্তা হায়বদা ইন্নীংলক্লে। পুক্লিংদদি কাইহৌরি। নীরুগী ব্রাখল খল্লরোই খনবদা অরাবা কোকথোং অমা পুবগা চপ মান্নে। সিবু করম্বা সংসারগী সত্তন্নো? ঐতনা খঙদবগী তোক্লবা হায়বহুনি।

পুম্নমক হৌগ্রবা'তুংদা, নোংমা ইনে ঐখোয়নি ফম্মীরহুনা লৈ। য়াম্না নক্লরে। ঐনা মাগী মখুৎতু পায়হুনা মাল্লগা সান্নে। ঐদি খঙদে। খোঙলোমদা য়েংলুবদদি নীরু ঐখোয়দা চাগদবৎম মুন্না য়েংহুনা লৈরম্মী। ঐ, ইনেগী মখুৎতু খঙথা থাদোকখী। ইতৌহুদা ওইরমান্নে। ইনেসু ঐডোন্দা মরৌ লৈনা মুন্না য়েংলকই। নীরুসু ঐডোন্দা মখুৎ সিংলমুগা মচিন্দা করিনো অমা সোনখিবহু ঐহাক তসেং তসেংনা উহৌই। মাগী

মায়খোংদা পেনজদবগী মমি তাঙ্গি। কপনিংবগী ইহৌ লাক্লবগুম উই। ইনে থোকখীবা তানজা অমা য়েংহুনা ইনাঙ্ক্তা লাক্লগা, 'খঙনিদনা নং' চংসিল্লক্লগা ঐঙোন্দা নীংঙ্গমদনা হায়রে। মুমিংসিদা ইনে ঐখোয়'নিগী পুন্সি ..... । ঐদি খল্লি মথং মাগী অমুক উল্লবদা করি হায়রকনবা? হৌজিক্কা করিনো মানা খল্লমগনবা?



তাইবং ফাওরকপদা

'ওসিদি খোইদো য়ায়া সাউগংদি। মুরাইদা মৈথা মীসিংসি লোইনা ফুহনা তোক্লবনি।'

'কৈগীনোনে তাতোন?'

'চাংগী মথক্তা মানম্ব কাহনবা। ল.মম্ব লাকহনবা। লোইনা কুত্রবদি ইশেন পোল্লরোইদা। অমুক্তা মুনমখিগে।'

'অম্বু কৈলোরগে? অত্তুক ফিংনিয়না কৈরীনো? মুংগা খুমিহ কৈলৌনঙোইরো?'

'নখোয়দা কনানা মৈ থৌরগা খুমাইনা মৈথু কাহনু হায়গে? ঐদি উলোব ওইরবরী মিথুনা কেনা, ঙান লাকপুরাংমি। ঐদি ওসিদি খওদে চাক পীজত্রবদি হল্লরোই হায়রিসিনি।'

'অদো, তাতোন। ইচেতোনদো কমদৌরি?'

'তোনমথিনিনা।'

'লুহোংগ্রমারেদা।'

'হোংলমখিরোইদা।'

'মীনদি হোংগ্রে গংহায়দা হায়নৈ।'

'মীনা হায়নবসিম্ব লোইনদি চুক্তবনি।'

'চুবম্ব য়াওইদা।'

'য়াওইকো। অদো ঐদি থাতোনিম্ব ফংদনা মা কমদোনা মমুম পায়মদোইবা?'

'সুপীদি ময়ুম ওন্না পাল্লবদি ফংহৌদে হায়হ্না হেক্তা পানখিবনি।'

'মাগীদি ঐ লৈরিসিদি।'

'তাত্তোন্দি পাইন্রে হায়বনি।'

'করি?' সাউনা খুন্নকই, 'নং অহুমাইনদি হায়রু। মা-ঐ চহি তরা পুরা লুংসিনরকপনি। ঐ ফিভম খজিক চাখিদবদগী তৌবনি। লাইফম কয়াদা রাসরুখিবা মা-ঐগী রাসক কয়া .. .. ।'

'হৌজিকপু থাইমগী রাসক কয়াদু থাজবা য়ারিব্রা?'

'রাসক নংত্তে ঐনা থাজরিবদি। নখোয় নচেত্তোন্নী।'

ওসিদি তাতোনসে মীয়ামগী লরুফম ওইরে। পুন্সিগী মাই-পাকপা মাই-থীবগী মসিং থিরুবা য়াব্রবা ওমখৈ অমদা মহাক নাইতোম তারে। পাখঙ ফারকপদা তাতোনগী ফজবা মীয়াম্না হায়নরম্লীবনি। হৌজিকস্ু ফজবদি ফজরি। কোইনা কোইচৎ চৎপা ক্নিজেৎ ক্নিরাং মখোং মরম খঙদবা মানা ফজহুনবু কয়াম ফজগদোরিবা? মীপুম খুদিংমক্না মহাকপু লরুবী। মহাক মসানদি কৈদৌউৈ মহাকপু লরুবীরে হায়বসি খঙজদে।

'হুম। নখোয় ঐ চাক পীজরোইদোরিমান্নে। ঐ চৎলগে। ওসি চাক সোইহৌবা তান্নিমান্নে।'

'ইচেত্তোন্দু নহান্দি সুপা অমগা চৎমীন্নহৌই। মা মযুম পান্নমান্নে।'

'ঐস্ু কনাস্ু নংতবা মুপীগা হেক-হেক চৎমীন্নৈ। মখোয়স্ু ঐনা লোইনা লৌরুব্রা?'

'মখোয় মওংহুদি ঐ থাজদে।'

'কম্মাই' তৌরিবা?'

'ইচেত্তোম্না নোকহৌবা মওংহুদি।'

'তসেংনা হেক নোকহৌব্রা?'

'মীৎচিনা ফল্লপ-ফল্লপ য়েংহুনা মোমোন নোকপা চীনবান্না হান্নহৌবা র হৈহু তান্নমবদি, তাতোন নং তসেংনা থাজরমগদবনি।'

'নখোয়না প্রাউ জাং-ঙাং অমসিন্দুনা ঐ' পুমজাও তাওহনজোমারে। ঐ ঙাওদো মাঙে। পুন্সিগী পুবা য়াক্বা পোৎলুম মখং মখং হায়জনক-পমিন্দুদি ঐ তসেংনা ঐগী কোকসে পুবা ওমদ্রে।'

লম্বী লোয়রোক্তা কোইনা কোইচং চংচবা তাতোম্নি। মাগী হায়বদু নোংমগী পুক-থনহৌরগা লোইরবা। অহুবু করিগীনো চাক-ইনজাংদা লাইনিং ওইহনা লৈবা তাতোম্না ইচেতোনগী য়ামী হেক পল্লুবদা, সংসারগী পোৎলুম খুদিং কাউথোক্নুনা মাতগী য়াথলদা হেক-হেক লুপ্লীবা? মহাক অঙাওবনি। সংসারস্লিবু নাম্মজ ওইবা মীৎয়েংনা য়েংলীবা। করিগু লৈত্রবা। হিংলি, হায়বসিম্মু কোইচং চংলিবসিজনা তাক্লিবা। পোৎলুম খুদিংমক অর্থ য়াওদনা য়েংলিবা। পুক থনবজনা লাইনিং ওইহনা লৈল্লিবা। পুম্নমক কাউথোক্নুনা মহাক মতৌ করম্না ইচেতোনবুদি হেক-হেক নিংসিঙ্লিবা?

মহাক লাইরে। নংই। ইচেতোম্না মাবুদি য়াই। মখোয়নীগী য়ারীদি লৈকাইগী মীসিং অয়াম্বা লোইনা থওই। ইচেতোনদি সেনজাউ পাইবা মহা-জোনগী মচানি। মচাম্নুপীবু অকবা মফমদা অওং-অউন তৌহনা থাজনিংই। মসিননি তাতোম্না ইচেতোনবু মম্নুং মমান্নবসিংগা হেক-হেক চংমীন্নবদা পুক্নিং হুংসিনা হেক-হেক য়েংলীবা। য়েংবত নৎতে। ইচেতোন্দসু হেক-হেক হায়। ইচেতোনসু য়ারোবা য়াওই, 'মংগীদমক লেপ্লীবা ঐনি। নংনা ঐবু থাজদ্রব্রা? সংসারসিদা ঐখোয়নী থাজনদ্রবদি থাজবা য়াবদো কনানো?'

য়াহৈসিদনি তাতোম্না পুক্নিং হেক-হেক চাওথোকচরিবা। পৃথিবীগী মীওই খুদিংনা য়াদসন্নু। মানুম্ম য়ান্নবদি অয়াবা পুম্নমক কয়িস্নু নৎত্রবং ম উরবা তাতোম্নি।

ঙসিদি তাতোনসে মীয়ামগী-মতম লেনখম্ ওইরে। চহি মঙা-তরক্তা ওইরিবা অঙাংনম্নু লক্লবীগ 'তাতোন ইচেতোন্দো অসিদা লৈহৌই। অহুদা কনানো অমগা চংমীন্নহৌই।' অপিক্পা অঙাংসিংহুদি ইচেতোন

[illegible] থাক্লোই। থ্রাতোন্দি থঙই। পাখংন হুইচ, কনাগা? [illegible] পুন্সিগী থাবুং পুবা পুন্সিন্দুনা। মতৌচুদনা অঙাংসিংনা লৌরিবস্তু। হুংঙাইরিবস্তু। অয়াবগী [illegible] [illegible] করিস্তু থজনা হুংঙাই-[illegible] [illegible] তৌরি। [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible] চকগী [illegible] নংতে। হৌবা লোইবগী থৌদোকস্তু নংতে। [illegible] [illegible] মৈচাক মাঙবগী মাগী ওইবদি কনানা থঙলুনি। পুন্সিবু অয়ুক, নুংথিল, নুমিৎদাংগা পাংথক ওইবা লৌরবা য়াব্রা? অয়ুক নুংথিলদা থোকপা থৌদোক কনা ওইহুনস্তু, অয়ুক নুংথিলদগী তোঙাল্লবা পক্রোন অমদি লোংসিন্দুনা অস্তুথক লৈরবনি। তাতোনস্তু লোইদি। লোৎনা লোইনা থিরি। মাগী থম্মোয় অমদি ইচেতোনগা লৈনবা মরি। চহি করাগী মংলান।

ইচেতোনস্তু তাতোনগীদমক লেপ্লি। সিরবস্তু সিনি। ঐ থঙদে, সংসারগী হৌবা লোমচং। তাতোন য়াঙত্রবদি ঐ কৈদৌঙৈ হিংবা ঙম্লোই। ঐগী থম্মোয় লাইমন ওইনবা, মীথুং চংহন্দুনদি কৈদৌঙৈ হিংলোই। অচেৎপা ইচেতোনগী যাশরি। ঐগী যাসকসিমক তাতোমা থাজথিদরবদি য়াই। ঐবু তাতোমা থাজদবদি সুকয়া য়ারোই। ইচেতোন্দা ভৎতনা পাঙিমেল্লী। সমাজদি মীওইবগীনি। মীওইববু ঙাকপী সেনুবীনবা মহাক ঙসিস্তু লৈরি-বনি। করিগুম্বা সমাজ হায়বসি লৈরমত্রবা মীওইবদি নত্তাগ্না লৈবা তারম্লগদবনি। ঙসিগী সামাজসিবু মীওইববু ঙাকপী সেনবীনবা লৈরিবা। ঐখোয়সিবু চুমিত্রা?

অপাম হুংসিনা সন্দোকখ্রবা লবুক লমহাং, চিংয়া-তময়াসীংগী চীং-খোংদা কোইনা চংলি। মপাং থিরি। লাইতোম তারবা মহাক্না পুম্না [illegible] থোঙচং হন্ন-হন্না মীংসিংহুনা, মদোমগী যাথল থাদোক্লি। অপুনবা থোঙচনুনা চংলকি। [illegible] মীপুম নুকিংনা মহাকপু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

থোসোকখিদনা লেংকুনবানা ওজর তপা কাইখিবা মতম্থু চুমদা অস। মগি নৈলকা মমদগী নৈনরকপা ঈরিসিং। অসিসি পুন্সিগী থোঙলু। পুম্না চংগীরবগী থোঙলোয়। অহা চানা তান। থুংদগী অহিংদা লোইখিবা, হৌথিবা থাজনদগী থোঙলম। অয়োননু পেনখী। পানবংলক্লিবা থাজবা পীবা পুক্নিং থুংলিবগী বাদি লিবুরনিং। অহিংথুদা সান্নখিবা রাম্লো, মমাংদা সাউনর্থীবগী মতোয়, মতমথুদা সান্নখিদা সাউনবগী মাখী কয়াথুগা তমমক তাইওম্নখি। মতমথুদা সান্নখিবদি মথোম্নসি চয়থোকবগী নরায় থংনখিবা ঙাক্কনি। থুনিংলিগী অহিংলিদা সান্নখিবদি অমন অমম্থু থাজনরমদবগী রাম্লো মতেক-মতেক নিংসিংথুনা নোকমীয়বনি। হরাওজিল্লবনি। নংনা মথু হায়-খিবা। ঐনা মথু থুমখিবা। পুন্নমকসি মান্ন-সান্ননা, 'ঐথোয়ন্নিবু ঙসিগী অহিংলিনা ঙাইরম্নগনি হায়বসে থাজরম্লবনিকো।' থাজনদবগী নমাদা সাগৎলুরবা চাওরবা মংলাননা তাইবং কাওরকপগী রারীনি। পুন্নমক সিদা, তুংগী পুন্সিবু পুন্সিন্দুনা কয়া অমম্থু রারীনখি, 'নংনা করিগুম্বা হয়েং নগানা রাদে হায়না থুম্লকখিদি ঐদি লোইরেদো।'

'নংনা ঐবু অথু য়োনা থাজবীরবদি, ঐগী ইহৎ নং ওইনা থুম্মীরো।'

'নংবুদি কৈদৌবগী থাজরোইদৌরিবা ?'

'নংগী রাবু ঐনা খঙব্রা ?'

'নংগীথু ঐবু থাজদবগী রাঙাং মাল্লী।'

'নংগী রাঙাংথুদি ঐবু থাজবগী রাঙাংনিনে।'

মরেমসে ঐথোয়গী অমুক সাউনরক্না তোল্লরনি। নহানরাইমু রাম্না সাউনগ্রে। তমিদি সাউনরগুম্নসি। মতুংদা মখি নৈহোরবদি য়ুম চুইনা পানবা রাম্নদৌরা রাদে।'

'অমুক ঐনা হোৎরা ? নংনা হোৎরা ?'

'অমুক হোৎকেত্রা ?'

অহিংদু হুংঙ'ইনা হৌখি। অহিংদুতমি হুঙ্গাইনা চুইখিবা। অমংতা ওইবা মানখিবা। পুন্সি খোঙচৎ অমগী লমদাং অমদা লাইরাক্কী ওইবা অপূনবা খোঙচৎ। অদুবু অকোইবদা লৈরবা, মহৌশাগী খোঙচৎ থুগাইখনি থল্লবা কয়াদা ওন্নক থুগাইখি। লাইরু-ইনাকখুনবগী মরক্তা থারবা পল। পলসিদি মেতরিএল গেন অমগী চাওরবা মশাঙ্গা অমা ওইরম্মী। অসিদি মীওইবগী মীগা মীগা লৈনবা মরিনা থুগাইবা ওন্নরোইদবা অচৌবা পল অমনি। মফমদুদদি মী লৈরমদে। মীগী নমাদা মদোং চুপথোকপা, মহাও তংথোকপা ইসা-ইসাগী কান্নগদবা পোৎসক থরা তানসিনবা ওইরম্লে। মীদি অমংতা য়াওরমদে।

কাইনখি। সাউনবা, পেন্নদবা অমংতা য়াওদনা অহিং লেকমীন্নখীবা ঐখোয়নীগী রা অমংতা তাবীদনা ঐখোয়নী কায়নখী। কাইনখ্রিবগী মমাংদা তাতোনগী ইমা পাবুং লোক-উপতা লৈখিব্রা ? নংতে। লৈহিদে। লুহোংবীরনি হায়রদুনা ঐখোয়নিবু ইফোং ফোংনা থোরকহল্লগা, মচানুপীবু ইকোম-কোম্না পুখি। মতমদুদা ইচেতোন্দি পেন্দবগী নমাদা কয়াদা বপ লাউখিবা ? কপ্পা লাউবগীবু কান্নবসি করিনো ? পি তারিবসিবু কৈদৌ-নবনো ? লৈবাক কুম্মৈ ওইনব্রা ? নংত্রেগা মসক মচু থোক্লরোইদবা কয়াগী ওমখৈ তাল্লিব্রা ? হুমিংসিনা ইচেতোন অমদি তাতোন্দগী রারী পুম্বা লোইরব্রা ?

ইচেতোনগীদি থঙদে। তাতোনগীদি রাঙ্কলগী লৈনা অম। লৈবৎম তৌই। পুন্নমক ইচেতোনসু থঙই। মতম কুইনগী মরি মহাক কৈদৌঙৈ কাউথোকপা ওমখিদে। অরোইবা ওইনা অমুক্তংদি উন্নদি পাউজেলজররকই তাতোন্দি নীংঙমদবগী পেন্দবগী, মীবু-মীনা মী ওইখিদবা কয়াদুগী ওন্সিদু রারোরি। ফংলরোইদবা অসা অমগী মঙ মহাক কাউথোকপা তম্নবনি। অদুবু হুমীংদুগী হুমিংদাংদুদি মহাক চংখি। চংলোই থবমনি। অদুবু অরোইবা চেরোন্দুনা মহাক চংতবা ওমহন্দে। হায়রকই, "থঙই। নং

লাউরে হায়রবা। ঐদি ওসিস্থ হায়রি। নংনা সাউনবদি অমুক্তা তৌখিত্রি। পুন্সিক তৌবস্থ। তৌরোই। অদুং ঐ মসিমদি থিংবা ঙমখিদে। ঐগী পুন্সি থোঙচংসিদি মাইকৈ মরিমক কোইথং থংপা চংথোকফম লৈরমত্রবা মফমদুনি। ঐহাক মসিদগী মাঙ্খোকপা ঙমদে। ওসিস্থ খল্লি। নোংমা নংত্রগা নোংমদি সোইদনা নাঙ্খোকখিগনি।

নং তনত্রা? হয়েং মুমীংদাং অমুক্তংদি উরসি। অমুক্তা চংথোরকউ। নংস্থ খরদি খল্লু। ঐস্থ অহিংতুদা থোরক্লদৌরিবনি। মুলাইমা অহিংদা মপান থোরকপা ওম্বগী খোনাদো ওসিদি লাক্লে। অরোইবা নংপ্লগাস্থ অহৌবা ওইনা ঐখোয়নি অমুক্তংদি উরখিসি।"

মুমীংতুদা তাতোন্দি চংখি। ইনেতোন্দি লৈরমত্রা? মসিমদি খঙদে মখোয়নি উরবদি উরখিদে। কদোমদগীনো খঙহৌদবা চৈনা অমদি ফাওখি। পুক্নিদা অমুক্তা থেংনখিত্রিবা চৈনা। মঙদস্থ অমুক্তা অঙত্রিবা থোদোক অমা। মাইকৈ খঙদবা চৈফু। পুন্নমকসি তাতোনদি করিস্থ খঙখিদে। জ্ঞান তাত্রবা অতোনগী হকচাংনা জ্ঞান তাবকপদদি দাক্তর খনাদ্দী মোল্লবা ফমুংদা লৈরমল্লে। হেক হৌগংলকপদা হংই, 'মচেতোনদি কদাইদা চংল্লে?' মুমিংসিদা ইচেতোনদি মুপা ময়ুমদা চংননবা সেম সারি। মহাক তাতোনগী কিতমসিদা মহাক মুপা-ময়ুম চংপা ঙমখিগত্রা? তাতোন্দি লাউরি, তোনদোনবী কদাইদা চংল্লে? মাবু ঐতোন্দা চংলগে হায়রম্লত্রা? তোনদোনবী। তোনদোনবী। মাবু ঐতোন্দ চংলগে হায়রম্লত্রা?'

* * *

ঈরেন্দ্রগী তোর্বান

মমা ইবেমনা কোইচেন চেনখৈ। মমৌবু করিগুম্বা অমংবা হেক য়াউহল্লে। য়াউরবমু হাদবনি। করম্বা য়াউরকনি ? মহাক মমা য়াই সংত্রবিনি। মমা মতোমতা চৎখৎপদসু য়ারবীনী।

(২)

বীরেন্দ্রবা হুপি খিয়ু য়াজনা লৈরকপা কুইরবনি। মমা ইবেম্মনা থুং থেকই। হমদবা থাম্নবদি পুন্না চহি নিফু কারবনি মমা ইবেম্মনা শারিবা থুদিং বীরেন্দ্রবু খঙমমনবা ঊঙ্কিং অমা য়াওনা মমাংদা তৌবা ঙাক্তনি। অদুবু মহাক খঙলিবে। অঙৌক-ঙৌকথোং তৌনবা পুন্সিগী খুদি অমদা চাইহাক পমুবনা, বীরেন্দ্রনি তুংগী পুন্সিবু থাজদনা য়েংবা হৌরকখনি। নিঙঙনদবদি কাওরকই। থাজবা অমসুং থাজদবগী পুন্সিনা, মতোন্দা চং-জাবা পুন্সি অমা কংবা ঙমহল্লে। মহাক চম্মী। সরকারগী ময়াই ওইরপ চাওবা কম অমদা থবক তৌদ্রি। হৌজিক্তাগী মকম-ময়াং খঙদবী ওফিসতা থবক তৌবী. মচিনবান ঙাংনা য়েক্কনবীসিংনা মাগী মমাংদতা মমায় ঊংতুনা নোকদবগী সেম সাজ্নুনা লৈ হায়বসে মহাক খঙদবদি নংতে। মাগী খঙসিন্নদবসিনা মথোয়দো সাউগৎলবা কনানা হায়, 'হুপা মানজদবা হুপানি।'

'নংতে! হুপা ওইবগী পোৎচাক বাৎলমগনি।'

'চুম্মী! মহু নংতনবু অন্নুক হদুমবা মহাক্না হুপি অমকাও হুম্না য়েংদনা পাখঙ সাজ্নুনা লৈবা অগন্না? নোংমতা ওইরবসু ঊথিল পোক্কনিনা।'

'কৈনো ? রাৎলবদি রাৎলে। খাত্রবদি করম্না য়েংলুনি ? সিনা কৎত্রো ? খীন্থ রাহনত্রেদনা।'

মমাম রাজৈ। চুপি থিয়্ রাদমঃ লৈরিঙৈ তাল্লক অসিদা, কদোমদগী সন্দোকললকপা পাউনো ? মদোম নিংঙমদবা পোকচৈ। ইচাসি চুপি থিবা ফংলয়োইদ্রা ? মরক মরক্তা লোম্না মপী তাই। ঐবু ইমিৎত ইস্থ উবা ফংদনা সিরগদ্রা ? সাগৈ অসে অন্থুম্না অন্থম মুৎলগদ্রা ? পুম্নমকসি বীরেন্দ্রদি করিস্থ খঙদ্রবা ? খঙই। অদুবু খঙখিদে। পুন্সিগী তোঙাল তোঙাল্লবা কালী কয়াগী পেনজদনা তারীবা হৌখিবগী দাক কয়াদা, হৌজিক হৌজিক হিংবা মহিংগী পরিং কায়দনা লাকপা পুন্সিনা হেক হেক মীৎকম তারুই। হৌখিববু কনানা মপুম ফানা কাউথোকপা ঙম্নবগে ? কাউথোক্লে হায়বসিদি নীংসিংলবতদা হায়গদবা রাহৈনি।

(৩)

নীংঙাইদনা সাম্নরম্বা মতমত্থগী রারী। চিংথবতা ওইরগদবা হৌখিবগী পেলহৌদ্রবা সত্তম। ঙসিস্থ লেপ্লরি। খোম্থাং রৈম্নরি। মপুম ফাদ রাৎহৌত্থনত্তা লৈরগদবা হৌখীবগী তাঙককসিং। মতম্থুদা নীরু বীরেন্দ্রগী ওইখি। বীরেন্দ্রস্থ নীরুতগী তাম্বীরেন্দ্র ওইখি। অসুম্বা অমৎতা য়াওদনা তুংগী লাক্কদবা পুন্সিদা লোইবা নাইদ্রবা রারী সিংবুলসিং। মতমত্থুদা সাম্নখিবা রারী পুম্নমক অরেম্বা ওইখি। মখোয় অনিদা নৎত্তনা, বীরেন্দ্রগী ইমা পাবুং অমস্থং নীরুগী ইমা পাবুংস্থ রারীসিগী চংদ্রবা হাদ্রবা মচাক অমা ওইখিবা নৎত্রা ? পুম্নমক করিস্থ নত্রবগুম মহাক চংখি। পুম্নমক থাদোক্তুনা মহাক ময়ুম পানখি। পুন্সিদা থাজদবা অমগী চৈথেং পীরম্মী। থাজবা হায়বসিদগী হেম্না নীংঙমদবা অমা সংসারসিদা লৈরমগদবা মান্দে। থাজদবা হায়বসে পুন্সিদা চংদ্রবা হাদ্রবা খ্বাইদগী চাওবা মচাক অমনি হায়বসে. ঙসিদি বীরেন্দ্র ময়েক সেংনা খঙলে।

(৪)

কাইনথংদনি বীরেন্দ্র, মমানা কম্না তক্লমদগী মুপি খিখিবহু। রম্না ইবেম্মনা অমুক্তোইবা চেনখ্রিবসি অঙকপনি। থা-র‍াং কোইচেন চেনজে। অর‍াং অপা অমংতো লৈতবমথে। থবক অমুক্তা থোক্তবগী হৌনবী র‍াজ-রিবসু মহানি। করি-করি র‍াংলিবগে পাখংচৈ। অমদা অমদা পহংদা হংই, 'করি চিংথ খোথবা ...... ?' অহুবুদি মতোমত পোকপা সাগৈ-সিগী নিংথৌনি বীরেন্দ্র।

ওসিদি সংসারগী য়ুম্বালোন্দা চঙসিল্লবনিনা, অর‍া-অনাগী সক্তমসু ময়েক লাবা হেনগংলক্লে। পুন্সিগী সক্তমদি মীকুপ খুদিংগী হোংবা নাই। ওসিগী পুন্সিদি মতম অমগী পুন্সিহু নংতে। মীকানবগী অঙম তান্নবা মমিহুনি। অমগা অমগা থাক্তবা ওয়দবা মীওইবগী চৎনবী মরক্তা, মুপা মুপী য়ুমবানবগী পুন্সিনা অঙকপা মরি অমনি হায়বসি, তপ্প-তপ্পা পুংক্লংদা থাজবা পোক্লক্লে। তসেংবমি, নহা ওইবগী অর‍া মুংঙাই অমদি য়ুমবানবগী অর‍া মুংঙাই অনিসি অতুকী মতিক খেন্নে। ওসি থেংনা হনজনখিবদা মহাক বিরেন্দ্রবু ঙাইহনা লৈরমগনি।

'মীনা থেংনা হনজনবীরকমু। ইথম্বা লৈবা কিজে হায়জরগা, করিগী অমুক থেংনা হনজনবীরক্লিবনো ?'

'নংবু য়ুমসিদা নতোমতা লৈত্রনে, 'ইমা পাবুংসু . ..... ?'

'মথোয়দি মথোয়গী কাদা লৈজখিবনি। নং ঐনা, নং ঐনিদনা।'

'নংগীসি ঐ য়াওত্রবদি লৈবা ওমদবগী র‍ার‍া ?'

'ওমজদে ঐথোয়হি।' কেনা অমদি থুনা থুক্লকখি। কয়াদি হুংসি-রুরে মাগী মঙক হাইবা মহায়হুগা। নোংমা নোংমগী অসুম অসুম হুংসিবা হেক্লকপা[illegible]। মতমসিদা মহাক মীতমলক্লে। পুন্সিগা পুন্সিগা লৈনবা [illegible] পুন্সিগী তোঙান্নবা সক্তম অমা তপ্পা তপ্পা খঙলকখি। মথোয়

অমিতপী ওইবা মতম অমনী য়ায়ৗতু নাথৈয়প্পা তুংগী ওইরকপবা পুন্সিদা থুং থিংজিন্দুনা য়ায়ীনবা হৌরক্লে।

‘অতাংসি মমা লৌরবদি বীভুলা চুগদবা যাগ্নী।’

‘লোইদ্রে, মপা লৌরবদি, চক্রিজাও ওইবা।’

‘নংনা ঐবু চক্রিজাউ কা হাইনা, নংদি ঐ চৈনবা হক য়াউজদে হায়বসি নহাক খঙজদ্রা? নংদি ঐবু থাগৎপদা ওইগদনি।’

‘নংমদি ঐবু চৈননবা হক য়াউদ্রা?

‘য়াউদদি! চৈনিংলগী চৈনি, চৈনিংদ্রবা তোক্কনি।’

‘ঐসু নঙোন্দা চৈজবা নৎচদে, ইচাদা হায়জবা।’

‘নচাদা হায়বা ওইরবসু ঐ পকসল্লক্লিবা করিগীনো?’

‘পকসিনজবা নৎচদে, অচুম্বা হায়জবদা খজিক য়াওথিববু অচুক সাউ-বিরিসিবু করিগীনো?’

অচুম্বা কায়না, খওনী ঐনা তৌবা য়েংউ।’

‘কৈনো তৌবিগদৌরিবসিবু?’

‘থম্মোয় অনি চাসম্নগদৌরিবনি।’ য়াহৈংসিদা মখোয় অনি লৌকখি। মসিসু সকুম অমনি। নোক্লিতৈ, মমানা ‘কৈদৌংয়ে য়াহংসিমক হংলকখি, ‘ইমৌদো করি অমৎতা তৌহনবা য়াদেকো ইসু মসা লোকনি।’ মখোয় তাননবা লাউরকখি। মমাগী য়াহৈংদুদা মখোয় তুমীন নৈখি। ওসিদি মহাক মনেমগী খ্রাইদগী হুংসিজরবা মমৌ মুপিনি। করিগুম্বা অমংঙং তৌবদা মমান, ‘ইবেম্মা তোক্লো ইমা তৌরগে, নং নসা লোকপদি লাই। ইসু লোক্লবদি লোয়রে।’ অসিনচিংবা য়াহৈ কয়ানি। মপাবুংসু মচু মতায়, ‘তাবিদ্রা? নমৌ মুপিনা তৌরিবসে য়েংবা য়াম্না য়ারেমে। নং থম্না তৌথোকপীরবা য়াদ্রা?’

'মীনা ভোক্লরম্ভু হায়রগা, ইবেম্মা নংবু ইস্নুগীসু খরা থল্লু কৈদৌগে ?' মপাবুংগী য়াম্থু তারগা মনেমনস্থু মাসু সোম্থাংলনা হায়খি।

ওসিদি মমা ইবেম্মনা কোয়চেন চেনজে। মহৌসা অমুক্তা উক্রিবা মায়থোংদা মোমোন মোমোন নোকচৈ। মচা ইবুংঙোস্থু মথু মঙাই। ইমুং অসিদা অমুক্তা উক্রিবা পুন্না উবা মুংঙাইবগী মমিথু ওসিদি কয়াদা ময়েক সেংনা উরবা। মুংঙাইফমস্থু থোকই। করম্বা মতমদা কংজগদ্গে থম্না মতম কয়া অমা ঙাইজরকপা মসু ইবুংঙোগী ইপান থাবা মুমিং, সোসন্তি পুজানি ওসি। মুমিংসিদবু খুং থেকুনা ঙাইজরিবা কনাদি মুম্রিংসিনা লাকপদা কয়াগী মতিক হরাউফম থোক্লবা ? য়ুমথংনবদা লৈবী মুপীথুমা মমা ইবেম্মদা হংই, 'ইচে, ইস্নুবু মুপারা মুপিম্না ?'

'ইবেম্মা, ইস্নুমুপানি ইস্নুমুপা।'

'মুপা ওইরবদি মুংঙাইরে, অহানবা ফংবসিদা।'

'উম। সাগৈদি খরা চাউথোকপা তারিমান্নে।'

'পুবু-পুরক্লব্রা ?'

'দাক্তরদা করি করিনো তৌখিনি হায়বনি পুরক্লনি।'

পুম্নাং-লাংই। অমদগী অমা। মায়কৈ খুদিং মকম-মরাং থওদ পুম্নাং লাংই। তিল্লিবা মীওই খুদিংমক পংমুংদা মুংঙাইবগুম উই। হৌরসানি, মুংঙাইম্নিডৈ মতমদা অরাবা কাউথোকপা। অতুবু পুন্সিগী য়াহংদি ৬সিবগী পাউথুম য়াউনা লাক্লবনি। পাউথুমসিদা পুন্সিগী মম্নি পুম্নমক পুথুনা চংখিগনি খওনা খওনা লকউনবগী মুংঙাইবা সিমদি কনানস্থু থাদোকপা ওম্নদে। থাস্থু থাদোক্লিংদে। সিমনি ওসি য়ুমসিদা অতুকী মতিক লাওলীবা, অথল-মথেলগী চান থকুবা মরক্তা খওন-চান্নবগী মঙ্গল অসিরবাদ ঙাইম্নিবা। পুম্নমকসি উরগা তাবীয়েন্দ্রস্থু পুক্লিং মুংসিরকই। হৌখিববু শেন্নক্কে। হৌজিক্কদা চাউথোকচবা অমস্থু য়াউরকই। কনা অমবু শেম্না য়েংহল্লীক্কে। হাকপুনা দাক্তর খনাদা কমদৌরমগদগে ?

(৬)

বীরেন্না চংখিবদা মহাক মহাক্কী মদোমচানি হায়ত্রা কৈনো অতুনা ফম-সৈন্নতুনা লৈরম্মী। মহাক লাক্লে খঙবাল্লে। তপ্না, য়াম্না তপ্ন মমায় লৈথোরক্লগা সোমথা'ননা হায়রকই 'অঙাংদো লৌবিরুরোবা। খরাদি ফরে হায়ত্রা?'

'উম! লৌরুরগে। দাক্তরনা ননাক্তা থম্বতু খজিক্কং চেকসিনহৌ-দ্রবদি অসোই-অঙাম থোকপা য়াই হায়বতুদা পুরক্রুবনি। নংবু য়াম্না সুংঙাইত্রব্রা?'

'কৈস্নুবুদি কায়দে হায়ববু ইচাদো মসক অমুক্তদি উনিংই। অম্নুক কুইবসে অমুক্তা উবা ফংদবসিদা . ।'

'সিদগীদি ননাক্তদা লৈরগদবনিনা অঙাং লৌবদা ব্রারে হায়রক্কদবদনি।' মানা তৌবা ফাগীতুদা করিস্নু খোয়জংদনা, য়াম্না তুকথরবা মওংদা, 'অতুক সুংসিবা ইচাতু লৌবদা কৈদৌবগী ব্রাগদৌরিবা?' য়াম্না তপ্না নীংঙমদনা ব্রাহংসি হংলকই।

মযুমদা লাংহৌবীবা অমসুং সিদা লৈরিবা ফিভম অনিমক থম্নুরগা মাবুস্নু খোয়বাংবা অমদি পোকহল্লি। হৌজিক্তা মচাবু খংয়েং য়েংনিং-লকখি। হোসপিতালদা থবক তৌবসিংনা মানা তৎতনা হংবা ব্রাহংদা, 'অঙাংসি চেকসিন্না য়েংবগী মথৌ তাই, মমানা দিসচার্জ তৌরমদাইদা পীরক্নে' হায়বতু পূক্লিংদা চিংনবা অমা ফাওবকই।

অঙাংতুমক মচানি। মখোয়না মপা মচা করিস্নু খোক্লদবগুম অম্নুক কুইবসে অমুক্তা উন্নহন্দ্রিবা করিগীনো? অসি-অচংগী লংদাইফমদা লৈরবস্নু মমা মপাবুদি অমুক্তা হেন্না নকসিন্ননা উন্নহনফম থোক্তব্রা? পুন্নমকসি থম্না বীরেন্দ্রনা স্নুপরিতেন্দেন্ত উন্নরুবদদি অঙাংতু নহান থাংজা স্নুমিৎ, পোক্লবা মতুং ইকুই কুইদনা লৈখিদ্রে হায়না করিস্নু নৎতবগুম পাউথুম্নকখি। করিগীনো মখোয় পুন্নমক্লা অসিবা অঙাংতু মমা মপাবু অমুক্তা উন্নহন-খিদ্রিবা? ঙসিদি স্নুমিৎ থুদিংগী বীরেন্না তৎতনা হংবা ব্রাহংদা পীরম্বা পাউথুমদো কদোমদা চৎখ্রবা?



ঐবু ঙাইরমখিগদ্রা

ঙসি মঙা-তরানিসি চংথোক খোংতোকতবদগী হকচাংসি ইত্তন-তন্থবা অমা পোক্লে। কন্নিসু-তৌনিংঙাই লৈতে। অস্থুক চাওবা কাতরসিদা ইতোমতা লৈবা করম্বা মীওইনা ঙমগদবনো খঙদে। ঙকপু-ঙকই। করম্না মতম লেনখিবা? থম্বুন্ত্রিনথৈ ফবগী রানী। থম্বুরম্ববদি কোক ঙাউই।

লৈমা-সনাতোম্বী মযুমদা চংলম্বা য়াই। মানা করিগীনো মপামদত অস্থুক য়াম্না লৈনিংলিবসি? সিনগীদি যুমদা চংলো ইমা-পাবুং লৈবা মুংঙাইরম্নরোই হায়না চংহনখিবনি। থাজদে। অদুবু থাজদে। মপামদা রাস য়াউহুনা, জগোইক লিংখৎলমগদবা মুপিনি। মাগী চক্রিসি পু-থাং ঙমবপোৎ নংতে। মসক্তবু ফজে হায়বনি। নংতে। তৌজিককালগী মুপি-সিংসিনা মাগী মাগী মুপা, মপামদা অস্থুক য়াম্না পুনিংলিবসি করিগীনো? মহাক-ঐহাক মতম কুইনা মুংসিনরবা' তুংদা মযুম পাল্লকপনি। অস্থুক কুইরব, মচা অমা-অনি সুরবসিদসু মহাক ঐগী যুমদা লৈনিংবগী মওং নোংমত উদরি। ঐবুসু থাদোক্লিংদবগুম তৌই। মানা খ্বাইদগী পামবদি ঐবু মাগী মমা মপাগী নাক্ত পুসিনহুনা হিংমিন্নবনি। ঐগীসু ইমা পাবুং লৈ হায়বসে মহাক খঙদ্রবা জাংলা? খঙলমগনি। খঙদ্রীদা। অদুগা কৈদোরবা? মীরা ঙাংনবা পাম্বী সিংদুগী মুংঙাইনবা ঐহাক মানা হায়বা ইলহোৌরসিরা?

ঙসিদি ইচিক চিকই। অহাংবা কাসিংসি য়েংবা ওইনা কোয়চং চংকদবা মঙাই। হেদ ক্লাকদি হায়রম্বনি। রথাম্বান্দোগুু কুম্নে তৌনি। ঐবু হৌবা লাকনি হায়না। কম্নাবু মুংঙাইরুগনো? মতম লেনকম লৈতবগী

অতুক য়েংলুগদবা মঙাই কুম্মৈদা থম্লায় মাওসিনব উমঙখা চহি মতাংসিদবু ? নত্রা ওইরিঙে কুম্মৈবু কুম্মৈ ওইনা য়েংবা উমুঙগী মানি। ওসিদি করিমু নংতবগুম উয়ে। থাজদনা কুম্মৈদু কয়াদা মুংঙাইগ্রবা ? কুম্মৈনা নংতৈ। থৌরানিদো ! চুং কিরাল চবি। মাগী সবান। থৌরানি। থৌরানি। কুম্মৈ য়েংগ্রবসু চহি অমা চাক চাদনা য়েংবা উমঙদবা মানবা মাগী ফজরবা সবান, অমদি মাংথোং. পতক ভৌবা মফি, মনুং মপালগী অর্থ থোইনা লৈতবা। মথুদা ঐগী অর্থ মা কয়র্বা ? থৌরানি। থৌরানি। থাতরক তরেৎ হেন্না মাগী মমিং তাবদা করিসু ভৌদ্রবা ঐঙোন্দা নোংমখক মাগী কুম্মৈ য়েংলুবনা অমুক থোইরাংহল্লিবা। করিগীমো ? লৈমদগী মানা করি অরমুক হেল্লিবা ?

ওসিদি থৌরানিগী পাউ পুবকপসে কয়াদা মুংঙাইরবা। মাগী মাথল থল্লুরবা অহাংবা মালংদা পাইবগুম ভৌই। লসিং মফোন্দা ইরোইবমুক মুংঙাই। সকথঙনভৈদগী মাগী মায়থোং উতুনতা লৈরিবসিনা করিগী ? মান্দোপ ময়াইদা মানা থুবাক ঈসৈ সকপগী মখোল। মখোলতুনা ঐগী থম্মোয়দা হায়উম সিঙমদনা করিগী থাররবা ? থল্লি লাকদবা জুলোনসিদা মাগী মায়থোং পেন্না য়েংবতনংতনা থুবাক মখোলসু পেন্না তারগে। থন্না থন্না জুলোনসু য়োরকখি। কুমসিমদি ঐসু বিসমুপুর দিসাত্রিকী মান্দোপ মসিং খিখিব্রা ? মসিমদি ঐহাক খঙদে। মহাক্না ঈসৈ সকখিবা মান্দোপ খুন্দিং ঐ মৌখিদবদি য়া খিদে।

উমল্লবতুদদি মাসু ঐবু সক খঙলকদজাংদি। নংতে, উমচতুনা নংতৈ। মহাক্না ঈসৈ লোয়র্তুনা থোরকপা খুদিংগী ঐনা, 'ঈসৈ য়াম্না মুংঙাইখ্রে' হেক্কা হেক হায়রবদো। অহানবদদি মহাক মোকফেৎ নোকফেৎ ভৌতুনা হেক হেক চৎলম্মী। কাইমথংদদি মাসু পাউখুল্লকই, 'তামৌনা থাগৎনীবসে ঐদি য়াম্না মুংঙাইজে।' মাগী কেরপ ভৌমা চিংবান হায়ফেৎ কাংজগা মোকপা মীনোক্কী পাউখুম। পাউখুমতুদা ঐগীনা অহিং খুদিংগী তুমথনবা

য়াখল। সিগী তুংদদি মাগী ঈসৈ সকফম মান্দোপ খুদিং ঐঙোন্দা তৎতনা তাক্লম্মী। ঐস্মু চৎলী। চুম্না চৎপা নৎতে, মাগী সাজৎ য়েংলিবনি। হৌজিকপু মসক ফজবা চিনবানা তথোৎপী মুপী সেন্নবীনবা য়াৎপ্রো ? মাগীস্মু লৈরম্মী। নহা মসক ফজবদগীনা, অহন সেনজাউ পায়বা হন্নুবা ফাওবা। মাগী য়নজিৎ, হেমস্তখোয়দো মসকস্মু ফজে। ময়লস্মু পায় হায়নৈ। মসাস্মু নহানি। মখোয়গা য়েংনক্লরবদি ঐদি হন্নুরবনি। ঐবু হন্দোকহৌবনা ফরিব্রা ? মাগী মতৌদুগা হায়রবদি হন্দোকপগী মহুৎ চঙসিনবনা হেন্না থৈ।

মমানদি ঐসে কয়া য়াদবা জাৎনি। পাউস্মু তাই, 'ইবেম্মা নত্তিক নপা চাদেনে। মচা লৈরবা হন্নুরবনে-হন্নুরবা। নংনা ফংগে হায়না ফংলবদা লুখাক চারগা তোক্লদবদা মঙাইরবা।' মমাগী য়াহৈদা মহাক করিস্মু খুমদে। পাউসি ইস্কাল য়োরমান্নে। থুনা তারমখ্রেদকো সৈত্যা। লৈমা মপামদা লৈবা কৈদোরবনো খঙদে, যুমদা লাক্লগা ইমাদা পাউ জাৎ-জাৎ তম্মী হায়না ইমানা চেথি ইরকই, 'নংবু অতুম্না তৌব্রনে ?' কন্নদি হায়-রক্কে। হায়রক্রোই হায়বস্মু খঙই। লৈমগী মতৌদো ইমাদি সাউবনা লোয়হৌরবনি। ময়ক ময়ক্তা মা ৺বা লৈ খঙন-খঙনা মমৌ থিবা চৎ-তোইনি হায়না মফি-মকে সেন্নকপদা অঙাংদোনা থেয়বা কয়া অমা য়াউখ্রবনি।

সোমদস্মু থোরানি। বামোন মীতৈ। কনানা করি হায়জিল্লিবনো খঙদে। মীনা থীনা হায়নবগী মত্তিক, লুংসিবস্মু অস্নুম হেল্লকই। পুন্সিগী ওইবা মুরুবা অমা লাকই। মখল মথাগী থৌদোক কয়া থোক্লকই'। কনবীনবা কয়া, থুগাইবীনবা মসীং য়াৎলক্কে। তোম্বা পিওন, থোরানিগী মচেসিং অমা লোই হায়ব্রা কৈনো, মাদি ঐগীদমক মতেঙ পাংগদবগী সেম-সাহুনা অতুম্মক লৈ। মসিমক্লস্মু ঐহাক পাঙল থোকথীবনী। পাউ শুমনক মঙোন্দা খঙহনখ্রগা লোয়রে। মমুঙ্গা উস্নসি, অত্তু তৌসি, পাউ

[illegible]। [illegible] [illegible] পুরগা [illegible] [illegible] [illegible] শুদক-শুদকা [illegible]...'

'খঙকৌনবা লৈমা' [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হেমজুগী পাম্বী মনিং নতুনা চৎখিবদগী পুক্কিংসি মথুম মথাং [illegible]। থেম্বীনবা [illegible] [illegible] চৎনমক্না [illegible]। [illegible] [illegible] থরদি পাকয়গনা ই লুপ্পিবদি লৈমত্থ অমুক্তা লোক্লক্তে। মওংমসদি কৈদৌ-রবনো পাখংপা অমা য়াওই।

'কৈদৌরে লৈমা ?'

'কৈমু তৌদে।'

'অহুবু তুম্মিন লৈরিবহুদি ?'

'ঐনা তুম্মিন লৈরগা নঙোন্দা কৈদৌজররে ? ঐ নৎতবা অতোপ-অতোপস্থ রাম্বী সাম্নবদি য়াম্না লৈমবদাইনে।'

'হোয়নে রাম্বী সাম্নবদুদি য়াম্না লৈনে। ঐখোয় অনি তাংনবগুম তাক্লবা য়াবদি অমৎতা হেক য়াউদেদনা।'

'য়া হরিরোই।'

'নংন্না হায়ম্বিবসিবু করিনো ?'

'[illegible] থঙলিম্নরক্লরোইয়ে মুক্কম খুদিং শাংলবনে শাংলবা, অঙাংক্কুম্না তাউরিম্নহুনা কৈদৌ দোইনো হক্লখংদা ?'

'[illegible] [illegible] অমা ... ।'

'[illegible] বাখল য়াওরক্লরো । খোয়নি [illegible] হেক্তা থঙথদ্রানি ।'

'[illegible] [illegible] লৈরম্লমসি থায়ুকনি য়ুমনা লৈরুরগা [illegible] পুরগা লাকপা হোনদে। ইমা পাবুংদি কমদোহোরি ? ইমা পাবুংগী [illegible] হংক্লভন্দি তুম্মিন লৈনিংলক্লনিদ্রে।'

'থওদে, ঐদি সিদা সুম লৈরনি হায়ম্বিবশিনি।'

সঙ্গম্ব্রদগী ৱাংমদা

হিয়াং কুইম্ন য়েংলমু, ৱাগে, হায়রবদি অহুম ৱাই। চুংঙাইগে থনবগী ৱাদি কনানা থঙলুগনি ? মহুনা অতোম্বা অমনি। নিংথম্বা থুদিংমক নিংথমথা নংতে। অৱাবা থুদিংমু মায়দে। থেক্লা-থোইনা চেল্লিবা তুরেলগী ঈচেল। তুরেল হায়বসিদা ঈচেলদি য়াওগ্রবনি। পুন্সি হায়বদা, অহিংবা অমা চেৎপ্রবনি। অদুবু অমুক্কমু পুন্সি হায়রগা অহিংবা অমগী ৱারী ইরি।

'ইবুংঙো, করি হায়থিসি হায়বগে ?

'করিনো হায়থিগদবসিবু ? মহৌসাগী মহৌসা অমুম্মক হায়থিবা য়াগ্রা ?'

'অদুম চুপীসিনদি ... ... ।'

'উম ! মহাক তসেংনা অরুবা থবক অমগীদমক লাকপা ওইরমল-গনি।' ৱাথল থল্লি। লাইরিক্লা থম্মা নৈরবা কাহুদা। চুথেক অমদগী চুথেক অমা চৎতুনা। সেংজিবা মুমিৎদাং তুমগী ফুরিৎতুনা জোন-জোন। য়েংবদা পুন্সিগী নীংঙমদবা অমা লৈবগুম উই। করম্বা নিংঙদবা, অদুক চুংঙাইনা পুন্সিগী চঙগদবা মচাক পুদ্বা অমৎত ৱাৎতবগুম উরবা মঙোন্দা ? অমদি নৈরম্বা তাম্ন।

'ইবুংঙো কমদৌসি হায়বগে ?'

'মরমবু করিগীনি হায়বগে ?' মহাকী ৱাহংসিদা [illegible] ৱাহং অমা।

'করিগুম্বা অমৎত নিংশিংলক্কে। ইবুংঙো উমনিং[illegible]নি মহাকা হায়দিবা।'

'কয়ে।' হায়রিবমক্তদা ইমাংদা লেপ্লে। অহুক্তৈ ময়হোৌশগী অরুম্নানী। থোইনা সকক্তম কায়রমজি। হোংলগা হায়বনু। ময়াং খজিক কংসল্লত্রা? মহুম্মু ময়হোৌশা উখিবা ফজরহুদগী করিমু তাথবা নংতে। চহিগী তাঙ্কনা ননবগী নত্রপা সাগে হোংলবী কনাগী ওইকম থোকপগুম উই। মমাংগৈ উখিবা মংংদগী থরা হেন্ন মতান তাবিংগ উবসিনা মহাকী ফজবহু থরা হেম্না মপুম কাহনবংগ তৌই।

'অদামদা ঐগীসি কন্নিংগ্না অমংতা ... .. ।'

ওসিদি মহাক য়াম্না তুকথরবংগম হায়রকই। অহুক্তৈদদি মহাক করি অমংতা কোইন্নমদে। অম্নদি কয়াদা ইচং থৌরমত্রবা। ওসিগী অহোংবা অসিনা মহাক য়াম্না সোকহল্লে। মতম্মতুদদি মহাক ঐহাক মমিং ইমিং কৌনরম্বনি। অতুমকপু ঐনা হংলুরি, 'অরুনা নহাক য়াম্না হোংলম্লেনা।' মহাক লৈরম্বা মওংদগী খজিক লুকথখি। করিগী হোংলোই? অহুক্তৈগী রাখল কয়া অমা নাথৈরম্লগা মহাক তোঙাম্লবা সক্তম অমা লাম্না চংথ্রবনি। সক্তমহুদা চেন্নরম্বা পুন্সিগী মুরতি খুদিংমক মচেং-মচেং কাইথখিহুনা অমুক মেন-সিনবা য়াবহু নংতে। পুন্নমক পুমথু খুগাইথ্রবা মুরতিহুনি। সুপ্নতগী মুরতি অমতমক লৈরম্মী খণ্ডহোৌবা নংত্তনা খল্লোয়দা করিহগ্না সক্রোন অমংতম্নু লৈহৌত্রবা। লৈহৌরিবা লীংসিংবা: মহাকহু খল্লোয়দা চৈনা লৌকরীবা: মসিহু পুন্সিনি। পুন্সি হায়বসিমক অঙকপা মখলগী কলা অমনি।

'হৌগ্রক পুন্সিগী চংত্রবা ইতিহাস: লৈতিহাসসিনা তংতনা পনথে ওইহুনা মরক মথৈ, লৌকিক হিংত্রিবা পুন্সিসিদা। পুন্সিবু আর্থ অমা ওইনা উহনমদবগী অতৌপা লৈতনা চিংদি, ময়হোৌশা ওইব সক্রোন কয়া অমা থুগাইহুনা। সিনুনি ঐনা পুন্সিবু কলা অমগুম চাংদমন্নিংলিবা। পুন্সিনা কলা ওইবা তারবা, কলাদি পুন্সিগী করি ওইগনি। নংতে, নাকল অম-রোমদা চংবিগদৌরে। ঐনা গ্যান তাঁরকপদ মহাক মমিং সুংকুপ কুপ্তবমথে

ঐবু য়েংহুনা লৈরম্মে। ঐগী লৈরম্লিবা ফিভম পুম্নমক লাকসিল্লগা, 'ঙসিদি নহাক্কী করি অমমুক ৱাংলে ?'

মহাক ঐগী ৱাহংসিদা মমায় হংগংগা ঙমদনা, শীহুৱকদোৱবা পিরাংগা লোইননা, তপ্পা-সোম্বাংননা শাউথুম পীরকই, 'মীওইবদু ৱাংঙবা লৈত্রা ?'

'নংন্থু মতুমদি থঙত্রা ?' ৱাহংসিমক ঐহাক মঙোন্দা অপান্ননা হংনীংলম্বনি। হংবদি ঙমখিদে। পুন্সিগী নীংঙমদবা অমনা কোইনা সন্দোক্লবা ৱাহং অমহেম পেনজদবগী ইথিল অমনা ঐঙোন্দা করেম্মে। পুন্সিবু পুন্সিসিংনা মীমমখিবা কয়াদো ময়েক সেংনা উরকই।

মতমদো মহাক ঐহাক মরি অমদি লৈনখি হায়বা তাই। করম্বা মবিনো হায়বদি ঐহাক হায়বা ঙমদে। মরী লৈনখি হায়বদগী চিনবানসে করিংগুম্বা অমা তোরে। তোবদি মহাক-ঐহাক তংতনা লোয়নখি। চীক্লবা কয়াগী মফমদা মহাক-ঐহাক্কী ৱারী। থম্মোয়-থম্মোয়দা লৈবা অকনবা লীপুন অমনা পুনবগুম তোই।

'ঙরাং লাক্লবদি কৈদ্রোরে ?'

'করিনো অমা চৎথোক্লরবা।'

'করিনো হায়ববু করিনো ?'

'থবক্লিবাহ।' মহাক সাউরগা পেনজদনা থুম্নকই।

'হোইদা সংসারসিদি থবক্কী থবক ঙাক্তনি। থবক নৎতবা পুন্সি মহিংবু লৈত্রা ?' ঐন্থু নীংঙমদনা খুমখি।

'নংনা হায়বা ৱাহৈ করাসে ঐবু থাজদবগী ৱা ঙাক্ত . ।'

'পুম্নমক্কসি নহাকপু থাজবগী হায়রম্লীবনি। করিংগুম্বা ঐনা-নাবু থাজরমদবা থোক্লবদি অসিংহ্নবা করাসে হায়রমখিগদ্রা ?'

'থাজবগী ৱাঙাংলুপ্পা অসিংনবা অমা য়াওরিবনি[illegible]'

'লৌসি[illegible] ৱাযমদি নৎতেকো।' ঐহাক্কা তপ্প হায়খি।

'লৌসিন্নবা হায়বস্তু ওইরম্মোয় ।' মহাক থাজদনা য়াম্না থুনা থুমকই ।

'হোয় । থম্মোয় থম্মোয়গী য়া হায়বছ্নি ।' ঐস্থু মাগী য়াহৈহুদা মথা তাখি । অসিগুম্বা কয়ানি, লোয়বা নাইবা নংত্তে । মতমহুদা ঐখোয় অনি অমনা অমদা সাউনবস্থু লৈখিদে । নংত্তে লৈখি । ভরাং সাউনৈ । ওসি নোকমাইম্নে । সাউনরবা খুদিংগী কল, হেম্না নুংসিনবা থুন্দ অমা । খুদম কয়াহুনা, থম্মোয়বু থম্মোয়দা খুপচান্নবা থম্মী । অমনা অমবু থাদোকপা ওন্ত্রোইদবগুম উই ।

অমুকস্থু খল্লি । মহাক্না ঐবু নুংসিরমগন্রা ? মহাক্তি অচাওরমগী রাখল মরক মরক্তা লামসিনবগুম তৌই । ঐদি সুপ্পতগী মতম লেম্লবা পুল্লিনি । মসিনস্থু ঐগী অপেনবনি । হিংরা য়াবগী সক্কমহুতং লৈরবা ঐ করি অমংতা তৌদ্রবস্থু হিংবা ওমগনি । ঐগী য়েক্লিবা লাই কয়াসে মপুম ফানা মথা সমথহোরগা লোয়রে । অনৌবা লাইসিংসিগী মসক্না মথল্লাই পান্দুনা চেখাংথকসিদগী চোংথোকহনবা ওহ্রবা সংসারসিদা ঐগী অপাম্বা লোয়রে । হুম ! নংত্তে । লোয়রি । ঐগী অরুনা রাংলি । অরুনাগী চাওরবা মফম অমা ঐগী কেনভাসতা মমি তারি । মমীসিমক লোথোকখিবা মীকুপ্তা ইহাং হাংলবা মফম অমা ওইহৌরগনি । অমদি লায়-সিংসিমক য়েক্লবগী আধ লৈররোই । লাইসিংসিগী অসেংবা থম্মোয়দি, মাগী চন্নবা থম্মোয়না চন্নকপা থম্মোয়গী পাউথোক কয়া ঐগী থম্মোয়না খুম-ওমদ্রবা পাউখুম কয়ানি ।

মানদি ঐবু অচৌবা লাইয়েকপা অমা ওইবগ লোয়ননা সরকারগী অচৌবা লোয়সং অমদা থবক চাওনা তৌহন্নি হই । ঐনা ঐগী হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদগী লেংবা পামদে । লৈথোক্লবা, ইসা-ইথক্ত ইংনা কনাগীস্থু ইথীল চংদনা হীংবা পাম্মী । থেম্ভ্রবা অনিগী তাইবংপান, নক্কপ্রবা খুংসেম অমগী মরিনা ফাজিন্দুনা থম্মী । কয়াম কুইনা থম্বা ওমগদগে ? মসিমদি কনানস্থু হায়বা ওন্নোয় । নক্কহুনতা লৈরে হায়না লোকইবা ঐহাকস্থু হায়বা ওমখিদে ।

ভমখিদুনভুন্নক চুমখি। পুজিনা লাকদবা, চংখিগদবা কয়াগী ম.গৈদা মতুংদু লেপতুনা অমুক্তক চংখি। লাক্কপী হায়বছুদি ওগীসু কাউদরি। করাগুম্বনা মরিব কাউহনবা ভমখিগম্বা ? কনানসু উত্তোয়। চংখিবগী সু খিংবা ভমখিদে ? চুখি থুমনা-থুডুনা ঐহাক য়েংলুনা লৈবা তাখি। চংখী-মতুমক মীৎ কুম্ব, থিমাং সিন্থনা য়েংবা তাখী। পিরাংসিংচুগী কাম্ববসিবু করিনো ? কামবা। কামবা। মসিগী কামবা ঐহাক খণ্ডদে। খণ্ডগে হায়নসু হানখিদে। হুরেংনা ঐহাক খণ্ডদবনী। মীওইবগী ফুংসিনবনা ইসাগী কাম্ববদা, হেক্কা মরুং তনজিলা পুখিনি হায়বসে ঐহাক থাজদে।

'ওসিদি নহাক রাজা নিংবা থুংত্রবীগুম উই। তসেংনা নহাক করি তৌরবগে ?' মহাক ঐগী রাহুংছ করিশু তাত্রবী অমগুম অঙুম তুমিন কমী। মহাক অমা ল্যাক্রি হায়বগী রাথলদা কনাগুম্বা অমা ময়াংদা লৈত্তু না রারী ম্যারি, হায়বগে মহাক কাউরম্লে। মাগী অতুগুম্বা মওংতুনা ঐবুসু অমুকা, হেক্কা কুংসুক-মুংক্কামুহন্নে। ঐহাক মহাকা করম্বা রারী সাগদবনো হায়ব খণ্ডদে। অতুবু অচিকপবু প্যামদতুনা ঐনা ৺মুক রা হায়গে হেক তৌবগা মহাক্কা হায়রকই, 'ঐহাক নংগা রারী অমদি স্যামনিংবনি। সান্নগে থরা, তংত্রনসু হাকুমি। করিগুম্বা তুমিং অমংতদসু মতুগী কাম্ববদি ঐহাক খণ্ডখিদে। কাম্ববা ডাক্তা খিবা য়াদবা পুন্সিসিদা ঐহাক হনথীবা তাই, ঐহাক্কী অপাম্বা করিনো হায়বা অসুম খণ্ডজদম্ম। অতুগা অমুংগুম্বা খণ্ড-নবীকনা কয়াকুপী রারীমদা নংনা করিগীদমক্ত ঐত্রামদগী কেমিবনো হায়বা হাহংলিমদি ঐনী খণ্ডনিংবা মমক্ দা তংতনা হাপচিনকপগুম্ব তোই।'

'মহু মতুমক হৌরবা হাক্তনি। মরে, ওন্নিদি নুংনা ইকমদগী খণ্ড-নিংবা মতুমক ঐনা খণ্ডজরা, ওইরগদি পুমমক চিংথনা তক্কনু। করম্বা রারী অমদি হাহংলো নংনা ঐত্রোন্দা লৌত্রৌনা রাকংকদৌরিবা ?' মাগী অহু ওম্বা মওংতুনা ঐনী নিঙ্গয়ে তৌরবা পীরাংসিংত্ত থাম্না-থাম্না ঐনা হায়খি।

'ঐনীসে রাকংপদি মংতে। অতুগা রাকংতে হায়কম্ব হায়রোই।' মহাক মাগী মমীং অনিত্ত লৈথাদা য়েংতুনা হায়রকই। 'নংগী মতম অমদা

ঐহাক অসিবু নংগী চুংসিবী অমমি হায়না লৌরম্মী। ওসিদি ঐহাক অসিমক অতোপ্পা কনাগুম্বা অমগী ওইগ্রে থম্মা ইম্বোকপীরবা নত্রো ? ঐ খঙই। ঐগী মুথসিবদি ঐখোয়মক ওইগদবনি। অদুমদি ওইরবদা ঐগা চুংসিনরিবা মহাক অদুমক ঐগী ওইহ্রকদ্রু ঐহাক মহাক অদুবুদি চুংসিবা ঙমগনি। নংদি মসি ওল্লোয়দবা নংত্রা ? মসুতা মৎতন মতম অমদা ঐহাক অরুনা ওইরম্লবস্তু ওসিদি ঐহাক মতমচুংগী অরুনা নত্রে। নত্তে, মতমচুংগী অরুনা ওইরিব্রা ?' ঐহাক মাগী মাহংগী পাউথুম খুম্বা ঙমদনা তুমিন লৈখী। মহাক ঐখোয় অনিগী অচিকপত্থ ডাইহাক য়েংলগা মথা তারকই, 'নংনা ঙনমক ঐবু মহৌশাগী অরুনা ওইহনবা ঙমদ্রবস্তু ইসানদি কৈদৌঙৈ হোংদোকচবা ঙমহনদ্রে। ঐদি মচৌসা নংগী কলা উরগা পেনজবা ঐহাকসে ওসিস্তু পেনজবা ঙম্মি। নংগী অয়েকপা লাই ঙমানা ঐবু তৎতনা কৌরি। অদুবু নংনদি কয়াদা তমথিন্না ঐবু ইম্বোকপীরিবা ?' রাহৈসিংসিমক হায়বদা মহাক কয়াম চুংঙাইত্রবনো খঙদে, অত্তৎপা লৈতনা মপী সস্থরকই। মহাক তারক্লিবা মপিসিংদু তৈথোক তৈথোক্লা মথা তারকই, 'ঐনা হায়রিবসে, ইম্বোকপীরবা ঐবু লৌসনবীমু হায়বদি নত্তে। লৌসনবীবস্তু য়ারয়োই। ঐ খঙই। ঐ সাগৈ মোংলবীনী।' রাহৈসিং-সিমক হায়বদা, মহাক লকক তৌনা হায়খি। অদুগুম্লবা তানজাদু লৌরহনা ঐনা খুমখি, 'মদুমক্লনি, ঐনা নংবু ...।' রাহৈসিংসি হায়রুবদা ঐহাক য়াম্না নীংঙমলকখিদে। লোইসিনবা ঙমদনা তোকখি।

'নহাক করিগী ঐঙোন্দগী লোংলিবনো ? ঐগা রারী শায়বসে নহাক মুকপাম পামদ্রব্রা ?' মহাক ঐগী রাহৈ অমৎতা তাদ্রবগুম রাহং অসিমক হংলকই। লোয়ননা মথা তারকই, 'ঐস্নু খঙবী। নংনা ঐবু ঙাকপিবা ঙমদ্রে হায়বা। ইরালচুবুদি অদুকী মতিক চাওরমগনি। চাও-ক্লমস্তু থোকই। ভুসাক্লা ইসাবুস্তু ঙাকপিয়া ঙমজদে। অদুবু অসিমদি খঙজ্ঞ। ইরালসিংদুমক নফমদা লংঙগে থম্মা লংজখিবা ইরালদি নত্তে।

ঐহাক লানম্নু লাল্লীংখীদে। পুন্সিদা নকমদা লান্‌গে খনখীবা মীকুপ অমতং হেক ঐগী য়াওগ্রবা ঐ ওসি মালেমসিদ . ।'

'তোল্লো মচু পুম্নমক হৌগ্রবা ওাক্তনি।' মাগী কপ্পা কপ্পা ভাংবা রাওাংচুগী মরক খাইনা ঐনা হায়খি।

'অচুবু ঐ য়াম্না পেনখীদে। নংগী নতৌসিমক ঐহাক য়াম্না পেন্দে। পেন্দবসিমক পুন্সিদা কোক্কদবা মাল্লে। নংনা ঐগী ইরমদা তোঙাল্লা খঙখীবা কয়াদো কোকহনবা ওমদনা ঐহাক চংখিবা তারিমাল্লে।' রাহৈ-সিংসি হায়রম্লগা মহাক মপি তানা তপ্প তপ্পঃ চংখি। ঐম্ব ইরা চেল্লবা ইমীংসিনা মাবু থাম্বা ওমদনা অসুম য়েংচুনা লৈহৌই। করিশ্বু হায়বা নংহৌদ্রিঙৈ মহাক অসুম চংখি। অমম্বুং লোয়খি। পুম্নমকসি রাবীদা তারবনি।

পুম্নমকসিনা পুম্নমক ওইরবম্ব অহৌবা মতমচুদদি কয়াদা মুংঙাইগ্রবা। হায়নিংঙাই লৈত্রবা পুন্সিগী মুংঙাইবা মমুংঙাই অমা ঐহাক ফংই। মুমীংতু ঐহাক ঐথোয়গী মথাথংব থোংনাউচুমক হাংদোক্লনা মাংদা উরিবা মহৌসাগী ফজবসিংচুমক য়েংচুনা করিহম্বা থরা য়েক্কে থল্লা লৈরি। কয়াদা ফজগ্রবা মুমিংতুগী সক্তমদো। পৃথ্রী মপানগী লৈ-মুনা কোয়-সিল্লবা মকমচুদা, তারমদাই মুমিংকী ওাংলৈনরব মচুনা য়েবদা, সাং-কায়রবা মচু কয়াগী লৈসিংনা মসাগী মচুগী তোঙাল্লবা মচু অমা .. । মচুতা নংত্তন ঈসিংদগী থক্তোরকপা মচুনা ঐগী কেনভসতা য়েরবা মঙাল। মঙালসিংচু ওসিম্ব কোক্তরি। অচুংচুবা রাথজ কয়াগা লোয়ননা লৈরিঙৈ, মহাক লাকখি ইনাক্তা। মতমচুদা ঐগী থুরাসে য়াম্না কল্লা অহন ওইত্রি। মহাক ঐঙোন্দা পাউদয়ে, 'ইবুংঙো নংবু উম্ননীংই হায়চুনা মুগীমচা অমা লাকই।" মতমচুদা ঐগী হান্না লৈরম্বা মঙ পুম্নমক কায়খি।

'কদাইরাইদ লৈহৌম্বগে?' ঐনা ঙাইহাক মুমীনা লৈক্তরবা তুংদা তপ্পা হংখী।

'নংগী মী কমফমী হায়রহুনা তৌরিবা মওং অহুদা লৈহৌবনি।' রাহৈ-সিংসি হায়রমুগা মহাক চৎখ্রে। ঐনা খোল্লকপদা মহাক ঙইরম্মী। মতম-হুনদি মহাক খঙনবদি লায়রহুনা সকল্লু নোংমত্ত উন্নথীজ্রি। কয়াদা পকচনা অমদি চন্না লৈরম্নে। মাগী ইন্নীবা ফীহুগা, পাতক তৌরবা সবাল্লুনা ঙাংলৈনরবা মচুহুগী পকসিন্ননা। ঐনা মনাক্কা হেক য়ৌবগা হংখি, 'করি তাকপীগদবা ?

'করিস্ত্র থোইদোকপা নংতে। অদোমগী লাই অমৎতা ঐঙোন্দা পীবীদবা য়াদে।' মাগী রাহৈহুদা ঐহাক খম থেংনা ঙকপা অমা ফাওখি। লমসিদবু মুপীনা আর্তকী মগুন খঙলক্লব্রা ? ঙক্কা-ঙক্কা হংখি, 'করিগী হইরবনো ?'

'চুন্না মুম থেৎচিংহুনা তৌবনি।'

ঐনা ঐগী লাই কয়া অমা পুথোক্কুনা মাগী অপাম্বহুমক খলহনখী। মহাক মাগী খ্বাইদগী পাম্বা লাইসিংহু খংবগা জোংইননা, লাইসিংসিগী মমল কয়ানো ?' হায়না কয়াদা পামজনা হংলকখিবা।

'থোইদোকপা মমল লৈজদে।' মাগী রাহংহুদা ঐ তম্না (থুনা) পাউ-থুম পীখী। ঐগী পাউথুমহুদা মহাক ঐঙোন্দা চঙক্লনা য়েংলকখী। অমস্তুং নীংঙমদনা মথা তারকই, অদোমগী মরমদা ঐহাক হান্না তাজহুনা মফম-সিদা লাকচবনি। মতম কয়া অমা চংনা অদোমগী থোঙগল লীজরকপনি। পুন্নমকসি অরেম্বা তাহনবীগদৌরিব্রা ?'

মমলগী রাদি অরাইবনি। অদোম্না ঐবু কংননবা থিরক্লপসিনি খ্বাইদগী লুন্নীবা। অদোমগী অপাম্বা লাইসিংহুমক খনবীয়ু।' ঐগী রাহৈসিদা মহাকী হান্না লৈরম্বা চঙক্লবহুমদি কোকখ্রে হায়ববু, লায়সিং-হুমক খন্দুনা লোবা ঙমদবগী মওংদা থাংদোক্ল থাংজিন তৌহুনা লৈরে।

'কৈদৌরে অদোম লাইসিংহুমক অপাম্না অমৎতা য়াওজ্রব্রা ?' মাগী মওংহুমক খঙলহুনা ঐনা হংখী। রাহংসিগী পাউথুম মহাক তম্লপনা

থুক্কই, 'ঙসিদি অপাম্বা পুম্নমক চুথিবা য়াই। অহুম ওইনমক মতুংদদি ঐ অমুক হায়রবা ঙমগনি খাক্তদে।'

'করিগী ওয়োইনৌগদবা? ঐনা য়েক্লিবা লাইসিংসে ইসা ইথন্তুগী ওইহনা অয়েম্বদা থাংহন্নবা নথতে। অপাম্বা কয়াগী থম্মোয়দা অতম কুইরুগী তুংগুনা লৈহৌনবা, লাইসিংসিনা' পুন্সিগা পুন্সিগগী মরক্তা কাওনবা মরি সেম্বহনী ঐনা খ্বাইদগী পাম্নীবা।' ঐগী বাহৈ-সিদা মহাক করি খল্ল-কনো থওদে. মতম কনা কুইনা মহাক তুমীন লৈথি। কনানসু য়া ঙাংন-খীদে। কুইরবা তুংদা অচিকপহু থুগাইরহনা, 'লাইসিংসিগী মসকা পুন্সিগা মরি লৈনব্রা?' মহাক করিনো অমা খল্লমাল্লে। য়াহং অমমুক হল্লক্লে।

'করিগী লৈনরোই? পুন্সিগা লাইসিংসিগা লৈনবা মরীহুনা হেন্না নকসিন্নবা মরি অমদা পুবা কয়াহুবুনি কলাকারগী অসেংবা পুন্সি। কলা-কার কয়াগী অসেংবা সকম থওহুনা মচেৎ ওইবা মীৎয়েংদা পুসিন্দুন। অয়েকপা কয়াদগী লাপথোকপা ঙমজবা কয়াহুবু করম্না মরি লৈনরোই-দোরিবনো? পুন্সিদি হীরম কয়াগী থুংথাংদা মমী তারিবা মিংসেনওম্বনি। মীংসেনহুদা অফবা-ফংতবা কয়া অমগী মৈহৌরোন্দা তাংহনা লৈরি। পুম্নমকসিদা খ্বাইদগী লুরিবদি পুক্লিংনি। পুক্লিংগী অরোইবা লাম্বেংগী পরেংদা মীগা মীগগী মরক্তা অমগা অমগা ফাউননবা হোৎনবনা কলাকারগী অসেংবা পান্দম্নি। অমসুং কলাহুগী সক্তম্না মাগী নক্লবদা লৈরিবা কয়াহুদা পীরিবা পাউজেনসিংহুনি।' ঐগী বাহৈসিদা চীক্লম্বদগী থরা হেন্না চীক্লম্মী।

অহুম্না কনা কুইনা য়ামী সাম্নরবা মতুংদা মহাক মানা খ্বাইদগী পামজবা লাই অমা পুহনা চৎখি। হুম্নিৎসিগী মতুংদদি মহাক মরক মরক্তা হেক হেক লাকই। পুন্সিগী ওইবা য়ামী কয়া সারে। হৌগ্রবা লাকদরা হিরম কয়াদা পুন্সিন্দুনা ঐগী কেনভাসতা মাগী চাওরবা মরী অমা থম্মী। লাই য়েককমতগী ওইনা সাথিবা মকমনিদা মা-ঐগী ঈসৈ লককম ওইহনখী। থম্মোয়না পানবা ঙম্মদা, পুক্লিংনা মরাই হাপখি।

কলাকার অমগা কলাম্ পামজবী কনাওবী অমগা লৈনবা মরীদগী ভোতান-লবা মরী অমা লৈনরকই। অচুম্বরবা মরীগী মতুংদি, থুমোয়্জনা থংগনি, অঙাঙ্দি থমোয়্জনা য়াদি লাম্লনবা অচুম্বরকা মরী, মরুদি।

থজবশিংনা ঐগী মুখনা তাক লাকী মালংকা কয়াদো ফোঙ্দোকনে। ঐগী মুখদগী নংনা লৈবা তীংবাগী অচিকপা লমছুম, লমুক নুমহাংগী ইংনবা মাংলবা খীরি-নীরি খীংগা মকম কয়ামা কোয়বা ফোঙ্নরে। খোইরবা রাতাং ভোকনা লোখুম-লৌকোম লৈনদা মুংথাইরম্লা রাম্রী। য়াম্রীশিংমুদি হেম্না মুংতাইবা অমমুক লংনাবশিংদা লৈজিবা?, কয়াদা মুংক্লাইরুবা? মুংতাইরিবতে থজবমুদা অথোবা হায়বদো কখিনো হায়রা ঐহাক থংখিদে। য়াই হায়নরিবশিংবু কদায়দা লৈজিবা? ১নংতে, নোংমথংমুদি তথি। চীংয়াগী মাংলবা অথীদা মরীল লেমাক লোংহুবা মুনাঙ্বা থনদা ইন্নুনা চংলক্না মুখীমচাহ্মীমমক। থমক মতো মংবোঙ্নী। খোংবদা পুক্তিং মুংশিবা অমা য়াওই। মহা য়েংনুরক ঐথাজ্জবা হায়খি, কয়াদা য়ুরাইবক থীরবী মুখীমচানো? মহাক ওইবগী মুংতাইবা পুবা মরাইবক লোমশিনবীথুবা হায়বহুনি।' অহুম্ কম্বিদি উপাই লৈ, লাইখক্না ত্তাইরম্বরা নংতনা?'

'থাসী হোনবী, মীগী অমুক বাবীবা, ফোরক্কে।'

'অদি নংগীথমক থরুম্না অমুমক, লৈত্র্ন?'

'লৈতনি। নংঙ্গারশিংদা মথোয়্গুম্বী বাগে হায়রবদি য়াবত্রে। নোংমতম্ নোকপা ফংলোর।' মহাক থুনা থুম্কখি।

'অহুম্, খীখুংদি পোক্তুবা, খীচুদি খী মংত্ত।'

'খীহুংদি মায়া থজবা খীনিকো। মুংশিজাও।' মহাক থাহেংশিংদি লোয়নবা কেনা কোনককই। 'মুংশিজাও। ঐহাক সাওনিংবা অমা য়াওনা মখোংদা পুনাকা তথা থাকই।

"মুং-সাদি য়াওনবনি।"

"কেনোবনী য়াওরোইদৌরিবা?" য়াওনি। "থৌজিক্নী লম হেৎনী-থদিংদি য়াককহৌরবদি হৈকেথাই মুখা-মাজা থাককনি।'

"মায়া কুপ্পবাদি ঐবু কাংলে ?"

হায়রী [illegible] তুপী পুন্সিগী মুকসংবা কাংলায় হাওরি। পুন্সক নংতৌ, হিংলিবা পুন্সিসিংগী [illegible] লৈবাক্তা [illegible] পাংখি। পুন্সকসি অদুগা [illegible] ঐহাক ওসিতা [illegible]। [illegible] হেক হেক ওংসি [illegible] থৌমিক [illegible] কয়া। [illegible] পেল্লা কায়ি। [illegible] নংতৌ পুন্সিগা [illegible] কয়ানা [illegible] কয়িবা ? [illegible]। [illegible] নীং- সিংবু নংতে পাপর্ড়ি। হাঁখিবা থৌদোক্কী [illegible] কাইহৌরিবা কয়াহুনি অদোংবা পাল।

কনা কুইনা ঈপুগী তৌরবা মতুং, মহাক খাজ [illegible] চানুবী হায়বা ঐহাক পাঁও তারে। মহাক [illegible] এহোয়া লৈংবা হায়খি। মতমদুদা ঐনা খুমখি, "অদুদি মহাক [illegible]। কুরি অমযুক হাংলি ?"

'পুন্সিংলগে হায়বা নংতে। ঐখোয়গীগী [illegible] [illegible] ।'

মহাক পেন্নি পেন্নি খুম্লকই।

"অদুবু মখা মপাগী অসী পুন্সিইবসে [illegible] ওইবা ঐখোয়গী ইথোরা ?"

ওসিদি মহাক হাওরবদি ঐহাক হিংবা ওসনি থাজরুরে।'

'থাজদবদরা ?'

'[illegible] ঐহাক হিংবা চল্লোই। ঐসেংবুমি লৌতবনি। ইমতি [illegible] [illegible] ঐহাক [illegible] হিংগনবনো [illegible]।'

'অরুনা নংসে পুন্সিং মায়া পীকখৎলমায়ে।

'চাওখোকপনু ওবদে। ঐসু [illegible] ঐগী পুন্সিংদে মায়া পীক- [illegible] [illegible] [illegible] পীকপুলকই। [illegible] পুন্সিং [illegible] গনি। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] চল্লোই।"

'[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]?'

'চাংদমবদি নংতে। ইমাগী হায়া লোক্কে। মা [illegible] ঐ মুখ [illegible] [illegible] [illegible]'

'মচুপী রাবন [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।'
'[illegible] [illegible] [illegible]?'
'সংসারসিংদগি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]?'
'অদুবু ঐহাক নংবুদি [illegible] [illegible]'
'ঐবু [illegible] হায়বা [illegible]?'

[illegible] ঐখোয়গী অনি কাইরক্লবা মাদি। ঐ নংগা [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ঐ হায়া [illegible] [illegible]- গদবনি।' মাগী হায়হেনদা ঐহাক [illegible] [illegible]। মচুতা নংক্লবা, ঐখোয়গী কাপ্পনবা [illegible] হায়বসে ঐহাকপু থাজবা [illegible]। থাজদবগী [illegible] [illegible] নংতে। মাগী [illegible] ঐবু পুম্নমক [illegible]। অদুবু [illegible] মীওইবনা [illegible] [illegible] মকক থুদিং সম্বা [illegible]। মাগী [illegible] অহক্কী মতিক লাইদে। [illegible]- [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] নকনা নকরি হায়বা কাউথোক্লে। ঐহাকী [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] মতোইননা [illegible] মীওইবগী পুক্নিংসে মথক মথা [illegible] [illegible] হায়বসে ঐহাক [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মথক মথা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হোৎবা তাকে [illegible] ঐহাক [illegible] [illegible] ঐগী [illegible] [illegible] [illegible]? [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]? [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]? [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। '[illegible] [illegible]

পোক্কে।' [illegible] হেয়া [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

মতমসিদা ইদোম অচিকপাবা লৈবা পান্নরক্লে। অমা উম্না [illegible] থংম্বার লেইরা, [illegible] [illegible] নীংঙমদবগী পাউথাং থাদুনা খোঙাম্ব পেম্না কপচনবা অচিকপাবা ইরোম, তোঙনা, লৈবা, পান্নকলে। মতমদুদা মহাক তোইনা থেংনৈ, মাগী [illegible]-[illegible] কমদুনা চীংগী চীংচেংডা কনাগুম্বা অমনা হেক-হেক [illegible]। কমিগুম্বা খুনিং অমংতদুদি মাগী পান্নরক্লে। [illegible] ইথত থওটে। খুনিংদুদি মদোম কনাম্বু য়াংদনা লৈরগী। ঐনু মহোসা নীংঙমদবা পুবা পুদুনা চীংগী চীংচেংডা লৈবা লৈক্লেম্ব মাখবা চীংমাম্না ওমা চংনিংলে মহাক থেংনৈ। ঐহাক হেক চিবগা মহাক থজিক নোক্লকই। ঐনু নোকখি। [illegible] থমা, 'ভনিদি নত্তোমবডা ভাইজক্লনা।' ঐনা হংখি।

'খুনিং খুনিংগী সিদা হুম হেক্লুনা লৈবগি খুংডাইহক্লে। মক্ম অমা লোংসিন্না হায়দুনা মহাক অত্তোমা মক্ম অমা থিবা চংখ্রি। অদোমগি থোইনা খুংজাইতবা মাখি। কদি তৌরে?' মহাক ঐগী মাহংগী পাউখুমগা কোম্লনা মাহং অমা হাল্লকই। মসেংনু মহাক মীগী মায়থোং য়েংদুনা মা তাংবা লৈবা তাংখি।

'মীওইবগি [illegible] খুংজাইবা [illegible] মাথক্লেরা।' ঐনু খুমখি।

'অদুনু মাই হায়নবি কনাম্বু হায়নলে।'

'মাই হায়নবি [illegible] [illegible] [illegible]।'

'খুংডাই হায়রবি [illegible] [illegible]?' মাগী মাইহেনসিদা ঐহাক থজিক নোক্লুনা লৈরে। কনিম্বু [illegible]? খুমকমম্বু [illegible]! অদুবা খুনিং-সিদি কনিম্বু লোয়নাবা ইরাম হায়দুনা [illegible] [illegible]। কনিগী [illegible] [illegible] [illegible] মাদি লাইরে। [illegible] ঐখোয়নি কোম্লবকা অমম্বুং চৌদিনা খুনিং লানসিম্বুনা মাগী মায়ুমা কৌরকই।

'ঐদি মুপীসিংসে কয়া থাজদে। মখোয়দি তসেংনা মীওইববু চংহাং-হাংপা ঙম্বীনি।'

'অদোমদা করম্না মুপিনা করি তৌরম্বগে?'

মাগী রাহংসিদা ঐনা হৌখিবা পুন্সিগী রারী কয়াদো মথং-মথং লৌখী। অমদি হায়খী, 'মহাক মসানা য়ানা লুহোংখী। খ্বাইদগী ঙম্লবা অমনা, লুহোংবগী মুমীৎতুমক ঐগীসু মরক য়াওরবগুম বাতোন অমগা লোয়নননা চেথি অমসু পীরকখি। থৌদোক্তো ঐগী পুন্সিদা খ্বাইদগী নীং-ঙমদবা অমগা লোয়নননা ঐগী থম্মোয়সে মচেৎ তারবগুম নিংখি। ঙসিসু তারি। ক্বাইসিনরা ঙমদ্রি। পুন্সিসিদদি হায়রগী পুন্সিদুমক অমুক হন্না খন্নদ্রবসু য়ারে।'

ঐগী রারীদুমক তারগা, 'অদোমগী থম্মোয় কায়হল্লিরবদুদি মুপীনবু নংতমাল্লনে।' মহাক তপ্পা হায়রকখি।

'নংত্তে, মহাক মুপী নংত্রবসি মুপারা?'

'ঐগী রাহৈসিদা অদোম সাউরমাল্লে। ঐদি মহাকপু মুপী নংতে হায়জবা নংতে। মহাক্তি মুপীনি। অতুম ওইনমক থৌদোক্তুদি মুপী ওইবী কয়াসিংগা থোকপা নংতে। মহাক অমসুং নহাক্কী অপীকপা থৌদোক অমৎতনি।'

'অদোমনা হায়নিংলিবসি ···?'

'অদোমনা সমাজসিগী মুপী পুম্নমক্তা সাউরি। থৌদোক্তুদি সমাজ-সিগী মুপী পুম্নমক্তা থোকপা থৌদোকসু নংতে। মুপা পুম্নমক থোকপা থৌদোকসু ওইরোই। মতুদি নখোয় অনিতগী ওইবা, পুন্সিগী খোঙচৎতা মুকথাইনবা অমনি। মতুসু তৌগে হায়দুনা তৌবসু নংতে। করে! ঐনা খঙনীংবা রাহং অমতংগ ...। অদোমনা খঙহনবীগদবা নংত্রা?'

'হন্দক্কা করম্না রাহং?'

'ঐগী ৱাহংসে অদোমদা য়াম্না কাম্বরব্রা ?

'থোইনা কায়বা লৈত্তেদা।'

'মতুদা য়াম্না মরৌ থাংবা ৱাডাং অমদি য়াওরি। পুন্নমকসিনা পুন্নমক ওইরবসু ৱাহংসিদি ··· ।'

'হংবা ছন্নরব্রা ?'

'ৱাদি ৱারৌবীমু। চেথিমুগী মরোন্দুবু .. ?'

'ওহ! মতুম্না ?' নহৌনা পুক্নিং মুংসিরকই। পুক্নিদা অন্নি-অনৌগী ইকাইং খুদিংমক থালোকখ্রগা তোক্তালবা সক্রোম অমনা অকনবা নোং মুংসিং অমা সিংপা হৌরকই। মুংসিংসিদা থাওমদনা হৌথিবা লাকক্লিবা অনিগী মরক্তা কোইহায় হায়দুনা লৈরি। অদুবু পুক্নিনা করিনো তোকুগদবা ? হায়বম খঙদে।

'কৈদোরে ? ঐগী ৱাহংসিগী পাউখুম খুম্নীংব্রব্রা ?'

'নৎত্তেদা। অদুবু কৈদোই হায়বগে ?' ঐহাক মহাক্কী ৱাহংদা গ্যাম খঙত্তা তারকই। মহাক্কী অরোইবা চেরোলদুমক ঐহাক থম্মোয় সোক্না মুংঙাইখিদে। মফম খঙদন ফুম্বংনৈ চেথিমুদা অম্নুম্না ইরকই।

নৌতম,

ঐখোয় অনি কায়নবা তারব্রা ? সংসারসিদগীদি কায়নখিদবা য়াই। অদুমকপু কায়নবদি তারবনি। মসিন মতম অমগী মুংসিবু মমল লৈ-হন্দবদি নৎত্তে। মীওইবগী মুংসিনবদি কনানসু মরক থৎপা ঙম্মোয়। কম্নিঙম্বা থৎলে হায়না খনবা তারবদি, মসিগী পল পুন্নমক খক্লিবা মীকুপ্তু ওইগদবনি। ঐগী মুংসিবদি মংনি। নং নৎতবা মুংসিবা অমা সংসার-সিদা ঐহাক খঙদে। ঙসিদি ঐনা নংবু মুংসি হায়বসে মরেক সেংদ্রবনি। সেংহনবসু ঙমদ্রে।

ঐগী অরোইবা ওইরবা চেরোলসে নহাক থাজদবদি য়াই। থাজ-ফমসু থোক্রে। অদুমদি ওইরবদা মসিমদি খঙউ। ৱাহৈসিংসিমক ঐগী

অসেংবা থম্মোয়গী পাউদমছুনি। ঐগী য়াইহেসিদা নহাক য়াহৌং অমদি হৌংবা পাম্মগনি। করিগীদমক ঐনা ঐগী থ্বাইদগী চুংসিজবা মহাক অচুগী থাজবা মাংহল্লিবা? মতম অমদা ঐনা তৎত্তনা হায়খিদনা. ঐগী সোল্লবা ইমাচুগী মরমদা। ঐহাক মহাক্কী য়াথং হিতোকপা ওমখিদ্রে। নহাক সাউগন্নু। সাউকম থোক্লবা নহাক্কি। করম্মদি সাউরোই?

করিগুম্বা ঐগী পুন্সিসিদা ঐগী অসিংবসি থুংলম্লব, ঐহাক কয়াদা চুংঙাইরমগদব'? নোংমা লাক্লে। মপুম ফাবা য়ারি অমদি ইরাং-রাংলব ইফমদ নংনা পুম্মক ঙাকপীয়ু। ফরে ঙসিদি লোয়সিল্লগে।

মসিনি য়ারোলচুমক। কদিন্সু ঙৌবা ওয়রোইদবা ইফমদা ওমখিবা চৈনা অমগী মপাউ। চৈনাচুমক ঐহাক থাঙথী। থাঙলী। থাঙখিগনি। ঐগী ইরোই লোইবগী য়াইহেসিংসিমক্, ঐ. খরা কয়া হায়থ্রমাক্লে। মহাক্না, 'করি তোরে, অচুক সাউন ঙাঙলিবছুবু?

'থম্মোয়সিনা পেনঙমত্রবা কয়াসে ফুম্বা ঙমত্রমাক্লে থম্মোয় পোম্না ঙাং-নীংবা ফাওরকই।'

'চুংসিবদি থম্মোয়গী দাম্নী। মীওইবগী পুকচেল পিকসনবা ঐগী হায়বা থরম্ থাদোকুদবনি।' মহাক য়াম্না ইংনা, পুক্লিং চুংশিগদবা মওংদা হায়রকই।

'মচুদি য়ারী ওইনা ফজাইনবগী য়াম্নী। মীওইবগী পুক্লিংবু থুহেম চনবা ওয়বদি, অরাব হায়বা অমমুক কৈদগী লৈরমগনংগে?'

'পুক্লিংগী মথা পোল্লবা মীওইবসে, পুক্লিংনা পুবা মাইকৈদা ঙমমক চংলবসু মীওইবা ওইরমদবা য়াই। অপাম্বা কয়ানা কুপ্লবা চুংসিবগী সেংলবা মসক্তি ওইহনিংবা পন্থুং অমা ওইবদা পন্থুংতুগীদমক সাউগদবদি নংতে। হোয়, মরক মরক্তা ইসাবু নীংঙমদবগী মৈয়ৌদা য়াকৎচবদি য়াম।'

'ঐগীসিন্নক ইদোম ৱাকৎচবা নৎত্ৰবা ?'

'মহুমক নসানা নসাবু খুত্তুম চন্না ৱাকৎচরিব্ৰা ?' মহাক্কী ৱাহংসিন্না কাম্বিন্নু খুৱা ঙম্মদনা অম্নুমক হন্নক্লে। য়ুম য়োরগা ইদোম ন্নীংঙম্মদবা অমা খাওরকই, 'করিগীনো ঐনা মাগী ৱাহংত্তুদা পাউখুম অমৎতা খুমুমদ্রিন্না ?' হৌজিক্তদা মহাক্কা ৱারী কয়া সাম্ননিংই। করম্বা ৱারী ? হায়ফম হৌফুম খঙদবা, লোইবা লৈত্রবা ৱারী কয়া। ৱারীসিংত্তুগী ৱাখোঙমু খঙদবা। লোয়ফমম্নু লৈর্তবা। মখোয়সিংত্তুগী কান্নবম্নু খঙদবা। কান্নদবম্নু করিনো থম্মোয়না খঙলোয়দবা অত্তুগুম্নবা ৱারী কয়া ..। পুম্নমকসিবু ঐনা করিগী পান্নীবা ? করিগীনো ঙসি-ঙরাংসিদা মাগী নোকমী-নোকমীরবা মাইথোংত্তুমা ঐবু ঙৎতনা কৌরিবা ? মহাক নাকল অমরোমদদি ফিভম সোইরবীনি। ফিভম সোইরবত্তুনদি অমুক্তা হেন্না সান্না ঐসী পুক্নিংবু ঙত্তনা কৌরিবা।

সিদা মৎত্তে। হিরম কয়াগী মখিনা ঐবু ঙৎতনা কৌরি। মহাকসি ঙসেংনা কনানো অমদি কদায়দগীনো ? পুম্নমক ঐহাক্ক খঙদে। পুম্নমক খঙত্রবম্নু মাপ্পা ঐপাদি খঙনৈ হান্নবা ঙাম্ন। খঙনৈ, খনবসিনা ঐবু অমুক ৱাহন্নব্ৰা ? মহাক মফমত্তুদগী লাপ্পা লৈরম্মোয়। অত্তুবু চীংয়াগী ফজবন্নিমদি মাগী থম্মোয়না কয়াগী মতিক পান্নমগদবা। নৎত্তে, ইংলবা চীংয়াদা মহৌসাগী ফজবসিমা ঐগী থম্মোয়দা কায়নবগী ইন্নোং পীবত্তা নৎতনা ইদোম হুংঙাইজখগুম, মাগী থম্মোয়দম্নু কাইনখগী থোম্মাং অমগা লোয়ননা চীক্লবা মফম্নসি, থিরীব্রা ? অমত্তু ওইরবস্নু, অমত্তু ওইরবস্নু, মহাক ইংবদি ইংই।। পুম্নমকসি থম্মক্লমগী কায়নবগী কংথরবা ঈচেলসিনা মত্তং মত্তং ঙৎলবা তুরেলগী ঈচেলগুম মচেং তারবা থম্মোয়সিদা চৈনা কয়াগী মৈচাক হেন্না হাপ্পরি।

ইংথক্রবা, মতম, তুম্নিংকী মহুৎশিন্না হান্না থোক্লক্লবা মঙমদ্রা থুনি হেন্না পুক্নিং নোথনা। কাইরবা মতম অমগী থম্মোয়সে, থম্মোয় অমনা

পুনুবগুৰ, তৌই। য়াম্ভী সেংলবা, লক্কমগু য়েক্লনা নীংথিনা যাত্ৰ। হুইল-চেয়াৰ অহুমক ঐহাক হুম্লিংই। অঙ্গু মহাক্কি অয়াবা মতমদা মখোয় অনি তঙ্তনা লৈৰগ্নী। মতম থুদিংমা লৈৰমদি নংক্তে। ঋৰক মরক্কা মদোম চীংগী নাংপোমদা য়েংলবসু য়াওই। কৰিগুম্বা মদোম লৈৰিঙৈ চেংনবা জাৰবদি কয়াদা হুংঙাইগনি। থম্মোয়গীদমক থম্মোয়না বীচাৰ তৌৰি। লোম্লি। লোইখিৰোই। নকসিন্নবগী চাওৰবা ঈচেলনা ইমাই চোম্লবা মফম অমা নংক্ৰগা লাপথোকপগী পনথৈনা অৰোইবা অমা লৈত্ৰি-মথে কৈদোউঙৈ বীচাৰ লোয়ৰখিৰোই।

নোংমা। তুমীংসিদা ঐনা পামজবা মাগী হুয়ল চেয়াৰ অহুমক ইনখি। মহাক কৰি অমংতা হায়দনা ঐনা তৌৰিবা থুদিংমক হৰাও হৰাও য়াখি। কনাসু লোয়নৰক্তে। মাগী হেক হেক হুয়ীল চেয়াৰ ইনবহুমক ওসিদি মখোয়গী অকুবা থবক অমা তৌনবা চংখি হায়। হুমিংদাংৱাইৰম চীকথয়ক্কবা মতমদা মহাক অমুক লোৰা লাক্কনি। মতম-হুদা ঐনা মাবু চীংয়াগী নাকন্দা লৈৰিবা পাং অহুদা পুখি। মহাক্কা মফমহুদ. 'কয়াদা ককজরবা। মকমসিদা মহোসাগী ওইবা কৰিগুম্বা লোংসক খরা লোংপগুম থম্মোয়সিনা থম্নি।' তসেংনমক পুক্কিং হুংসি। পাংপান্দা হৌৰিবা থাৱিকথা, থম্বাল মথল মথেলনি। পোম্লিবা, সাংলিবা, পাংপা হৌনংলক্লিবা, সাংগ্ৰবা তুংগী থমচেং [illegible] ইংলবা মীংফমদা ইমং সংলবা লৈসিং, অঙাংবা, অঙৌবা, [illegible] কয়াদা নিংথিৱবা। পুন্নমকসিদা পক্কিং হুংসিবা অমা য়াওৰকই।

'নং পাং-পান্দা লৈবসি হুংঙাইব্ৰা ?' ঐনা হংখি।

'হুংঙাই। পুক্কিদা অমুক্কা হংখিত্ৰিবা হুংঙাইবা অমা হংই। কৰিগী অমুক ককজরবা মহৌশানা মীওইবা কয়াগী মরক্তগী লাম্বা লৈৰি অচিকপা কয়া অসিনা প্ৰকৃতিগীদমসি ককজবা হেন্নৌ। মদোম চীক্কা থোকপা থাজনা তাইবংদা কয়া অমা ইংহনবা। ঐসু চীক্কা লৈবা পাম্মী। সংসাৰগী

মন্না হুৎলাইদা, ঐগী মরক থুবীরবদে। অরাবতনা ঐগী মরক এরবতা নহুতনা ঐগী পুন্সিদু মরোলদা কংথোক্লবনি। পুন্সিগীনা ঐবু যাবা হৈবদে, অদুদি মীগী অরাঙ্গা উবদা পুন্সিংদা কয়াংবা কাওরকই।" মহাক য়াম্না তপ্না থম্মোয়দা করিগুম্বা ঐনা অমা কাওবগুম হায়রকই।

'ঐদি নংনা অদুম্বা পুন্সিং শীকথরকনি হায়বনে অমুক্তা থাদুনে।' মাগী মহুত্তুরা য়াম্না ঐনা নৌংগুবদবা অমা য়াওনা হায়খি।

'পুন্সিং শীকথরকপা নংতে চাওথোকরকপনি।' পোকপদগী কিতম যেয়রক্লবী ঐনি। মহুতনু নংতনা ঐ পোকপদা কনাগুম্বা থরদি ঐগী কিতমগীদমক হুম্মাইবিবগুম তৌই হায়।'

মহাক্কী য়াম্নাসিনা ঐগী থম্মোয়দা করিগুম্বা অমগী মখী তারে। মতম্ হুইরবগী য়ানি। চহি কয়ানা লাপথোরক্লবা। মতমসু ঐহাক চহি তরেৎ-নিপালমুক হায়রম্লুগুম্বা? থঙহোদে, ঙসিদি কুনমরি কুনমঙা হায়রম্লগনি। মতমদুদা পাকুংগা খুইদগী লুনা তিন্নবা মমান্নবী অমগা পাবুংগা সাওনখি। চুম্না সাউনখিবা নংতনা অমগা অমগী অমুক হন্না চংনা-চান্নবা হায়দনা লেপখি। করিগী অচুক লুন তিন্নখ্রবা মমান্নবা অমদু অচুক তমথিনা থংনম্লিব? কনাগুম্বা থরনদি, করিগী ওইরুনী মীওইবনবু সেম্মী লুংতনা? ওইরবসু য়াই। মরমদি মহাক অমসুং পাবুংগী অপুনবা করবারনি। মতুংদা পাবুংগীদু তোঙানবা করবার অমা মহাকীদু তোঙানবা করবার অমা। মহাকীদি য়ুম্না-মরুপদি পোকথীদে অহনু কায়রাবুদি চাওথংদ্রে হায়বা পাউ তাই। মহুত নংতনী, কাই-নথদ্রা মচা মুগী অমা পোকখী। মহুনু কিতম কাইনা। পাউতমক তাবুদা, ঈবা পাবুং হুম্মাইবগুম তৌই। পুন্সিকনি থোক্রগা পুন্সিংদা হুংগ্গদু হুংজান্নবা অমা কাওরকই।

'কিতমগীদমক হুনীন নৈরবদি? ঐগী য়ুরসে তানিংঙ্রবা?' অরাবা কিতম কায়রবগী য়াম্নীদে তানিংলোয় হায়বদি ঐমু থগই। অদুমু উংথো।

এদি মী-ওইবগী মরি মশাতচাংনা লেপ্লগে তসেংনা শাবগে। শাবগে হায়রিবগুম মীওই অমী মচিনা মুক্তিগী লৈবা মশিংশু শংদোকপগী শক্তিগা ওইরি। মরুপ ওইবগী মরিম্ন কববার ওইবগুবা মীওইবগী লৈবা থোকপা মাখা পোং তাবোইজবনে ? মহাক এখোয়না মায়া থিজিনবা মীওইবগী খেং- লগা মথা তারকই, 'পুম্নমক্তি মীংশিংনুবগী কয়াবা হিংনিরিবা ? অসুক পুক্নিং হুংসিরবা নিংশিংবগী লৈনা চৎথবা চৎলা মবুক লেরমবনৈ।'

চুমীৎকুবক অসুম তৌনা হাঁকখি। মায়া মকাইখি, বশুনা মং মতুংবা থূইদগী থাবা পোংশিলাং অমনা লোয়রনখি। থিকিনলিগ অমী থাবল লাপথোকক্লীবগুম তৌই। পুক্নিংশিনখি চুমৌবগী মনাপ্তোকপা ওমখিদে। এমী অচিকপা শান্নীবা মুক্তিনা মীচিকপাশিজা মহেক মরক থংলবী। চুমীৎসিদি মায়া ওনা হায়কবী। হমুকলদা, মায়ু হেক-হেক পুক্নুনা লাকপা মাংঅ ওইহনা লৈরবগী ঐথোয়মু মহেক উবদা হায়রকই, 'ইবেম্মা ! ইবেম্মাবু ঐনা খিবখি খিবসি, মিকক থজবহনা ...।'

'ঐ অবাই-কাওবা কোয়থোক্লুরে।'

'ঐবুগুম্মো কদায় ঐ অমুক উরগে। ওসি মহিংলাংদি, ইবেম্মগী হুং- ওইরবা কুমৈ অমম্নু লৈ। ওইহাক লোইরোরকউরনা।' ঐ মানা অতুম্না হায়রকপগী থুংলাকহায়রগু লৌরমলা হায়রবী 'মাম্মা, মুম কদাইদা ওইরকনো ?' ঐগী খাহংলুম মহাক্না, মথুং ওইনা চৌজিনদু তিনুনা, মথুং লেংলা খিমজুরগা হায়রকই, 'তু, অসুমগী মৈ অমা থাজবা মমম উরবা ? মসিদনি।'

ওসাইমথৈ হবীদ চেপ্লুবা তুমৈ মমনরনী মচুক্না, তুম্না হায়রকই, 'ওসাইইমথৈ হায়বীগা কাউরবে। ঐখাক কাম্নগে থলহুক্তি, লোইদনা লাক- উরকো। হৌজিক চৎলিরগনি।'

'কোয়া লাকগে। ইহৌথক্লা, হকয়ম...।'

'হবকপীরি, কহিম্ন চিনকহু। গাম্বিগা খীরমশু থীনথা খাদনি। মহাক্কি কবিদু নংজমহৎনদ, হাইবেসিংসি, মহি-মহি, হায়রকই।

'কোয়া-তবা, ইমোম্ লাকুগে।' ঐহাক তনতনা খুমখি।

'চৎলারবদি লাকউকো।' মাহৈহৈশিংদি 'খাঙ্গা খাইগ্নীংবনী' হঙংদা হায়রক্লা, চীংগী মখা-মক্না তৌবা চীংচেক্লা তথা তবা থাকী হয়ৌন-চেক্লাব অমত্ থাম্না ইস্নুনা হংখি।

ঐ খল্লহৌরি। থাম্নী। মুক্তকঞ্চী। মতম অমা অমা লৈনবিবা মরী পুৱরক্ক করুখৎপুনা মূখগী কৌবা ফাওবা কৌনথবা মুমহুনি। মরী পুৱরক্ক হায়বদি লাম্বরঙুনা মূখগী কোবং ইমুংগী মীওইনা ঐনা মরী লৈবৈ হায়বদি লায়রঙুনা মূখগী কৌবং কৌবৈ হায়রবদা ঐখোয়গী ইমুংগী মীশিংনা করামী মতিক শাওগদবা। পুন্নকদি হায়দি করিমু খঙলুদে। হৌজিক্কা করিগী পুক্কিংদা ইথিল অমা লাক্লি। মতুংদা ঐ মহাক্তা অমুক হন্না থেংনরোই। অমুক্তা থক্না থক্না ঐ মুমলোমদা লাক্লে। মুখ হেক য়েংবগা ইমানা হায়রকই, 'ইবুংঙো, নং হলক্লবা? ইমা নংবু ঙাইরক্লিবনি।'

'করি তৌগদবা...?'

'করিমু নৎতে। নং মীনি উরক্লবা?' করম্না খংজিখনো খঙদে ইমানা শাওরগ হংলকখি।

'ইমাদা করানা করি অমুক হায়জিল্লবগে?'

'হায়জিনবা নৎতে। তৌমু। মতু কংতে। ইমা নংনা তৌবা থবক্তা থিংলবনি। অহৎ হন্দকী মতাংশিমদি ইমানা হায়রিবশিনি। মহাক ইমো ওইবা কৈদৌঙৈদা ওয়োম।'

থাবু নমৌ ওইনি' হায়বা মাওঙ্গবা?'

'ঐ খঙই। নং থাগা লোয়নবা শান্দী। লোয়নমু লোয়নজি। ঐখোয় হিংলিতৈনিংদি নং মতোমগী মাখল থনগনু। নং নাগী পাবুংগীমু মমদি থমু। মহাক কিন্তন কায়রবী; মুমগী মোনি হায়বদা লেমজবীনিন। মাহুতা নখতনা, মংগী পাবুংনা ইমুংগী নীংতৌনা মুমগী মো ওইবদি লায়রমুতা নখতনা, মংগী পাবুংনা ইমুংগী নীংতৌনা মুমগী মো ওইবদি লায়রঙ্গনা নকনৈ ঙাকথনা করাদা লাউথকদবা।' অমাং ওথোম্না খোকশিনবগুম

ইমাসু নিংসিংলি। ইমুং হুপ্ন নিংঙাই সাংদাইনখিবা। মচু পুম্নমক্তু তোক্লগা মুপা পোকপনি হায়ত্তুনা হায়দোকপা চৎপা?' ইমানা অস্ন্ন্না চৈরগুম হায়রকপত্তুদদি, 'ইমানা ফনা নমৌ ওক্তবিংলবন্নু ওইবা ফংলোই' ঐদি পাউথুমসিমক খুম্লিংলবুনি, হান্না পুক্লিংদা মুংঙাইতবা অমা লৈরিবসিগী অসোয়বা পুম্নমক মেনখৎপা ওইনা। পাউথুমসিমক খুমবমকতি খুমখিদে। ইমাগী রাসিংচু তানা তানা ঐগী কাদা ঐহাক কুমিন চংলকখী। রাখলগী লাম্বা ফংজবা চৈনা কয়া ফাওরকই। পুন্সিদা মেনখৎপা ওন্নরোইদবা হৌখিবগী সিংনাইজ্রবা খোঙচৎ, থল্ল থল্লরগা অরাবা ঙাক্তা। মীওইবব্ রাননবগী পোক্লমীত্রা?

কুমিং কয়া অমদি ঐহাক মফমত্তুদা অমুক চৎলুদরে। চৎপদি চৎনিং-দবা নৎতে। চৎনিংবগী ঈথিল পুম্নমক ফাথত্তুনা চৎখীদবনি। উনিংত্তুনতা ইথৌলাংলবা মহাক অমবু করিগী ঐনা উন্ননিংদ্রিবা? রাহংসিগী পাউথুম অমদি সোয়দনা লৈরমগনি। খুবদদি কয়াদা রারীবা? নোংমদি চৎলুই। মহাক লৈরম্মী। হায়রকই, 'ঐহাক নংবু মতম কুইনা ঙাইরকপনি। নহান-মথৈ লাক্রবদি কৈদোরে?'

'করিস্নু তৌদে।'

'নংদি ঐথোয়নী উন্নখিবা মতুংদগী, মরকসিদা নোংমতা লাকখিদ্রে। ফরে! ওসি উন্নবসি য়াম্না নুংঙাইরে।'

'করি তৌগদবা ... ?'

'নং মুমীৎতুগী বাতোনচু ঐমক্তগী লৌবা ওমদ্রে। ঐনদি নংবু কয়াদা রানা ঙায়খিবা।'

'ঐদি, অচুম্বদি খল্লে।'

'মহাক লাকপদি লাকখিদ্রেদনা।'

'লাক্লিংদত্তুনা লাক্তবদি নৎতে।'

'ঐন্সু খঙই। মরম অমদি নৈরমগীনি। সংসারসিদি মরমগী মরম মক্তনি। মসি হায় হায়রুনস্থ ঐনা ঐগী খুদোংচাবতুক লৌবদি নংতে। মসিস্থ লালবদি লাল্লবনি। মসিদা মীস্নুংসিগী পূক্লিং থৌবগুম ঙাঙব খোম্থোক য়াওরি। ওইজবা তানবগী মফম থিরি। অসেংবদি ঐসে, ঐগী খুদোং-চাবতুতমক য়েংবনি। মসিমক্তনি ঙসিস্থ নফমদা ৱাকংলিবা।' মহাক ৱাহৈসিংসি নিংঙমদনা মথং-মথং হায়রকই।

'ঐদি নংবু নসাগী ওইজবা তানবীনি হায়বদি। হৌজিক ফাওবা হায়খিদ্রি।' ঐন্সু য়াম্না মিংঙমদনা হায়খি।

'হায়খি হায়বা নংতে। খঙকম থোকপনি।'

'হায়বদি . ?' মহাক ঐগী ৱাহাংসি করি অমংতা তাদনা, 'মাম্মা। ঐ করিনো অমা কাউরম্লে। অমুক্তা লৌবিরুগেরা?' মহাক্তী ৱাঙাংসি লোইরম লোয়ফাংত্রিদ্রৈদা, 'করিবো?'

'নহানগী চেরংনা য়োম্বদো।'

'ইবেম্মনা কদায়দা থম্বী রমবগে?'

'লুখুমগী মীংসেন পানবা উপু মমুংদা য়াওহৌবনি।'

'উপুবু সো হাংহৌরিব্রা?' ৱাহংসিবক হংলকপদা মানা মাগী মথুংতা পাইরিবা বেক অতুম্মক হাংদোক্তুনা করিংম্বা অমা খিরুরগা, 'সে সিদা লৈরে।' হায়রুনা সনানা মরি পানবা সো চবুন অমা পুথোরকই। মতুমক লৌনা-লৌনা মাগী মাম্মনা হাংরকই, অতুদি ইবুংঙো গারিসি অমুক্তা পাইবীরম্মু।' ৱাহৈসি হায়রম্লগা, ঐনা মীনিগী হয়ীল চেয়ার অতুমক পাইবোই পাইদৱবাই তৌবতা ঙাইরিদ্রৈদা মহাক হাথু হাথু চংখি। মহাক চংখিবগা লোয়নদা হংনরুবা তৌদনা মখা তারকই. 'তসেংনা ঐগী লাইবকসে মতম খুদিংদা ঐগা মাইয়োক্লনা লেপ্পী। মসিবু ঐনা ঐঙোন্দগী ইম্থোক্লে খন্দে। ঐন্সু মহাক মায়য়োক্লনা নকসিন্নবা হোংনৈ। ঙসিদি নংন্সু ঐগা খঙনরুবসে নহাক নহৌনা পাম্লক্রে হায়বা ঐ খঙই।

মতম অমদা খঙন-চায়রবগী মুংঙাইবা কয়ানা পীরম্বা পুক্নিচু নীংসিং-নিং-সিংলুরগা চৈনা ক্বাওরকই অমদি তোঙাল্লবা সক্তম অমা উরকই। অদুবু নংবা সক্তমতুগী রাংমদা সক্তম অমা লৈরম্বা ঙাররবদি নহাক সক্তম-তুমক য়েংলমদনা চৎখিবা হায়রবসে নংগীদি অরেপ্পনি। নংগী অরেপ্পতুনা, কদায়ক্বাওবা লানবা নৎত্রগা চুম্বা হায়রবসিনা তোঙানবনি। নৎত্রা?' মহাক রাহংসিমক হংলম্লগা পাউথুম ঙাইদনা মথা তারকই, 'অচুম অরানদি নহাক খঙদে। ঐ খঙই। নংনা ঐবু নংগী তোঙাল্লবা পুন্সি অমদা চিংদুনা পুই। অমসুং লৈনরিবা মরিবু মসা পাললহন্দুনা পুন্সিগী জগৎ অমদা কোয়পায় পায়হল্লি। মতুমক ঐনা ফংতে হায়রবদি নংতে। ফৈ হায়নসু অমুক্তা হায়রোই। অদুবু জগৎতুগী মনুংদা ননীং তম্না সান্নরমদাই ঐবুসু তাকপীরম্বদি ফবনি। ঙসিনা জগৎতুগী মনুং চংলমদাইদা ঐবু তাকপীরম-দবগুম, থাদোক্লমদাই অসিদসু নংনা ঐবু হৌদোকপীরম্লোয় থল্লবা নৎত্রা? ঐসিবু অসিত্রা? নৎত্রগা অতুমত্রা? অনীগী মরক্ত অমদি অমনি। নৎত্রা? অসিবা নৎত্রগা অতুম্বসিংগীদি অরা-অনা সরুক থুংবীরমদে। ঐগীদি অনিমক য়াওরী। মসি পুম্বসি ঐগীনি। নংনা থল্লী। ঐগী পুন্সিনা নঙোন্দা য়েংলি, অমদি ননিং তমনা কোয়না চৎচবা ঙমহন্দে। ফীভম কাইরবা, ইসানসু চৎপা রাজরবী ঐনা খল্লী। ঐনা কনাদসু য়েংলোই। হিংবগী চাওরবা পোৎলুমসে কনাদসু পুহল্লোয়। ইথক্তা পুবা রাররবা পোৎলুমসিমক কনাগা পুমিন্নদুনা তাইবংসিদা ইরাক্লদুনা সিমীন্নগে ঐহাক খন্দে। ঐখোয় অনিগী মরক্তা চাওরবা খেন্নবা অমা লৈ।' মান হায়খ্রিবা কয়াদুমক তাদুনা ঐহাক তুরিম লৈখি। কবিনো খুম্নগদবা ঐহাক খঙখিদে। মহাক্তি কবিসু নৎতবগুম মথা তারকই, 'খেন্নবসিমক ঐহাক তসেংন খঙদোকপা পাক্কী। ক্ষিভম কাইরবী ঐহাকপু লায়া লৌদুনা চৎখিবা ঐহাক পামদে। হৌখিবা মীরোলদসু লায়খিবা খরজি লৈখিমাল্লে। ঐখোয়নীগী লায়রবা লৈত্রগাদি নংগী অসাউবসিমক, হৌখিবা মীরোলদগী হৈৎররকপা মচুমগী

মৈরিয়া? মসিমদি ওইরয়ে়াই। হৌখিবা মীয়োলগী সক্তম খুদিংমক ওাক-দবনি নৎতে। পুম্নমক থ গাইগদবসু নৎতে। হিরম কয়াগী মসক য়েংহনা মক্তম মতমগী মপি তাহনবদি য়াই। ঐগীসিমক লাল্লব্রা?' মহাক হায়ব-মথৈ হায়রকপগা মপী তাগদবগুম ঐঙোন্দা ওনসিন্দুনা য়াহংসিমক হংলক্লে। ঐনা করি পাউখুম পীরগনি?

ঐসু খল্লি। হৌখিবু হিংল্লিবসিংগীদমক্তরা? ঐসু মাগী লৈনবা মরিদা নকসিন্নবা অমদি লৈ। মতুসু ঐনা, পোলোয়সু ঐনা মাংহবা তারীব্রা? ইমানদি মহাকসে কয়াদা য়াদরিবা? করিগুম্ব, মামু ঐগী য়ুমদা ...। মতু ওইবা তারবদি য়াদ নৎতনা ঐবুসু য়ুম অতুদা লৈকম লৈরোই। ওসি মীওইবনা লৈনরিবা মরিসে করম্না ওমথৈ লেপকনি? অরুনাসু লৈনরিবা মপি পুম্নমক থদংতুন তোওাল্লবা সাগৈ অমদা চংখি। থম্মোয়দা খাওওমদবা চৈনা অমা ননসিন্দুনা থনম্মী। চৈনাতুমক ওসিসু মপি তাপি। থম্মোয়বু ছংতনা হৌদোক্লে। মীৎলু পীরাংগী পাথোক্লবা ঈচেলনা মতম অমা, মা-ঐ লৈনরম্বা মরিত্থু ওসিসু মমল লেপহৌরি।

ওাইহাক মহাক্কী পাউখুম পীরক্লবতুদি, ঐগোয়নীগী অচিকপতু থুগাইরতুনা মথা তারকই, 'করিগী, কিভম কয়াবী সমাজদা হিংবা য়াজরবী ঐহাকপু অমুকতু সমাজসিদা হিংবা য়ানবদা পাউথাংবীরি?'

'ঐনা, নংগী কিভমগা চাংদম্নবা য়াবা করি তৌগ্রে? নং অতুমদি হায়গতু। ঐগী থম্মোয়সে পুবা ওমরে।' ঐহাক মাগী য়াহৈতুদা নীংওমদনা হায়রখি।

'করিগী তৌদনি। অচিকপদা চৈনা খাংজরবী ঐহাকপু, নং-ঐগী তোওাল্লবা মরী অমদা পুসিন্দুনা ঐবু করিগী অতুক ওইজবী তাহল্লী। নংবু ঐনা করম্বা মতমদা, ঐগী ওইনা য়ারী সাগ্রে? নংতনা সাজবা নথল্লা? অহৌবা থেংনবদা নংবু থাজদবতনা ইহৌয়বা থম্মোয় অমা পুরতুনা লাকখীবা নথল্লা। ঐনদি নংগী থম্মোয়তুক্তং লেনসিন্নবা য়ারীশিকখি। অদা নৎতদ্রা

নংগী ইমানস্থু ঐবু ফিভম সেইবী তৌ-ঙম্বীনী হায়বা তায়। ঐনা কুদায়ু-ফাওবা মীওইবগী লৈনরিবা মরিদা অক'য়বা পীগ্রে ? মসক মতৌস্থু মুন্না খড়ন-দবা ইমানা ঐবু অহুম্না করিগী পাউখাংলি ? ঐবু, ঐবু সমাজসিগী মমাংদ চংহাং হাৎলিবসিগী মরম অমা সোয়দনা লৈবমগনি। মরমহুমতং-খঙলবা তুং চৎপ্রগে ! মতুংদা অমুক হন্না উন্নদনবা ঐ চৎপ্রগে।' মাগী অহুঙ্মবা রাঙাংছুগী খুদোংচাবা লৌরগা ঐনা হায়রম্মী, 'ঐঙোন্দা নংগী নীংঙমদবা পুন্নমক পীরগা চৎখিগদৌরিব্রা ?'

"নীংঙমদবা ! নংবু নীংঙমদবা হায়বা অমমুক লৈব্রা ?"

'নং ঐবু য়াম্না লাম্না লৌরমাম্লে।'

'লাকবা লান্দবা করিস্থু লৈতে। করে, লুহোংবগী বাতোন তৌরকউ।'

'কমাগী লুহোং'বা ?' ঐ করিস্থু খঙদনা ঙক্না হংখি।

'ইমানা নংগীদমক লুহোং'নবা কৈন্যা অমা হায়না সিং'ছুনা লৈবে হায়ন তাই। পুন্নমক মঙ্গোল ওইব ওইসমু। নংনা মুং'ঙাইবা উরগা, ঐখোয়গীস্থু মুংঙাইবা সকক য়াওরিবনি। মীওইবনা হিংবদা তান্নীবা মুংঙাইবস্নে হৌজিক্তগী নংতে। তুংগীস্থু সক্লক য়াওরিবনি। তুংদস্থু মুং-ঙাইবত্রা সরুক্নৌ।' মহাক রাহৈসিংসি য়াম্না নীংঙমদনা হায়রম্বদগী অরোইবা রাঙাংসিদা য়াম্না কন্না নোক্লনবা হোৎনরকখি অমদি খুৎসেমগী মোমোন মীনোক অমা নোক্লকই।

মতমহুদা ঐহাক তুম্নিন লৈখি। করিনো হায়কগদবা মাগী মফমদা, ঐহাক খঙখিদে। পুন্সিসে চৈনাতনা নম্নবগুম উই। হন্নক্লরোইদবা মীৎযুপ কয়াগীদমক লৈনা য়েংলুই। অমুক লাক্লরোইদবা মীৎকুপসিংছুনা পুন্সিদা ইনৈনরবা পাউখোং অমদি চন্নয়ে। অর্থদি খঙবে। পাউখোঙহুদি ফোংবা ঙমত্রবা পাউখোং অমনি। মসিমক ফোংদোকপা হায়বসে কয়াগী মতিক লৈরিবা ? অহুবু ফোংদবদি য়াদে। অমুকস্থু, করম্না ফোংলুগদবা ? তসেংনা অরুবা রাহং অমনি।

মোংবা, ঐনা য়েকপা লাই অমা মঙোন্দা য়েংহনখি। মহাক হুনলকই, 'করিনো নংনা কোংদোক্লিংলিবা কয়াসিংসিমক ? অস্তুক মাহুবা ররুভুমি-সিদা কদোমদগী হৌরকপা নোংহৌনো ? পুম্নমকসি খঙগ্রবন্থ ত্তিমন্নিবা মচুসিংসিনা থম্মোয়দা কম্বিনো অমদি হায়রি। লংদাইনফম ওইরবা মচু-সিংসিনা ইথিল অমদি পোকহল্লি। পুম্নমকসিদা নংনা কোংদোকপা পাম্নী-বসি করিনো ?'

'রাহংহুতনি ঐনা পাম্লীবা। রাহংহুদা ঐগী য়েকচমল খ্বাওরী। পুন্সিগী ঈতিহাস চেম্নরি। রাহংহুদি হিরম কয়াগী তোরবাম্নী। ইচেলদি অমৎতং ওইরুগদবা।' পাউথুমসিমক খুম্বদা ঐগী থম্মোয়গী য়াহৈ অমৎতা লৈত্ররগম মুংডাইখি অমদি ইকায়খি। পুম্নমকসি নহাক করিস্ন খঙগ্রবী-গুম মথা তারকই, 'ঐদি নংসে লাই, হাম্না য়েকই হায়বা খঙদে।'

'হাম্না খঙলমগ্রবস্নু হৌজিক্তি খঙলেদনা।'

'উম খঙলে। ময়েক সেংদবা পুখও অমদি খঙলে।' মহাক অমুক হন্না করেম্নবগুম ফাগী তেৌরহুনা হায়রকই।

ঐস্ন মাগী র হৈহু ভামগা হায়খি, 'ময়েক সেংগ্রবা কয়াহুগী মসক লেপথোক্লনবা, ময়েক সেংদে হায়না খঙলীবা মহাক অমদি লৈবগী মথো তাই। অহুবু খঙহৈরবা মহাক্না ইনাক্তগী লাপ্না চেম্বোকথ্রবদি ঐনা কৈদোৱা ভত্তুগনি ? করিস্নু তোবা ভম্লোয়।' ঐগী রাহংসে মহাক্ হৈনগ্রবগম মমাই তপ্না লৈথোকখি।

গুসাইদগী কনাস্নু রা অমৎতা হায়নদে। ফন কুইনা চিকখি। মহাক অস্নুম্না লৈবম্নে হৈনত্রম্নাম্লে, মমায় হায়কেং লৈথোক্লগা ঐথোয় 'নৌগী অচিকপহু থ্ গাইরহুনা মতোমতা তপ্না সোনজ্ররকই, 'মাম্নহুম কৈদোম্নবা জাৎনো ?'

ঐস্নু মাগী রাহংহু ভাদনা রাহং অমা হংখি, 'ভসিদি নহাক অহুক খোইরাংলিবা করিগীনো ?'

'গুসি'সিনা ঐখোয় অনিগী অরোইবা উন্নবা ওইগদবা মাল্লী। অরোইবা ওইনা উন্নবা মুমীংসিদা ঐহাক অহোৌবা অমদি অরোইবা ওইনা খুদোল অমদি পীরমগে। খুদোলসিমক নহাক মীরাইবদি তৌগনু।' মহাকনু ঐগী রাহংগী পাউখুমদি পীদনা লমকৈনবা রাঙাং অমা ঙাঙলকখী।

মাগী রাহৈসিদা ঐহাক তুম্মিন লৈখি। ঐনা নংতনা মহাকনু তুমীন লৈখী। পুম্নিদা খ্বাইদগী চিকপা মীংকুপ হায়বতু মীংকুপ অমতু ওইখিত্রা খল্লি। অচিকপতু শুগাইহুনা ঐনা তপ্না হায়খি, 'ঐহাক ঙসিদি নংবু থাদোকপা ঙম্লোয়।' ঐগী রাহৈসিদা মহাক, 'নংনা হায়-রিবসি করিনো?' মহাক রাহংসিমক হংলকই।

'চৎলসি।' ঐসু মহাক্কী রাহং তাদনা তপ্ন হায়খি।

'কদাইদনো?' মহাক য়াম্না থকৎপা মওংদা পাউখুম পীরকই।

'থদংলগী লংদাইফম লৈতবা মফম অমদা ...।' ঐহাক অমুক্ক হেন্না তপ্না খোঙ্খোক্না হায়খি।

'ঐ মতু য়াবা সুকওম ঙম্লোয়, সুকওম ঙম্লোয় ...।' মহাক য়াম্না য়ানিংত্রবগী মওংদা তংতনা হন্না-হন্না সোল্লকই। মতাক্না হায়রিবতু করিসু তাসিন্নদনা ঐহাক মাগী হুরীল-চেরায় অমতু তপ্না-তপ্না অতপ্না খোঙথাংদা ইন্দুনা লাক্রে।



লমদমসিগী লৈহাউসিদা

সুপ্রীম্ভু সুপ্পানা য়েংল্লিরকপা হায়রুসে পুক্কিংরা য়াম্না চাউথোকচবা অমগি প্রোকৃচৈ হায়রে। মস্লিনা কয়ায়ফাওবা চুম্লিবা? রুজিমদি ঐহাক খঙসে। মাস্তু ঙংঙাইহল্লবা খঙবে, সোমোন-মোম্নোম্না সাবা জগোইদো মহাক কৈদোঔদা লোইসন্নিংদবগুম উই। মাগী মীমোক্তু মক ঐথোয় ময়াম্না থওইনা য়েংলক্লবা তৌবা মাল্লি।

কুইরে, কুমারী রাধেকনান্না জগোই সারক্লিবা। মীরৈবাক্তা কয়া ইরৈবাক্তা কয়া, তোইনা চৎলক্লবা রধেসনানি। কুমসিদি খরস্তু খিং হেন্না চৎলি হায়বা তায়। ময়ুমদা পংনা লৈতে। ঙাইহাক লৈতনা চৎলি। মপান কলাদা ওাউজবা মীওই অমা ওইরমগ্নবদি, অস্তুম্না কৈদোঔদস্তু তৌরগ্নোই। মমানদি কয়া য়াম্লবনি। 'জগোই-ঈশৈনা কৈদোনদোইনো? মীনা থীনা হায়ননবনি।' ওসি কলাগী অরাংবা থাকনি, লমদমসিনা প্রীথিবীবু থুৎনা লাম্বা ফংহল্লিবসি হায়রবদি মীপুম খুদিংমক খঙই। হায়বস্তু হায়রৈ। অহুবু মসিমক কলাবু মসক ফজহম্লিংঙনা অমদি লমদমসিবু রাংনা থাঙৎনিংবগী রাঙাংরা হায়বসিমদি মীরোল কয়াদগী হংনরক্লবা অমস্তুং ওসিস্তু হংবদা পকচবা অমা অস্তুম্মক লৈরিবা রাহংনি। মমানা খজিক মখুৎ থেক্লকপদা হায়, 'কৈদোনদোইনো জগোই ঈশৈহুনবু? ইমাগী ইতেং ঙাইহাক পাঙঙু হায়বদি য়াদে। মসিদদি সিকা-নাবা খঙদেনে সে।'

'ইমানা অহুম্না হায়বদি ঐদি স্নুকতৌ তৌরোই। চাক চাত্রবস্তু ভোকে। জগোই-ঈশৈদি থাদোকপা স্নুকঙম-ঙম্লোই।'

'মসি অঙাংসি কলা মপুম ফাগৎলক্লিবা হায়বত্থ ওইরমাগ্নেনে, অহল-লমনস্তু মথোং-মরম খঙলক্করে।'

'ইবেমহল কৈদৌরবগে নংমু ? চাকসি খজিক্তদি হাপ্লখো।'

ইমাদি সিদা জগোই য়েংলি, পাবুং।'

'নমাবু জগোই য়েংবা হৈরব্রানে? করে। করে। ঙাইখো। এমু খোরক্লগে। হন্দক্কী অনৌবা খুৎসাতুমদি নচানুপিদা ওহ্মোক্না পকগ্রবনি।'

'পক্লবনি? নপা নচা অম্মুম থাগৎনহুনা লৈয়ু।'

সিননি, মীতৈ জগোইনা য়াংলিবা। ইরম অমম্বুং মীরমগী থেন্নবা। লৈকায়না হায়নৈ, 'রাধেসনা জগোই সাবীদো। জগোই সাবীনবু কয়ম ওক্লমগবনো? মখোয়না জগোই-ঈসৈদা ফাওরীবসিদি, সক ফজক্লবা, সথান নীংথীজরুবা ওজা-গুরুদা চনপ্লী তৌবা ওমজবদগী ফাওজবনী। মসিদি করিমু নংতেনা। এখোয়মু মুপা ওইরম্বগী তৌবনি। নংত্রগদি য়াম্না হেম্না ফাওরম্বা য়াই। হৌজিক্তি লোংথোক-লোংসিন হৈরগা লোইরে।'

মসিগুম্বা কয়াসি তাক্লরগনি, মমানা প্রোক-প্রোক চাক্লিবা। মচা-মুপীবু থামজল্লিবা। 'জগোই-ঈসৈতদি তোকপীরো। এবু ফংতে হায়গে হায়রসমু! কৈ হায়গে হায়রসমু জগোই-ঈসৈতদি এহাক কৈ হায়বদি মহায়খ্ররোই।'

পুম্নমকসিনা মচানুপীবু মরক-মরক্তা খৌতক চাহল্লি। মফম খওদা হেক হেক তম্হল্লি। প্রীথিবীদা করম্বা মফম অমা লৈরিদগে, অতুংঙ্কুবা মফমতুনা মনাংকী ওইবা পোৎলকসিংসিবু অম্মুক তোম্হনা খনজবা মফম, এখোয় লৈবাকসি নংত্তবা? অসিগুম্বা চৈফু কয়াসিগী মরকসিদনি ঙসি পীক্লবমু পীক্লা প্রীথীবীগী চয়েংনবা মরকসিদা চাংদম্নবগী মঙালনা ওহ্মোইরিবা। হৌরকফমগী চাওরবা সকুম অমা মফম খওনা কনসল্লিবা। নংত্রগদবু প্রীথীবীগী অম্মুক চাওরবা মেপসিদা পীসক পীকপা, অতোপ্পা লৈবাকসিংগা চাংদম্নবদা বীন্দুমুক পীকপা মহাক অমা চিংথখীবদা করিবু খওবীনীংঙাই খুদম অমা লৈরিবগে? অম্মুক তাংলবা হৌরবমগী সাগোন-

নত্তুনা লৈরিবা অরাংবা কলাগী সক্তমসিদা করিগী অমকপা মাইথোংনা লৈতেংলরিবা ? ত্তসেংবদি মসিদি অরংবা খুদিংমক ফাক্তিন্দুনা থমগদবা মফমত্তুনি। অত্তুবু কনানম্সু ফজনা লৌনদে। লৈকায়না হায়নবী, 'মপা অসিবু ঙাওব্রা, কহিনো? মচা মুপীসি মাংবা তারে। সেন-থুম ব্রাংপম্সু নৎতে। মসি খর ঙাওবম্বা তাইদা।'

'ঙাওবা হায়রবু ঙাওরবনি। মচা মুপীসিনা হেক তৌরিবমখৈ য়াবনি।'

'কলাদা ঙাওবা হায়বসিদি, সি ঙাক্তনি।'

'কনাই কলা? কলানবু পুন্সিসে অমুক মনিং হলহল্লকপা য়াখিগদ্রা? মা মাংবদি মাংজৌ। মচা মুপীসিদি মাংহল্লিংদে। মসকস্সু ফজে। মপোপ-মতাংস্সু ফৈ।'

'ফজবত্তুননি মানা মাংবা থুদোরিবসে।'

'হৌজিক্তি মমিংগা চৎখৎলক্লে। মসি কুইররোইদা। পাম্মুইদা মাগী ফজবা মফজসিগা।' মসা মসাগী ইখন থন্দবা কাংবুত্তুনা মহাক অমগীদমক রাবী। সমাজগী মমাংদা পুথোকই। কান্নবা-কান্নদবগী মংলান্দা নৎতে, কনাস্সু নৎতবা মহাক অমগীদমক রাবীরীবা পুন্নমক। মাং অমস্সুং তুংগী লম্বী পুথোকপস্সু নৎতে। মতম অমদগী মতম অমা সমজিন্নত্তুনা থৌ তৌরিব' কয়াগী মথৌ থিরিবা তাইবংপান্দা মখোয়গী অসেংব সক্তম উৎথোরক্লিবনি।

ঙসিদি কুমারি রাধেসনাগী মমিং খরা হেন্না চৎখৎলকপগুম তৌই। থঙই। মীরৈবাক্তা উৎলুবা জগোইত্তুগীদমক প্রেসনা কয়াগী মতিক ফজনা ইরক্লে। জরনেল খুদিংদা মাগী সক্তম হাপ্তুনা 'দ মোস আউত্ত ইসত্তেনদিং দানসর' অহোবা হেদিংগী হেদ লাইন। তবোপ তবোপ্পা খুৎসান থেক-লকপা খুৎসাগী মরমদা, লোইবা নাইদা থাবকপা খুৎথা··। মথা সমথরকই, লমদমসিগী ওইবা চেফোং কয়াদ, হান্না হায়খ্রবা কয়াদগী মওং-মরিল খজিক ওম্থোক্লিত্তুনা অনৌবা সায়োল অমা। লৈবাকসিগী মফম-

মফম কয়াদা থাগৎনরিবা কয়াগী পাউ তম্লদুনা লৈবাক পুম্বা খঙহল্লি। ইাল্লা অমুক্তা ইখিঙ্রিবা মই পুথোরকই। মোংমতস্তু জগোই-ঈসৈ য়েংলুদ্রবা কয়াবু পুক্লিং-চিংসল্লকই। হেন্না খোইদারকই। মীরৈবাক্তা ফাওরবতদা লমদমসিগী মী ওইরকই। অতুক কুইনা লমদমসিদা উৎলম্বা মাগী জগোই পুম্নমক কনানা খঙবীরমদ্রবস্তু ময়েক খঙসেং-সেংলকই।

'পাম্মূই। ময়ুম পান্দোরে হায়বনি।'

'ময়ুম পানখ্রবদি অমুক হন্না জগোই সারক্তনি হায়বা থাজদে।'

'লমদমসিদদি মতুঙুম্বা চৎনবী অমা লৈবনি। মীসিংসে মবুকচেল পীক্লখ্রবা হায়বতুনি।'

'জগোই-ঈসৈ তৌরগা কৈদৌই হায়রিবনো?'

'খঙদে। ঐ ওইরবদি স্তুকতোক তোকহল্লোই।'

'মবুকচেল পিকসনবগী রাখলদা লমদমসিগী ওইবা পোৎসক মাংহনবদি চুমদে।'

ওসিদি মীপুম খুদিংমক মাইকৈ অমরোমদা লৈসনবগুম উই। হিংবগী থোইচৎনরবা অসাদা মখল মথেলগী কুম্মৈদি মসিং মাইম্নদে। হৌব-লোইবগী রারীনা পীরিবা অরা— মুংঙাইদি হকথেংনরবতদা খঙই। মসিগী চৈথেংসিদি তম্বা তাবদগী ফংবা গ্যান্না সোকপা য়াদ্রবা তোপ্পা তাবা পোৎসক অমনি।

হন্দক্তি রধেসনাস্তু মপুক্লিং ইবাংলাংবগুম উই। মহৌসানা কন্দাদা ওাওজবগী হৌনবী ইথক থকৎপতু মাংখীবগুম তৌই। খঙই। পুক্লিং নৌথোকফম থোকই। অনৌবা য়ুম্বানগী ওনিক-ওংবপা রাংল তম্বা মাগীস্তু সরুক থুংবীররে। মতুগীস্তু মথক্তা পুন্সিদা অমুক্তা থেংনদ্রবা থৌদোক অমা হকথেংনবা তারবদি কয়াদা ৎক্লৎফম থোকই? মতুতা নৎতনা, মসিদি পুন্সিগী য়ুমফম্নি। নীংঙোল ওইবীসিংগী তাংলবা লন। থম্মোয়গী জয় পরাচয়দা থানবা য়াদ্রবা, পুন্সিদা খ্বাইদগী চাংরবা পবা

য়ুম্বানবগী মরি। মেরা থানা পানখৎলক্লিবগী মতিক অমুম-অমুম নকসিল-লক্লি। নকসিল-নকসিল্লক্লগা পুক্লিংদা মথুম-মরাং হৌবা হেনগৎলক্লি। পুন্সিগী আর্থসে হৌজিক্তদা তোঙাল্লবা অমদা ভপ্পা লাকপগুম তৌরি। মচুত্তা নৎতনা, ঙসিদি পুন্সিদা খ্বাইদগী নুংঙাইবা পুংফম অমমুক লাক্লে। মাইকৈ খুদিং পুকনিল নিল্লরে। পাউ অমা। চীম্বাং মথং মথং চৎনবগী পাউনিললখোল। অকাসবানিগী অয়ুক অমম্মুং অথেংবগী পাউদা হন্না-হন্না লাকই, 'কুমারী রাধেসনানা হন্দক চহিগী ভারত রত্নাগী মনা জগোই-ঈসৈগী লমদা ফংলে। মনাসিমক ভারতকী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা মনানি। নীংসিংবা য়াই, মনাসিমক চহি অহুম লেপ্লরবা মতুংদা পীবা মনানি।'

পাউচেসিংদা অচৌ-অচৌবা ময়েক্তা য়াওরকই, মনিপুরগী অহানবা ওইনা ভারতকী খ্বাইদগী চাওবা মনা কুমারি রাধেসনাদা।' নুমীৎ মরী-মঙানী পুন্সিগী ৱারী ইহুনা, অৱা অনা মায়য়োক্নবগী সমপৎনা পাউ তপ্লকই। জগোই—ঈসৈতগী ওইবা মফমগুম, অতোপ্পগী চন্নফম লৈত্রবা লমদমগুম সক তাক্লকই।

করিগুম্বা রাধেসনা নুপা ওইরম্লবদি মনাসিগী মপুং ফাবা মীংথোল ফংবতা নৎতনা মীয়ামগী খ্বাইদগী চাউথোক্লফম ওইরমগদবনি। নুপা ওইরুবসিননি কৈদৌরবা ? নুপিসিংদি মনাসিংসি ফংবা য়াদ্রব্রা ? জগোই ঈসৈগী লমদা লমদমসিগী নুপিসিংনা মনা ফংলকপসে হেক হেক তুংওই-নবীবগুম তৌই। মনাসিগী মরুমদা মীপুম খুদিংনা ঙাংনবী. 'মসক ফজবী ফীভম ফবী নুপীসিংদি সি ঙাক্তনি।'

'মসিগী মরুমদা লৈবা অরোনবসিংহুম্মু মনাসিগা লোইমনা লাউ-থোকপীরবদি পেনগদবনি। মনাসিগী অসেংবা মগুন অসেংবা খঙগদবনি।'

'অসেংবা মনাসিতমক হায়বসিনদি পেন্দে।'

'জগোই ঈসৈগী ওজা ওইবসে নুংঙাইজরমগনিকো।'

'করিগী নুংঙাইতনি ? মখুৎ থেকপা সোইবদগী, মখুৎ পাইহু না থেকপা তন্বীবহু উরগদি ...।'

'মতু ত্রোইহল্লাইদবনিনে।'
'মিন্নকম্না য়াদৰমিনে, মিমকম্না য়াদবা।'

মথল-মথেলনি, মুপীসিংগী মরুমদা লোংতুনা লৈবা ভাইবংপান। আর্থ কয়াদগী হন্দোরকপা মরিসিং। মথং অমদগী চৎথরকপা মথং অমা। পুন্নমকসি মহাক্না মুপা ওইরম্লবদি করিম্ থোক্লম্লোই। মুপী ওইরুবসিননি অয়োন অফোংগী চাওরবা মকম অমা সমাজসিদা কনসিন্দুনা লৈরিবা। মুপীসিংদি সমাজগী অকুস্থ পোৎলুম অমা পুম্নুনা পোক্লরুবনি। করিম্নীনো মনা ফংলুবসিনা মহাক্না মগুন হাপকৎকদবা তাইবংপান্দা মহাকপু অমুক লৈথাদা চিংথবীরীবা? ফংলিবা মনাসিমক মীওইববু ইকাইথুম্নবনি। কলাগী মগুন তাকপনি। মীওইবগী সক্তম উৎপনি। অদুবু মনাসিনা মীওইবা অমবুদি লৈথাদা তাহল্লে। পুন্নমক্ত, তাকরগা ওইবা তাই, মহাকপু অমুক হায়দোকপা লাকথিবদু। করি? মনা ফংলুবসিনা মহাক্না লুহোংবা কাইহল্লবা। নংত্তে, মাবু ওক্তবী! মীতৈ সমাজবু অরাংবা থাক্তা থাম্ফৎতুনা, মৈহৌরোলগী সক্তম কয়া লৈবাক কয়াদা তাক্লরবী মহাকপু ওক্তবী! মসিদি মহাক্তা নংত্তনা লমদমসিগী চৎনবীবু লিংনবনি। চৎনবী অমগীদমক পুন্সি' কৎথোক্লবা কয়াদা, করিগী অমুক লুম্বা পোৎলুম? মহাক অমুক হন্না লুহোংবা কংলরোইদ্রা?

★ ★ ★

পাউখুম ঙাইরিঙেদা

মুখিংতু করম্বা থাগী কয়াম্বুবা তারিক্লো হায়বদি নিংশিংবা থোক্তরে। ঐগী দাইরিদদি সোইদনা ইরমগনি। থম্মোয়দা ইবা মইসিদা মচুমদি চিংথরম্লে। অচুক ময়েক সেংলবা, থম্মোয়গী পান্দমফম খঙদবা মরকসিদা মতৌ করম্না মচুমা চিংথরম্লিবা? ঙকই। চুম্না ঙকপদা নংতনা মঙক থিনা ঙকই।

ঙাইবু ঙাইরবা মতমসে য়াম্না কুইরবগুম পথন্দা থল্লি। নোং মরক্তুদা থরা তনতক তৌবত্তু নংতনা অতৈদি ঙম্মক মনিল ওনথ্রবা ঙাক্কনি। চংতবসু য়াদবনি, ঐগী দিসারত্তেসন হৈয়েং থাগৎহোদবা তারবদি থা মঙা তরুক চোম্বা য়ারি। য়াম্না থাপ্পদি নংতে ককচিংদগী ইম্ফাল। ইনক নক্নে পুংদা প্রীথিবী কোইনরবা মতমসিদা। অহুবু লাম্নী। ইনক নহক্লা হেক হেক লাপথোকই। চোৎলবসু চোংনা চৎলগে থম্না থোক্ত হেক থাংদোরকপদা 'ওজাসু চংপীরদোইরা?' রাহংসিদা হম্না য়েংলুবদদি ওজা রাইনা ওইরম্লে। ঙসাই কলেজদগী ঐদি মাবু য়েংলকপনি। মাগী চম্না কেজবা মতৌদো য়েংবা য়াম্না মুংঙাই। পুম্নিদা অসুক য়েংনিংবা মুপী ঐহাক কৈদৌঙৈ থেংনথিদ্রি। অতৈগীদি ঐহাক খঙদে। সংসারসিদি মী অমদগী মী অমা হেক তোঙান্নখিবদা মতা অমা তৌনা খেন্নবা ঙাক্কনি। ঐসু খঙদে। মা উরগা করিগী অসুক মুংঙাইহরিবা? মানা চম্না উরগা করিগী ঐনা অমুক্কা হেম্না চম্না লৈনিংলিবা? আর্থ অমদি লৈরমগদবা মাগ্রা? লৈবা লৈতবদি হায়বা ঙমদে। ৎজা পুম্নমক ঐনা কয়া নকসিন্ননিংলমদবা য়াই। মাদদি ইনাক্তুগী মুকহেন হেন্দোকহল্লিংদে।

মীওইবগী সক্লোন্দা থম্মোয়গী খোন্থাং অমা য়াওরমবসিন্না মসিগী ইখৌ-লাংবসিমদি ইনাক্কগী লাপথোকহনবা কৈদৌউ ওমহন্দে।

'চৎলগে। ওজাসু চৎপীয়দোইয়া?'

'থোকচরক্লবনি। চৎমীয়প্রসিরা?' রাহৈসিগা লোইননা ঐঙোন্দা য়েংলক্লগা, 'নোং চোৎলনি। সিদা চৎসিনবীয়কউ।' মাগী অপিকপা সাতিন্দুদা ঐখোয়নী তুপমীয়হুনা চৎমীয়সি হায়মিমাক্লে। করিগুম্বা মহুদা তুপমীয়হুনা চৎমীয়বা তারবদি লেংজুমগা-লেংজুমগা হকথেংনহুনা চৎমীয়বা হায়বহুমদি সোইক্লে। ঐ মহুমদি থজিক তনখীব্রা? তনবগী রা মৎতে। ঐ পাখঙনি। মা লৈসাবীনি। য়ুম পায়বগী মতম চপ চায়বা। নৎত্রগা হেনগদবগী চহিনা লীৎখৎলক্লবা, ঐ পাখঙ, মা লৈসাবী। অহুম্না চৎমীয়রুরবা, ঐ অমদি মাবু পাখঙ লৈসাবী ওইনা উবগী রাদি দাই লৈতে। অতুদি ঐখোয়নীবু করিনী হায়হুনা লোগদৌরিবা? মসিগী রাহংসিদি ঐগী পুন্সিনা খ্বাইদগী থোইদাজবা পাউথুম অমা লোইদনা ফংগনি। মসিনা ওইবা তাই। ঐনা মাবু ওজা ময়ামগী ফমফমদা, নৎত্রগা অহাংবা মতম থজিক ফংবদা লোম্না-লোম্না হেক হেক য়েংলিবা। য়েংনিংলিবা। করিগীনো মাগা নকসিময়গা ঐগী পুক্লিংনা ইম্নুংতা মুংঙাইরিবা?

ঐনা লাইরিক তাকপা মতমদা খ্বাইদগী ঙনবা মুমিৎতি ওজা রাইনা কারক্কবা মুমিৎতুনি। ঙসিদি চৎমিয়রনি। রাম্নি অমদি চুহুনা লৈহৌরগত্রা? পুন্সিদা খ্বাইদগী চুথ্রগা কোক্কন্দবা মচুদি মচু য়াওদবা, মীনা খঙবদবা ইদোম খঙজবা মচুসিংহুনি।

'মসিদা তেক্কা চৎপ্রসিরা ওজা?' ঙকখি। কমদোনা ঐখোয়বু গারি থাফমদা লৈরম্লিবা? ঐবু খোঙসি থাংখিব্রা? থাঙত্রগনা কমদোনা মকম-সিদা লৈরম্লিবা? রাম্নিসু অমতা সায়হৌদে। মা হেক উবা খুদিংগী 'নোংমতং ঐঃখায়নিদা উরবা খোক্লবদি মুংঙাইনিদা' থনবা রাখলহুনা

করাইদা চংখ্রবা? উন্নবা মুমিংতা হংগনি খন্দুনা সেমখিবা রাহুংসিংছুনা মা লৈরবসিদা কদোমদা লোইনা মাংখ্রবা? পুক্নিংদা ঈসান্না ইসাবু রারোঙৈ।

নোং চুবদুনা ওইরম্বা তাই, মুমিংতুদা মনিংগী সিং খরা বসতুদা হাংদুনা লৈরম্লিবদুমক। অদুক কুইনা হনগৎ হন্দা চংপদবু নোংমতা থেংনদে। মুমিংসিদি ঐখোয়নীগীদমক লাক্লবা মুমিংকুপনি। মসিগুম্বা মুমিংসিবু চহি অমগী মনুংদা কয়ারক খোক্লমগনি? চহিদা কয়া থোকপা নৎত্রগা থোক্রুবা হায়বদুদি ঐহাক হায়বা ঙমদে। অদুবু চহি তরেৎ-নিপালসিগী মনুংদা মুমিংসিতনি ঐনা থেংনরিবা। ত্তৌবদি থোদোক থোক্লকপা হায়বসিদি মফম মতম অমমুক য়েংলবা নৎতে। খ্বাইদগী চয়াংনবা মরক্তস্মু খ্বাইদগী ইংবা থোদোকসু অসুম্মক থোকই। অমদি খ্বাইদগী ইংবা মরক্তস্মু খ্বাইদগী চরাংনবা থোদোক অসুম্মক থোকই।

থোংনাক্ত মপা ভাবা কাচিন্দুদা মহাক ফমথখিবগা লোয়ননা ঐঙোন্দা য়েংলকপা মীৎয়েংতুমক ঐহাক খঙই, ঐবুসু ফমথরকউ হায়বগী অতক্সা ইঙ্গীৎনি হায়বসিমক। মঙোন্দগী মীৎকুপ অমৎতসু লাপথোকপা পামদ্রবা ঐঙোন্দা করি ফাওখিবগে? অচিকপা লাম্বা থম্মোয়দা মাগী চয়াংনবদি মফম মতম নাইদনা অসুম্মক লৈ।

‘ঙসিসি থেংলেকো ওঙ্গা।’ মহাক অহংনবগুম রাহৈসিমক হায়রকই। অলিগুম্বা খুথেংসিদি থেংনিংঘমধৈ থেংজসমু। ঐ খনবদি খনখি। অদুবু পাউখুমদি ত্তোঙানবা অমা খুমখিমাক্লে, নোং তাবসে ঐথোয় অরাপপদা চংপা কাংবুসিংগী য়াম্না খুদোংথিনিংঙাইনি। অদুবু মসে মতম খুদিংদা খুদোংথিহনবদি নৎতে। খুদোংচাবসু অসুম্মক লী। রাহুং পাউখুমগী অচম্বা মরকসিদা মাগী মমীৎনা নোকপা মীনোক্তুদি খজিক মরো লৈরমগদ্রা? ঙসিত নৎতে ঐনা মসিগী রাহুংসে ত্তৎতনা পাউখুম থিরিবা। ত্তৎত্তনা পাউখুমসু লৈক্তে। মাসু খঙলমগনি। নৎত্রগদসু ত্তৎত্তনা অসুক আর্ধ পুরবা মীনোকসে নোক্লুনা ঐঙোন্দা ত্তৎত্তনা য়েংলকখ্রা?

'ওজাসে আর্থ লৈবা রা হায়বা য়াম্না হৈ।'

'ওজাস্নু আর্থ লৈবা মীনোক নোকপা য়াম্না হৈ।' করি লৈবা রাহৈ-সিংনো খঙদে, রাহৈসিদা মাস্নু নোকখি। ঐস্নু নোকখি। নোকমিন-নরুরগা খজিক ইকাইনখিগ্রা ?

'গোদ ব্লেস ইয়ু।' কদোমদগীনা খঙদে মরক থৎহনলাংখিগ্রবা ঐখোয়নিগী মরক থৎনা রাহৈসিমক তাখি। লৈথোক্না য়েংলুবদদি ফিজোৎ সেৎপা অমা ইনাক্লা ফমথদুনা লৈরম্লে। মীসন ইসকুল অমগী থৌপুবা, ফাদর অমা সোইদনা ওইরমগনি। পুক্লিংদা সাউনিংলকই। তুমিং পাই-বগী মথোলফাওবা তানিংদ্রবা মতমসিদা কদোমদগী, ফৈজল্লকপা কারলনো ? অকনবা খোন থানিংলকই। হায়রুবদি য়াবা নৎতবনিনা তুমিন লৈখি। মাদি করিস্নু কোইদ্রবগী মওংদা মখা তারকই, 'নখোয়নীগী অহানবা ফংবা অভাংহুদি মুপা ওইবা ওইসন্নু।' কদোমদগী ফরুবা ভাবনো খঙদে ঐখোয়-নিগী য়েংথংবা থুং অনিমক মাগী থুং য়েং-ওই অনিনা অমমম পায়দুনা বোর পীবগুম হায়রকই। মহাকী রাভাংহুদা ভাইহাকী মমাংদা লৈরম্বা সাউনিংবহুমদি মাঙখিদ্রা ? পুক্লিংদা লোম্না মুংভাইবা ফাংরেকই। মুংভাইবা হায়বসিদি করিস্নু লৈরমদ্রে। পুক্লিংনা থোইদাজবদো মীৎকুপ অমা ফংবহু ওইরম্লে। মখা তাথরকপা রাহৈ অমমুক ভাইখি। মখা তানিংহল্লী। মরকসিদা মাগী য়েংথংবা লেংজুমদা য়াল্লিবা থাউহুদগী করিনো অমা লৌথোরকখি। খঙলে। বাইবলগী নিয়ু তেসতামেন্ত অমা ওইরিবা, মখুমদা 'দা গ্রেতেস ইজ লব' হায়না থাবা লাইরিক্ ওইরম্লে। ভসিগী ওইরিবা ফিভমদা হেন্না মরি লৈনবগুম উহল্লি। মঙুংদা করি ইরিখগে হায়বহুদি খঙদে। মমিংহুদি তসেংনা ইম্প্রেসন অমদি পীবগুম তৌই। মরক থৎলরে খনবা রথলহু থাদোক্লগা হেন্না সমজিন্নবগী মফম অমমুক্ পীররব্রা ?

পুন্সিদা অস্নুম্না অমুক থোক্লগনি হায়বসিবু থাজবা য়ারিব্রা ? থোকপা য়াবা য়াদবগী রাহংদা, থোক্লরে। মহাক মাগী লমথুংফম য়েরক্লমাল্লে।

থোৗবাল য়োৗবদা মাগী জোন-জোন সেংপা অভোৗবা ফিজোলসিংছু তপ্প-ভপ্পা লোইসল্লদুনা কুমথগদবগী সেম সারক্লে। কুমথৌরমদাইদা 'গোদ ব্লেস ইয়ু' হয়া অমুক্তা হায়রকখি। ম্রাহৈসি হায়বা লোইরকপদা তম্না খাম্বদা ভাইরিখা বসতুদগী কুমথখি।

পুক্লিংদা মুংঙাইবদুমদি চুদুনা লৈহৌরে। ম্রাইনাদি করি ফাওরম-গনি? মাম্মু মুংঙাইরমগদ্রা? ঐখোয়নিগী লৈনরিবা ফিভম হায়বা ভারবদি মাম্মু খরদি মুংঙাইফম থোকপনি। পুক্লিংদা হংনিংবা ফাওরকই। 'করি খনবগে?' ম্রাহংসিমক হঙ্গে খয়া মঙোন্দা লৈসল্লুবদদি মহাক মপি ইরা চেনবমখৈ, ভসাই পীরম্বা লাইরিক্নমক মচেৎ-মচেৎ সিংকুপ সানা সেগাইদুনা মাগী মমাংদা তাদুনা লৈরম্মে। ঐ মাগী অদুগুম্নবা মতৌদুদা করি খনখী-বনো খঙহৌদে। ইসানা ইসাবু খঙজরকপদদি খুনিভরসিতি য়োদুনা লৈরম্মে।

'সে সাতিনসি পাইবিখো। নোং চোৎলনি।' ঐনা বসতগী কুম-থবদদি মহাক ম্রাহৈসিমক হায়রকই। 'য়ারনিদা।' মাগী মপোৎ অদুক য়াম্না পাইমিংলিবা ঐহাক্না, করি খল্লুবনো খঙহৌদে ম্রাহৈসিমক হায় দোকখি। মহাক করি খল্লবনো খঙদে ঐঙোনদা তপ্পা লৈসল্লদুনা মমীৎ অনিদু মুম্না য়েংলকই। সাতিন্দু লোৗরম্লবশু ফগদবা। মথং থেংনবদা করিনো ঐখোয়নিনা হায়নগদবসে?

★ ★ ★

মসিনা করম্বা বোর

বলিদি লোইরে। বোরদি কংলব্রা ?, কনাগুম হায়বা ওয়োয়। পূজাদি লেপ্তুনা পাংথোক্লি থৌনিরিবা কয়াগুগী। অদুবু কীসিছুদি থোকখিব্রা তাবিরিবা মুরতিদুনা ? কুমওন খুদিংগী পূজাদি পাংথোকখিনি। থম্মোয় পান্দবা মুংগী মুরতিনি, বলিগী সাসিং মমাংদা লেপ্লিবা মা-কালিগী অসেংবা সক্তমদু।

সুপ্রতগী মন্দিরসিতনি, ওসি কালিঘাৎকী অরংবা মওাল ওইরিবা, অমদি থোইদোক হেন্দোক্লা লমদমসিগী মসক তাক্লিবা। মন্দিরসিদুনা কালিঘাৎকী অরংবা মাইথোংসে মীপুম খুদিংগী থম্মোয়দা কম থাবীবনি। থাজবগী। নোঙ্কপগী। ধরমগী অপুমবা ঈসোর ভক্তদা। ভক্ত কয়াগী অথোইবা মহাপুরোহিং অদুগী ঈসোর ভক্ত, খুঙংগী মীপুম খুদিংনা-তম-জনফম্নি। মহাক্কী মথক্কায় য়াওরবা ঈসোরগী থৌনি, ভক্ত ওইবগী অসেংবা থৌজাল, মপানথোংগী মাইথোংদা তাক্লিবা কয়াসিনা ভক্ত অসিগী মতিক চাববা খুদমনি। মহাক্কী ইমুং মমুং, মরি-মতা সুপ্রতগী মচানিপা অসিতনি খুঙংসিদ লৈরিবা।

ঐ ওসিদি কালিঘাৎতা অমুক হল্লক্লে। কয়াদা কুইরবা ঐনা মফমসি থাদোক্লমবা। মতমসিনা পুক্লমক ওহোকপীরম্মে। মতমদুদদি অঙাং ছায়বদা থোইনা মসক উরকদবনি। সুপ্রতগী ঐথোয় মরি মওাতনি। ওসিদি কয়াদা য়াল্লবা। চহি কয়া মীরৈবাক্তা মহৈ তম্ন্দ্বৈ মতমসিদা, কালিঘাৎকী ঈসিং তুংসিৎসিংসিনা ঐবু কাউথোকপীরবগুম, মহৌসাগী মতৌগুম হরাও হরাও লৈমিন্নবা ফংজ্রে। ঐগী পিক্লিবৈগী পুক্নি পুম্বা

মহাপুরোহিৎ অসিনা লৌসিনবীখিবা নৎত্রা ? ইমা পাবুং ওম্মমক থাদোক্লা ঐ চৎলা তাখি। ঐদা ঐসন্দপুর য়োরবা মতুংদা ইমা, সংসারসিবু পেন্না য়েংজবথা মখিং অনিতু অমুক হন্না উইসন্দুনা সংসারদগী তোঙাল্লবা তাইবং অমদা খোংসানখ্রে হায়না ঐ পাউ তাখি। পাউচুতনি ঐনা তাবা ফংলিবা।

"ওসিদি ঐহাক কালিঘাৎকী ঈসিং মুংসিৎতা ইরোইজবা ফংলনি। খল্লবনি, ঐ অমুক হন্না কালিঘাৎকী ঈসিং মুংসিৎতা য়াতাজবা ফংল-রোইদ্রা হায়না। মতমতুদা ঐ অসিবু লমদমসিগী সোক্লা সন্না য়াত্রবা মী অমা ওইখি। ওসিদি নংত্রে। তমুবা ইহৈগী মহৈনা, সরকারগী লোয়সং অমদা লৈরবনা, মমাংঙৈগী সোক্ল সন্না য়াত্রবা পুম্নমক চামথোকখ্রে। কন্নিদমক পুরোহিৎ অসিনা ঐবু লমদমসিদগী ইন্থোকখিবা ? সুম্নগী থৌদোক্তনা মুমকম ওইতুনা ঐবু লমদমসিদগী ইন্থোকপীখি। পীরবা হাথি-হাপুন্নরবা কোম অতুদা তারিবা ওক মচা অতুমক চিংথৎ-লুবদগী, ঐবু লমদমসিগী মীওইসিংগা সোক্ল-পন্না য়াদবা মীওইনি হায়না ইন্থোকপীখি। অন্নাবা পুন্সিদগী তাইথিং ফম্পাকসিদা অমুক হন্না য়াতা-হল্লবগী ঐগী পুন্সিনা সোক্লা সন্না য়াত্রবা মীওইনি হায়না মহাপুরোহিৎ অসিমা কয়াদা ইচং খোনা হায়খিবা। করিগুম্বা ঐবু লমদমসিগী ঈসিং মুংসিৎতা তিনবা পাম্নবদি চেং-হন্নাই লাইতং লাইতংনা খুজিং ওইতুনা মা কালিগী মুন্নতিসিদা কংলথা তুংদা লদমসিদা ঐহাক অমুক হন্না য়াতা-মিন্নবা য়াগনি হায়না হায়খিবা। মতমতুদা ঐনা কয়াদা ব্রাথিবা। পুরোহিৎ অতুদি করিম্নু নৎতবগুম হায়রকই, 'ইবুংঙো ঐনা তৌরিবসে সমাজ অসিগীদমক্তনি। নখোয়গীসু সরুক য়াওরিবনি। মসিদা নখোয়না সাউগদবা নৎতে। পেন্দবা কয়া অমা লৈরিবসু তসেং তাসেংনা হায়-দোকদবনি। থম্মোয়দা ওমসিন্দুনা থম্বা হায়বসিদগী হেন্না চাওবা পাপ অমা লৈত্রে হায়না সাত্রনা হায়রি।'

অমাং অসেং হায়বসিদি লমচং-সাজংকী তৌথোরক্লিবা মতৌগী মথা পোনব্না নংত্রনে? থব্রায় পানবা জীববু কনবীবা হায়বসে করম্না পাপ ওইগদৌরিবনো?' ঐনা হংখি।

'কৱিনোনে ইকুতো? সে'ক্লা সম্না য়াত্রবা, মীওইবগী সধারন, নীতি খবক্রগী তোথাইবা থবক কয়াতু তৌরুরবদি ইসোরগী মমাংদা ওন্নমক সেং-দোক চায়থোক্লদবনি। অমাং অসেং হায়বসিদি চংন পথাপ্তা তীল্লবা, য়েলহৌঙে তাইবং লোনচংতগী খজিক তাইওন্নবা কয়া অতুবুনি। মথোয় কয়া অতুত নংতনা মথোয় কয়া অতুগা নরুরবা কয়াতুবুসু, মথোয় কয়াতুগী মনাক-নকসিন্নরুরবদি, মথোয়তুগী নীতি লৌনবক্রা হায়না অমাং অসেংগী ফম চাওনা থারিবনি।'

'অতুম তৌগ্রবদি ঐহাক থুলসিগী মীসিংগা মরি অমংতা লৈনদ্রব্রা?'

'হায়গ্রেদমা। চেং-হরাই লাইতং-লাইতংনা খুজিং ওইতুনা ম -কালিগী মুরতিদা পূজা পীথীগদবনি। ঐনা হায়রগা হেক্তা লোয়বা নংতে। ঐহাক্তি শুপ্নতগী মহাক্তী মথোংদা তুরিবা ভক্ত অমনি। মতুগা লোয়না লোয়ননা নথোয়গী পান্দমগীদমক ঐহাক হিংলিবনি। ঐহাক্লা নথোয়বু দোল কয়াদগী ওাকথোকপীরীবনি। নথোয়গীদমক ঈসোরদা ফম চাওনা থাহল্লিবনি।

মতমতুদদি লমদমসিগী মীওইসিং ওন্নমক পুরোহিৎ অসিগী তুং-ইনবা ওাক্তনি। সাত্রদা হৌনা থওবদা লমদমসিগী মীওইসিংনা ইক ই খুম্নরিবা মহাক্ মাইয়োক্লনা লেপ্পা হায়বসে লমদমসিগী মাইয়োক্তা লেপ্পনি। মহাক্তা মাইয়োক্লনা ঐহাক করম্না লেপ্পা ওন্নগনি। থনখী। অসুম্না লম-দমসিগা মরুম্নিংবগী অপাম্বা লৈনা-লৈনা ইথোকপিরিবা ঐহাক্তা অমুক থশোয় সোক্রবসিদা. পীক্লীবা হায়েং কয়াসিং অতুদি বলিগী সায়োকসং য়োরবা মতমতুদা কৱি থল্লমগনি? মতমতুদা মথোয় সিবা পান্নমগদ্রা? মা কালীগী মুরতিতুদা কৱি থোয় নিরমগনি? লোল থোক্রবা মথোয়না, মথোয়গী ওম-জবী থাতুনা. মথোয়গী মরোলদা 'ঐবু অমুক্ত' কনবীয়ু। ঐবু অমুক্তা কনবীয়ু।' কয়ারক হন্না থে িহুরস্নোইদ্রা?

বলিদি লোয়রে। নীরিবা মহাক্কী অপাম্বা বোরনা করম্বনো ? বলিগী সাসিংহ্নুা নীরিবা বোরছুদি ওইরম্লোই। ববম্বা বোরনো মা কালিগী মুরতিহ্নুা পেনবীহ্নুা পীবীগদবা বোর অহু ? হায়েংগীরা ? নংত্রগী তৌবা ওম্মী তাক্লা থৌনিরিবা মহাক্না ? নংতে। হায়েংহুগীদি ফংখিদ্রে বোর অহু। অহুবু বলিদার অহুদি বোর অহু ফংখিব্রা ? অসুম তৌনা বোরহু ফংখীবা তারবদি, লাইরবা অতোনবা মহ ক অহুগীদি সংসার অসিদা কনাসু মীচং লৈদ্রে হায়না তাকপা নংত্রা ? করম্না ? লাইরবা, চেং থোইদিং, দোখনা নংত্রগা বলি তৌবা ওম্নবা সাসিং লৈবা ওমদ্রবা কয়াহুবুদি মা কালিগী থৌজান ফংদ্রে তাক্লিবা নংত্রা ? ভক্ত ওইবা তারবদি সেন পাইখিবা তারি। চেং হুরাই, পোইদিং, দোখনা কৎপা ওমদ্রবা কয়াহুবুদি, মা কালীগী ভক্ত ওইবা য়াদে হায়না মা কালিগী মমাংদা করিগী থেৎপীত্রিবনো ?

মা-কালিবু সা ভা চাব্রা ? পাপ পুইনা মাগী চিনবান্দগী থোকপ্রীব্রা ? মুংগী মুরতিনা মরোল লোদ্রবসু, মারাল- লোনবা পুজাগী ভক্ত লৈরি। অরোনবা মতমদা পাউখোও ফোংলকপা মা কালিগী মুংগী মুরতিনি। মুংগী চিনবাল্লা থোহ্লোক করাগী মরোল লোল্লক্রবদা লেংখিবা মহাপুরোহিংকী চিনবান্নি। ধরমগী অসেংবা ফিদাদা ফংলিবা মহাপুরোহিৎ অসিসু মীওম্না। থম্মোয় পাল্লি। মচাবু মুংসিবা থওই। মীগী অরাবা উই। অহুম ওইনমক, ধরমগী লানসংদদি চেং থোইদিং দোখনা সুদনা লাইনিংবা য়াদে।

ওসিগী মীরোলসি অহুত্তৈগী মীরোলহু নংতে। ওমাং-নহান থেম্নবা লৈবগুম, ওসি হৈয়েংগী থেম্নবসু অসুমক লৈ। মতম অমদা ধরমগী আত্রমদা মীপুম খুদিংমক লেপ্পুরবসু, ওসিদি মাং-তুংগী ওইরিবা ফিভম য়েংহ্নুা, তুংগী মুংওাইগদবা অসাদা হিংনরবা মত'ম। ধরমগী মীংথৈসু লোল্লি। মীপুম খুদিংমক ধরমবু থাদোক্লে হায়বদ্রি য়াদে। অহুম ওইনমক মমাংত্তৈগী অমাং অসেংনা থাজিন্দুনা থমুম্বা মঙ্গ কয়াদি ওমমক হাংদোক্লে

হায়বা য়াই। মতমগী মীচংদা লেপ্লবা থরমব্রীরস্থগী মচানি। মপা-মচাগী খেন্নবা থরমগী মায়কৈদদি তংতনা উরা ফংই। পুকচেল তিন্নরম্বা য়াই। থম্মোয়নুং সুম্লীরম্বা য়াই। থরমগী মায়কৈদদি মপা মচাগী খেন্নবা তংতনা উবা ফংই। উক্লরবনিনা খঙবা ঙমদে, থম্মোয়স্থংগী রারিস্থদি। মপা মচাগী অসেংবা লক্কমদা লৈরিবা স্থংগী মরিস্থদি জংলমগনি থাজদে। তংস্থ তংখিদে। মপানা হায়বা রা কৈদৌঙৈ হিত্তোক্লনবা মচা ওইবা মহাক্কা ওম্বমখৈ হোৎনখি।

পুরোহিৎকা মীচমগা সোক্লবা য়াদে। চালুক অমতদা তীন্নদুনা চামীন্নবা য়াদে। করিগুম্বা পোৎসক অমা য়েন্নদুনা চামীন্নবা য়াদে। পুরোহিৎ, পুরোহিৎ ওইনা পোক্লকই। ইনথৎলক্লিবা নহাসিংদি মীচমগস্থ চৎমীন্নৈ। চাক-চালুক অমতদা তীন্নদুনা চামীন্নৈ। মীগা-মীগা লৈনবা মরিদা অমগা অমগা চপ মান্নৈ। পুরোহিৎ, পুরোহিৎ ওইনা পোক্লকপা নৎতে। পাবী পুরিদগী চেন্নরকপা ঈরিক খুদিংমক সমাজনা সেম্বনি। থরমগী মীংখৈ সোনবা, পুজা হায়বসিদি মীপুম খুদিংগী থম্মোয়দা ফম থারীবনি। ঈসোর হায়বসিদি মফম খুদিংদা হোংদোক-হোংজিন তৌদুনা অস্নুম্মক লৈরবনি। করিগুম্বা মতমদা চালুক লান্নরিঙৈ থরমগী ময়াইদা ফম্নীবা অহল-লমন উখিবা য়াওই। মপাবুংদা পাউদমজে। অহুবু অউবা মীৎস্লানা লানবা, অতাবা পাউদমগী মখোনবু সেংলবা থরমগী ফজরবা কাংসি মখোন্না তংতনা সেংদোক-পিখি। ঙসিদি তংতনা খিংখিবা কাংসি মখোলদো অহুক্কী মতিক হৌজরবস্থ করিস্থ কান্নখিদ্রে। সুমীৎসন্না, পুরোহিৎ অহুনা মহাক্কী মচানিপানা, হৈরাং লায়, লৈরাং লোম্থপ লোনজাননা লৈরমবদো তসেংনা উখি। করিগুম্বা পুরোহিৎ অসিনা মদোম লমদাং ওইরম্লবদি, খঙলম উরমদবা য়াবনি। ঙসিগী থোদোক অসিদি, মা কালিগী অসেংবা ভক্ত, অহন্ ওইরবা নিপা অহু মাওক্লবনা খঙদ-উদ য়ারোইদৌরি।

ঙসিদি অনৌবা মীচার অমমুক লাক্রে। মতম অমগী তাইৎন্নবা মীচার অমমুক লাক্রে। মতম, অমদদি লমদমসিগী থোদোক রাথোক ওন্নমক

মহাপুরোহিৎ অসিনা হায়রম্বনি। ওসিদি পুন্নমক নাথেরগা অচুম্ব-অরান্দগা বিচারসিনক ঐনা তৌবা তারি। থুলসিগী মীওই অয়াম্বনা অচুবা বিচার তৌনবা ওংতনা হায়রৈ। থরমগী সাসন্দা, মতম কুইনা অমলুবা ইহৈগী মঙালনা, লম্দমসিগী অহল লমন পুন্নমক মমীৎ তাংহনবীবগুম তৌরে। থুনসিগী মীওই থুদিং বীচারসিবু য়েংনন্দবা অমা লাক, অমি লাক, পুন্নমক চোন্না ডিন্নরে। পুন্নমকসিগী ময়াইদা চংলহুনা মহাপুরোহিৎ অহুনা হায়রকই, 'ঐগী ইচাসিনক, মীচম প্রজাগা তোৎন তিন্নরে। হৈরাং লায়হুনা চানীরয়ে। ঐ য়াই। অহুম ওইনমক মহাকপু মহৌসাগুম মা কালীগী মমাংদা অমুক সেংদোকপা হায়বসে থাহিনদগী চৎনরক্লবা নৎত্রা'?

'অমাংবা মীবু সেংদোকপা য়াবা হৌনদে। ওসি সংসারসিদা অমাংবা মীওই অমত্তা লৈতে। অহুমদি ওইরবদা পুরোহিৎ পুরোহিৎ ওইনা পোল্লকই। পান্নী পুরীদগী চেন্নরকপা ইরিক মসাগী য়াওজরকই। ওসিদি মহাক অসি পুরোহিৎ ওইবগী গুন চেন্নমদবমা, পুরোহিৎ ওইবগী হক অমুক হন্না মহাক্তা লৈত্রে'।

'নৎতে, ইবুংঙোগী হাকমহু। অমাংবা মীবু সেংদোক চামথোকপা হায়বসে পারী-পুরিদগী চৎনরক্লবনি'।

'চুম্মী, থাইনদগী চৎনরক্লবা পারি-পুরিগী লোনচৎ সাজৎ হৌজিক হিংলিবা কয়ানা থুগাইবা হায়বসে ভসেংনা অহল-লমনসিংহুবু তাথি তাইওননা খোঙগাউবনী। অহুমদি ওইরবদা, মহৌসাগী পান্দমদি অতোন্দবা সাগৈজাংকী মীওইসিংবু অরাংবা সাগৈ জাংকী মীওইসিংনা সেংদোক-চামথোকপীবনি। অসিগুম্নবা চৎনবী অসিদগী, মহাপুরোহিৎসিংবুস্ন সেং-দোকপা য়াই, মতোন্দগী হেন্না চাওবা সাগৈ জাংকী মীওইসিংনা'।

'পুরোহিৎ, পুরোহিৎ ওইনা পোল্লকই। পুরোহিৎতগী হেন্না ফবা সাগৈবু করম্বা সাগৈ জাৎনো'?

'লৈরি। মা কালিস্ন লৈরি। করিগুম্বা মহাক্না অতোন্দবা সাগৈদা পোল্লম্বদি ঐথোয় কয়ানা মাগী মখোজদা চংজহুনা করিগী থোক্লিক্লমি?

মহাক্কী সেংলবা মঙালদা ভারিব গুণবু মালেম প্রিথবীদা লৈরিবা ঐখোয় কয়ানা তমঙমদবা কয়াক্তুগীদমক থৌনিজরিবা নত্ত্রো? করিগুম্বা মহাক্কী সেংলবা সক্তমনা অয়ানবা পুম্ববু হন্না অমুক চামথোকপিরবা, লমদমসিনা মহাক অমুক হন্না পুরোহিৎ ওইবা য়াখিগনি। নত্ত্রগা কনাগুম্বা লমদমসিগী মীওই অমৎতগা মহাক্না ঈ-পাত্ত লৌনদনা লমদমসিগী চিদাই অমদা মদোম্ব পুক্নিংগী ঈথিল পুম্বা ফাথবগী থৌনা লৈরবা মহাক লমদমসিগী ইসিং-চুংসিৎতা অমুক হন্না তিনবা য়াখিগনি। নত্ত্রবদি, মহাক্কুম্বা হিংবগী চৎন-লোনচৎ খঙদ্রবা কয়ানা খুন্দাক্নুনা. ওসি কালিঘাৎকী অরংবা মায়থে.ংদা অমুবা সক্তম লাংসিল্লিবসে কোকপা ওমদনা অম্মুম লৈগ্রগনি'। অম্মুন্না সভা'তুগী বীচার অতুম্মক লোয়সনখি।

মতম অমদা মসোং কন্না চরাংনরম্বা কৈসালগী মতৌগুম ইচং থৌরম্মবা পুরোহিৎসে ওসিদি অতেবা সনদগীস্মু হেন্না তেগ্রে। সভা ময়ামদা লৈরিবা ভাবোক পুন্নমক অচুম্বা বীচারনী থন্না, বিচারপতিগী তাংবন্দা কম্বা মতিক চাই সোন্নহৌই। মতমসিগী অহল-লমন গুন্নমক ঈসোর থাজবা ভাক্তশি অমদি অমাং-অসেংগী রাখল পকসিন্দুনা লৈ। অতুবু বিচারপতি অতুদি সুপ্নতগী পারা অমথক পুরোহিৎ অতুবু ভশ্নৌনিংই। মহাক্তি মীপুম খুদিংবু মান্নবা য়েংবা পাম্মী। পুরোহিৎপুম্মু সুপ্নতগী মা কালিগী সেবা তৌবা ভক্ত অমগুম উই। অতুম্মদি ওইরবদা পুরোহিৎ অতুগী অৱাংবা দরসন মানবা মহাক্কী রাঙাং-সঙাং অমদি মহাক্না হায়রবদি পুন্নমক চুন্নবনি থনজবা রাখল অতুতনি মহাক্না থাদোকহন্নিংলিবা।

অতুগুন্নবা বিচার অতুদগী করিগুম্বা থৌদোক অমদি থোকখ্রে। ময়াম মমাংদা ইকায়বা ফংখিবদগী মপাগা কায়নখ্রবা মহাক অতুনা, 'ঐ অসিবু খুনসিদা লৈনা-লৈনা খুনসিগী অসেং-অমাংগী খুৎসেমদা, লমদমসিগী মী ওই খুদিংগা সম্নদবা, অমদি লৈ হায়বফাও খঙদনা লৈবা তাম্নবা, অম্মুন্না লেনবা পুন্সিদম্মু অহিংবা হায়বতুগী নিতিরা? হে! মা কালি নংদি জগৎসিগী

অবতারনি। পোকপা সিবা, সাবা সেম্বা পুম্নমক নংগী নখুৎতা লৈরিবনি। করিগীনো নংনা মীগা মীগগী মরক্তা অচৌবা পল অমা সেম্নমত্তুনা, তোখাই তোখাইনহনবগী রাখল লামসিন্নহন্দুনা মীওইবগী পুক্নিংদা লেক্তেংলরিবা? ওসিগী অসিগুম্নবা তাইবংগী চৎনবিসে মীওইবসিংনা খাওবা ওম্বা সক্তিগী রাংমদনি। অত্তুবু মী ওইনা পোক্লবদি সিবগী খোঙফমদা খোঙ থাংজিংবা হৌরবনি। নোংবা নৎত্রেগা নোংমদি সোইদনা সিরগদবনি। মতমত্তুনা য়োৎত্রিঙৈ ননাইদি নফমদা চংজরবনি। হৈয়েংমুক্কী মপোক্কদি মীগা-মীগা খেন্নবা লৈতবা অত্তুগুম্নবা মফমত্তুদা য়াত্তাহনবীখু'।

মা কালিগী, অচৌবা মুংগী মুরতিগী মমাংমক্তদা তাত্তুনা লৈরিবা, থরায় য়াওত্রবা হকচাং পোলাংত্তু পুরোহিৎ অত্তুনা হেক চংখিবা থোংজংদগী ইরাই লায়না উবা ফংলে। অসিগুম্নবা থোদোক অসি উরুবদা পুরোহিৎ অত্তুদি মদোম কপচবা নৎতনা করি উপায়দি লৈরি। পীরা চোৎনবা মীৎম্না অনিগা লোয়নন, 'মা কালি সিবা নংবু পারি পুরি কয়াগী হাক্তকগী পুজা তৌবগী মহে? ছায়নবদায় ভগবান নংগী থোজান। নীনবদাই নংগী মুংগী ওইবা মুরতিদা সাত্তিগী ইরা। কদায় সাত্তি? সিরা সাত্তি? নংসি মুংনা সাবা মুরতিনি। থম্মোয় পান্দবা। থাজবা কয়াতনা লাৎচবা। ঐদি নংবু থাজদে। মীওইবগী থম্মোয়বু ইংহনবা নৎতে নংগী পন্দম। লাওহনবনি। নংনা ওসি তাইবংসিদা লৈরিবসি কন্নি তৌখ্রে, সুপ্নতগী মীওইববু অরাবা পীবা নৎতনা? মীওইবগী অচা অথক চহি কয়া নংনা মুন্দুনা চারিবসিগীরা নংবু তাইবংনা লাৎনরিবা'?

* * *

লৈই-সিনা

ঐনা চঙথিবদা রামপ্রসাদ লৈরম্মী। মা লৈবসে ঐস্সু কয়া হৈনদে। সিমথাস্সু হৈনদত্রা খঙদে। ঐঙোন্দা তৎতনা হায়, 'মসি হম্মুবসি মমিৎ অসে য়াম্না সাউনিংই। কাচিন য়োৌনা হেক য়েংলদনা'। অদুবু মমানা য়ারি। মখোয়গী খ্বাইদগী নকসিন্নবা তাথোক-তাসিন তৌফম ওইরি। সিমথাদা তৎতনা হায়, 'সংসারসে ঐখোয়গী কনাস্সু লৈতবনি। মা অমা লৈবসে ঐখোয়গী কয়াদা লাইবক ফখ্রবা? ৱাহৈসিমক ঐ সাউনিংই। খল্লি। 'ঐ লৈরিবসিদি। হম্মুবা মানা কৈদৌনদোইনো' ?

'ইবুংঙো। নং লাক্লিব্রা' ? কুইনা লমসিদা লৈরকপগী হৌনবী মরোল খোইবত্রমদি খরদি হম্মুরে। 'ফম্মু! ফম্মু'! ফমুংদা হিপ্পা-হিপ্পা হায়রকই, 'নচলস্সু লৈসাখি ফারকপসিদা…'। ঐদি মচা নিংঙোম্না লৈসাবী ফ.রকপদা লৈবা ওমদবসে লমদমসিগী মমা ওইখিসিংতরা হায়না খল্লুবনি। অদুবু মসিদি মফম মতম নাইদনা মফম খুদিং সন্দোক্লুনা লৈরম্মে। কৈগীনো খঙদে। সুমিৎতু ঐ য়াম্না হৈনখীদে। মতুংদদি অমুক হন্না মখোয়দা চৎলরোই খল্লি। চৎস্সু চৎলুদ্রে।

নোংমা সিমথা ঐখোয়দা লাকই। সুমিৎতু পাবুংগা ঐগা ৱারি সারি। মা চৎলকপা উবদা পাবুংনা ফম্মু হায়রগা ৱারী হৌরকই। ঙরাংদি রীং লাকই। কুইনা খিংমল্লবত্রদা পাইরুই।" নহা ওইরমগনি। ঐখোয় সুদেস হংলকপনি।

'সুদেস লৈব্রা ?'

'লৈতেনে ইবেম্মা। সুদেসসে য়াম্না ঙাওসিন্নরে। ঙসি নিনি হুম্নি সুরে য়ুমদা হল্লক্লবা।'

'মানা পঙাও ঙাওবা য়াত্রা। ঐ লৈরিবসিদি। ঐ ত্তোগে। ঐ ত্তোগে।'

ইবেম্মম্ কনানো।'

'লৈসাবীনি।'

'মীং — লৈকম ... ?'

'কোম্ম খঙনদো লৈবসিবু কৈকান্নব ? পাইবীরক্লিবসিবু সুদেসকী কনা ওইরবনো ?'

'ঐ সুদেসকী মপানিনে মপা।'

'ওহো। ইকুবোক। ইকাইজরেদা সৈত্যা কৈ-কৈ অসুক য়াম্না হায়দোক্লরগা।' মসি হায়রগা ফোম খঙথম থমখি।

পাবুংগী ব্রারিসি ত্তারগা মা করিস্সু হায়রমদমা ফুক হৌগৎলগা চৎখি। সাউরমগদবা মাল্লি। মাবু কৈগী সাউরমগদৌরিবা ? মরক-মরক্তা জাৎ তিম্মরমদবগী ব্রারৌবা অমদি অসুম্মক ফংলম্বা য়াই।

সহরসিদা খ্বাইদগী থবক চিনবী মুপী অমা খনবা তারবদি মহাক নত্তনা কনা অমমুক লৈরমখিগনি ? তসেংমা হায়বা তারবদি মহাক য়াম্না চিনজবীনি। অয়ুক্তা ম্যুনিসিপালিতি এরিয়াদা ব্রাই সিংপা চৎকনি। হল্লক্লগা মমাগী সেবা ত্তোগনি। ইমুং-মম্নুংগী থবক-থনা, কুপ্নোম-কৈনোম পুম্মমকপি মাগী মথক্ত তারবা ঙাক্তনি।

ইখঙ খঙনবা সিনফম ওইম্নবম্নু করিগুম্বা লম্বী সোরোক্তা ব্রাই সিংতুনা থেংনবা থোক্লবদি মা লকক ত্তোই। ত্তথক-ত্তথকপা মমীং অনিচু হম্ন-হম্না য়েংলকই।

'কৈদোরে থবক লেপ্লবদি ?'

'ঙসিদি য়াম্না ঙম্না কদাই চৎত্তোইনো ?'

'নংনা থবক ত্তৌবসে য়েংনীংত্নুনা থোরকপা।'

'সিনফমসিদা লক্লবগী ...।' মা মমিং অনিদা ইম্না চেনবমখৈ খুম্নকই। 'ঐনা নঙোন্দা অহুম্না লক্লবা ঙমগনি হায়বা নহাক থাজব্রা ?

সংসারসিদা হিংমীন্নবনিনা মসিদা য়েংবা মীয়েং খুদিংমক মান্নফম থোকপদি অমুম্মক থোকপনি। ঐ লাল্লে।' ঐগী রাহৈহ্নদা মানা তৌফম খঙদনা লৈখীবা মওংদো ঙসিসু কাউদ্রি।

তসেংনা রাই সিংকদবহ্নদি মহাক নংত্তে। মমানা ঙমন্নবনিনা, মহাক্না মমাগী মহুৎ সিন্না রাই সিংপা তাই। মহাক লৈসাবী মথোৎ কারক্লিবীনি। পুন্সিগী থেঙগৎলক্লিবা ইথেংগী সক্তম ফাথবা ঙমদ্রিবী নৌরবী থম্মোয়গী লকাম্লুংদা কল্লবা মৈসানা লাকহল্লবা মাগী সক্তমনি। অদুবু মসি পুম্বসে কনানা খঙবিগনি ?

অঙাং ওইরিঙৈ মহাক ঐহাক তোইনা সান্নমীন্নে। মাগা ঐগগী মরক্তা জাৎ তিন্নদবগী মরি অমা লৈরমবহ্নমক মতমহ্নদদি খঙথিদে। ঙসিদি খঙলে। মহাক অচৌবা সহরদগী সেংনীংঙাই-চানিংঙাই লৈতহ্ননা মফমসিদা য়োরকখিবনি। মা-ঐ তোঙাল তোঙাল্লবা কলচর অমমমনি। মানা সারী সেংপা মতমদা, মাগুম্নবী মৈতৈ চন্নু কয়ানা ফনেক সেংকদবনি। মাসু লমদমসিদা লৈবনরা কন্নিনো খঙদে। ফমেক্তি য়াম্না তোইনা সেংনিংবগী মওংদা পাউমেল্লকই। নোংমা মহাক হঙ্গাম মপাল মচুগী ফনেক অমা পুহ্ননা ইকমদা সেংপীয় তায়না লাকখি।

'ঙসিদি কৈমো অমা হায়গে নং য়াগদ্রা ?'

'ঐনবু নংনা হাম্নবদা য়াদবা কয়াম য়াওখ্রে ?'

'সে অহ্নদি ফনেকসি সেংপীয়ু।'

'এঃ মহ্নদি ঐ ঙম্লোই।'

'নং ছৌজিক্তা সেংপীনি হায়খ্রিবহ্নদি।'

'অহ্ন ওইরসু মহ্নদি ঙম্লোই।'

'অতোনবী কনা লৈজদবীনী থন্না ঐবুসু থন্না হজোইদ্রা ?' রাহংসিমক মহাক মমিংতা মপি ভাগে তৌনা হংলকখি। ঐসু নুংঙাইতে। মহাক লমদমসিদা য়াম্না কুইনা লৈরক্লে হায়ববু, মীতৈ মুপাসিংদি চুপীগী ফনেক

লোকপা খজিক্তং হঙ্গোইনৈ হায়বসে মহাক খঙখিদ্রমাল্লে। ঐহাক মুঙ্গে ন্দা তাকপদি তাকখি। য়াম্না ফজবা খুসেৎতুমক্তি ওইখিদে। কাবক কাবক সেৎপা খুসেৎ ওইরবস্থু, মসক ফজবননি খঙদে, য়াম্নদি ফজে। চন্দোন অমতং য়াওরম্নবদিকো হায়না পুক্লিংদা খনখী।

পুক্লিংগী অকোয়বদা লৈরিবা সাগৈ জাৎনা অমনি। পুক্লিংনা তোঙাল্লবা সাগৈ অমনি। হৌজিক্তি মপুম মরৈ কায়রুবনবা করিনো খঙদে, ইমা পাবুংনস্থু মাগা চৎমীন্নবা, পুনমীন্নবদা ঐবু মরক মবক্তা কৌসিন্দুনা চৈরক্লে। ঐহাক খঙদে, মীগা মীগগী মরক্তা চাওরবা পল অমা লৈ হাৎবসে। পলসিদি অতুক্কী মতিক চাওরম্লে। মসিদি মীওইবা জাতিনা লৈবিমথৈ অস্থুম্মক লৈরগদবনি। মহাক্তি পুম্নমকসি খজিক-খজিক খঙবগুম তৌই। মরক মরক্তা ময়োল খোইতক খোইতক তৌরদুনা হায, 'সিদৈদি চাওরক্রুবনিনা পুক্লিংসে অস্থুম-অস্থুম অর্থ থোক্লরোই।'

ঐদি খনখিবনি। পুক্লিংদি মপুম ফারক্লবতদা আর্থ থোক্লকদবনি। মানদি করিগীনো মপুম ফারকদগা আর্থ থোরক্লয়োই হায়রিবসে? অমুকস্থু খল্লি। অঙাং ওইরিঙৈদদি ইমা পাবুংনা মাতবু পামজনা ইমুংগী থবক কযা তৌহনখিবা। ঐখোয়নিবু য়েংল-য়েংলদুনা কয়া অমস্থু নোক-খেখিবা। ঙসিনা করিগী মাবু লোয়নরুবদা অস্থুক সাউরিবা? ওইরমস্থু য়াই। গলি মনুংগী যুম্লোমসিদা ঐখোয়নীতনি খাক্লদগী লেঙ্গা মান্নলা হৌমিন্নবা। ইমান্নবা অতৈ লৈতবদগী ঐখোয়নিতা পুনখিবস্থু ওইরম্বা য়াই। পুম্নমক ওইপ্রবস্থু ইমা পাবুংনা সাউবগী মরমদি ঐহাক খঙদে।

পীক্লিঙৈগী ব্রারীসিনা পন্দুপ অমা ওইনা হৌহনখ্রগা লাক্লিবা কয়াসিনা তোঙ'ল্লবা সক্তম অমা য়েকপা। মসিবু পুক্লিংগী অসেংবা সক্তমদুরা? সক্তম লাকসিনবদা ব্রারবা মীওইবনা তৎতনা থিরিবা খুদি পরেংসিং। পরেংসিংসিনা লেংলিবা মীওইবগী মুর্তিসি অঙকপনি। পাবুংগী ব্রারীদা সাউনা চৎখিবা মাগী মওংদ্রো ঙসিস্থু মুংঙাইত্রি। অমুক্তংদি চৎলুগে। পুক্লিংমা তৎত্তনা লেপ্পী। চৎলুবদি ঙমদে।

নহাক্নমথৈদি ইমাদো অয়াম্বা মতমদা কম্মৈদা লৈরম্বনি। ওসিদি হৌরকতুনা কদাইদনো অমা চৎকদবগী সেম সারকই। 'ইমা কদাই চৎপীদোইনো ?'

'মুমীং মৌনী-হুমী রাই সিংতবগী থবক তোক্লগেরা হংলক্লে।। মসি তৌত্রবদি ইমাখোয়দি করম হিংলুনি ?' হকচাংগী ক্রিভম ফংতবদগী, হিংনবা হোংনবগী থৌদাংনা সরুক চাম্ব হেক্না হায়বগী চপ চাবা পাউখুম পীরকই।

'অদো সিমথাদি ··· ?'

'নখোয়দা চৎপনি হায়রুনা চৎখ্রগা হূমকপদা রাম প্রসাদকা অতুম চৎমীনখ্রমাক্লে। ওসি মরিনি সুরে। পাউখুম অমৎতা তাদে। করি তৌরবজাৎনো ? মাগীদি মসিনা ফরে।' রাহৈসিদা মুংঙাইতবা অমা য়াওনা ঐনা হংখি 'অদুদি ইমা, লুহোংবীবা তারেনে।'

'উম।' পাউখুম অমদি পীরকই। খ্বাইদগী তনবা পাউখুম, 'পুন্সি চুপ্পগী তুংসিনজরক্রবা সেনসিংনি। মসিনা হুপী অমা লুহোংবা কোরগদ্রা ?' সেনচেই ময়ামদো মসিং থিরুবা ওইরমাক্লে মমাংদা তারিবহে। ওসাই মথৈ উবু-উরুদে। 'অয়াম্বসু লাইয়েংবদা লোইসিনখ্রে। ঐদি লাইয়েংদ্রবসু মানবু মফম চাব অমদা লৈহৌরবদি থনবনি। মতুংসু নচলনা য়াদে। হৌজিক্তি থবক থোক্লবনিনা কমদোগদবনো খঙদে।'

থরা লৈরগা রামপ্রসাদ সিমথান লোইননা মখোয় হান্নগী য়ুমদা লৈররে। লুহোং-লুহোংদবা য়ম্মা মুংঙাইন লৈম্মৈ। রামপ্রসাদত্তি সেনজাও পাইবনি। মহৌসা সেন থুমগী অরাবা লৈরম্লবসু ওসিদি কাউরম্লগনি। সক ফজবগী অওকপা গুন অমদি তাইবংদা অসুম লোৎতুনা লৈরম্মী। মসিননি নিংথৌ নিংথৌরেল কয়া-কয়া মখোগীদমক মপুনসি মাংনরিবা। সিমথাসু মহৌসা ম্যুনিসিপাল এরিয়াদা রাই সিংলম্বহু তোকখ্রে। রাই সিংলম্মী হায়ব'ফাও কাউরম্লনি। অরাব থবক্তি হেক থাদোকপগা লোইনা কাম্বা ওন্মী। মুংঙাইবতনি পুক্নিংদা চুহুনা লৈবা।

সিমথাগী মহৌসা নংত্রে। য়াম্নমু কেয়ে। ফজবমু হেন্নে। রামপ্রসাদকী অঙাং অমমু মীতপ্পমান্নে। মহৌসা মমানা মথোং মরম খঙদমা য়ুম পাল্লুবগী অরাবা তংতনা লৌহুনা কুপা কংতবতদি য়ুম পান্নোই হায়মছু নিংসিংলকই। পুন্সিগী মং অমদি চুম্লেদনা। মীংকুপ অমদি মাগীদমক মুংঙাইবিরুই।

নোংমা অয়ুক অমা সিমথাগী মমা সোল্লি-সোল্লি লাকুনা রামপ্রনাদ ঙাইহাক্তা থাবীরুনবা ঐঙোন্দা হায়রে। 'ইবুংঙো মং নংতনা কনাগু লৈতে।'

'কয়াম কুইরগে হল্লক্কবা?' ঐমু হংখি।

'ঙসি নীনী-হুম্নী মুরে। ঙাইহাক্তা থিবীরু।' ঐ খঙই। ফনা খিরুরবমু কৈদৌঙৈ ফংলোই। লোংকে য়াওনা লোংপা সোইদনা ওইরমগনি। সোমদদি নোংমা নোংমগী মপুম কাগংলক্লিবা সিমথাগী ফিভম। মহৌসা হিংনবা উপাই ওইরবা পুন্নমক থারবা পুন্সিনা মাবু কয়াম কুইনা ঙাইথিনি? ঙাইবগী রাররা পুংজাবু চোকথররা পুন্সিংনা করিমু খন্দনা মাবু ঙাইবা ঙমখিগদ্রা? রাই সিংগমু তোক্লবনিনা, মথোয় কমদৌনা চানি? মথোয়গীদমক মুংঙাইবীদে। মফম খঙদনা চংলুই। ফংলোই খঙনা থিজিন্নরুই। পাউদি হায়দোক্লবনা চুম্ব্রা?

সিমথা কন্ড্রনা লৈরম্মী। মমাগা করিমো অমা সোইদনা হায়নরমগনি। পুন্সিগী সোম্বা মতাংসিংদদি সমাজসিদা ফজবা পোংসক অমংতা লৈতে। মীংকুপ অমা পোথানবা মতম ফংলোই। মাগী মমিং অনিদা চেম্বৃরিবা পীরাংদো, ঐ খঙই থম্মোয়দা খ্বাইদগী চাওবা লাল অমা সোইদনা সোক্ল-রমগনি। মুমিংসিদনি ঐনা মাবু খ্বাইদগী থম্মোয় সোকপা মান্না উথিবদি। করি শল্লুবনো খঙদে, ঐগী ইথুং অনিসিনা মাগী মীংলু অনিদা চেম্বৃরক্লিবা পীরাংসিংদো তপ্পা-তপ্পা তৈথোকপীরুরি।

★ ★ ★

লায়য়েংসওদা

দাক্তর খনানি। ইম্ফালগী ময়োন, খ্বাইরম্বন বজারদা দিস্ত্রিক হোসপিতাল। মী কুংলবা মীনিলগী মরক্তা অনাবসিংগী অর্রা-অনা লায়-য়েংফম। ঐগী ইমাস্থু মফমসিদা লায়য়েংগদৌরিবনি। অনাবগী লাইওং খওলগা হিদাক থাদ্রিবা অনাবনি। দাক্তরগী মোংতা হোসপিতালদা নোংমা-নিনি লৈরগা, অতোপ্পা লায়না য়াওদ্রবা য়েংলবা তুংদা হিদাক থাসি হায়রি। তৌববুদি য়াম্না কন্না ওমদবদি নংতে। চংপস্থু চংলি। নোকপস্থু নোকই। সধারন লৈরিবা মওংসিদা অস্থুম্মক লৈ। কনানস্থু অনাবনি হায়বা থাজদে। অদুবু লুরিবদি, অনাবসিমক অহোৌবা ইচৈজগীদি খরা লাপথোক্লবা চহি অনি অহুম স্থুরবা অনাবনি।

থংনবা কাদা লৈরিবত্থু মুপীনি। অঙাং উম্নগদবা এইরমাল্লে। ওসি নোংম-নিনি স্থুরবসিদা ওম্নমক খওনয়ক্রে। মখোয় ঐখোয়না মফমসিদা লাক্রিঙৈগী মমাংদা হান্না মফমসিদা লৈরম্লবনি। লৈনরিবা মওংগী ফিভম কয়াদা মখোয়না হেন্না চুসিন্নবা হেন্নবগুম মওং কয়াদা মতেং পাংরকই। খ্বাইদগী ওক্লিবা অমনা, নোংমতা মখোয়বু অতোপ্পা মী অমত্তা হংলবগী রা লৈতে। লৈরিবা মুপিমচাদুগা অঙাং উম্নগদবগী মীতম্নবা মহাক অদুগা, স্থুপ্নতগী মখোয় অনিতনা ফিভম পুম্নমক লাকসিল্লগা ইংনা লৈ। অর্রা-অনাগী থম্মোয় পান্দবগুম মতম খুদিং মুংঙাইনা উরবা মখোয়গী মায়থোংতুনা, মখোয়দা নংতনা ঐখোয়বুস্থু কৈদৌঙৈ অরাবা তাহনগনি হায়বা থাজহন্দে। থাজদবতা নংতনা অন্নাবা, মুংঙাইতবা পুম্নমক মফমসিদা থাদোক্লমুগা লাপ্পা লৈহোরব মুমতুদা মুংঙাইনা হনখীনি হায়বগী আসাদা মফমসি য়োনরকপা

ঙাক্তনি। অত্থবু, কনানা খঙনী। মফমসিদা অরাবগী পোলোয়দা ভেংথা-নাওইনা মীকপ্ কয়াদা হুন্থীবস্থু তৎতনা থেংনরী।

অহানবদদি ঐহাক খরা ওল্লম্মী। লেকফম চাকম খল্লুরগা পুক্লিংদা ফাওরম্বা হৈনদবা ময়াম, ঙসিদি কদোমদা চৎখ্রবনো হায়বা ঐহাক খঙদে। ফনা হৈনরক্রে। অরা-অনাগী খাঙ্ঙমদ্রবা ভেংথারোল কয়া তাত্থনা মখোয় কয়াগী কয়ম্বা অসা অমমুক ঐখোয়দগী থমহনগদগে হায়বা রাহং অমমুক পুক্লিংদা চুবা হৌরক্রে। ঐনা হান্না খল্লম্বা দাক্তর খনাগী পুক্লিংথু তাইওন্নরক্রে। মফমসিমক ঐনা হান্না উথিবদি অরাবা খাঙফমগুম উরম্মী। মথু পুন্নমক নৎলমদ্রে। মফমসিদি অরাবা কাট্থোকফম মুংঙাইবগী মংলান্দা লুপকদবা মফমথু ওইরম্মে। তুংগী পুক্লিদা খুৎ থিংজন্দুনা, মাংগী হৌখ্রবা পুক্লি অমদি হৌজিক হিংলিবা পুক্লিগী সক্তম পুম্বা কাউথোক্তুনা অনৌবা পান্দম অমা সাগৎপনা মফমসিগী লেঙদ্রবা পান্দম্নি।

ঙসি নোংমা নিনিসিদি থংনবা ক'সে ইচিক চিকপ'গুম তৌই। করি থোক্লবা জাৎনো পুক্লিংদা চিংনরকই। তনৌ-তনৌ মোমোন নোক্তুনতা লৈবা চিনবানসিংথুগী রারীদা অংাবগী খাঙফম খঙদ্রবা চৈনা অমমুক লাক্লব্রা? নৎত্রগা করম্বা থৌদোক অমনা মখোয়গী অত্থুগুম্লবা চিনবান্দো মেনখ্রীবনো? পুক্লিংদা চিংনবগী অকনবা c·r· মুংসিং অমনা পুন্নমক খঙনী'বা ফাওরকই। করিস্থু থোক্লদবা মখোয়গীদমক ঐগী পুক্লিংসে করিগী অস্থুক মুংনাংলিবা? নিংসিংলকই ওরাং নসিংথুগা মখোয়গা ঙ ঙনখিব রাহৈ কয়াদো, 'মতা'সিমক য়োৌসিললক্লবদি অরুবা তানফম অমা লাক্লবনিনা করিগুম্বা ফৎতা মুংদা থোক্লবস্থু দ্বাইত্যা পুবা ঙমগদবা মীওই অমদি পান্মী।'

'ঐদি য়ারোইদ্রা ইচেম্মা?' য়াম্না য়াহম্নীংবগী মওংদা মুপীমচাত্থনা থকৎনা, য়াম্না তুকথজরবা মওংদ থুম্নকই। অঙাংসিগী মওংদা তনতক্না, 'য়াবদি য়াবা জাৎনি। অত্থদা চহি মতাংথুগী !' রাহৈসিংসিমক য়াম্না লুবা মওংদা হায়রম্বদগী খজিক কোমথোকপা মওংদা মথা তারকই, 'খ্বাইদগী ফবদি অঙাং মপা ·!'

অঙাং মপা! নোংমা, ৱারৌবা হৈত্রবা মুপীচুনা হায়খী, "করম্বা লাইবক্নো খঙদে। মপোক কৎখিত্রবা হায়বচুনি। ঙসি তোয়না উরচুনা অরা-নুংঙাইবী লংদাইকমসিদা মহাক্কি মহুক্কী কনাসু নংত্তবগুম নৌংমঁঅ ইনাক্তা লাক্নুনা সেনি মাইনি হায়রক্নে। মাসী মহৌসাক্কী থবা থক চায়গা ঙাউসিন্নবচু ঙসিসু তৌরমখিগদ্রা খঙদে। মচুসু ঐনা দাক্তবদা লৈরবনিনা কনাদা ঙাওসিন ফৈজিন্নরমনি? মতমচুদদি ঐ অমা, মামা তৌরিবমথৈ য়াচুনা লৈবনিনা ফৈদো। ঙসিদি ঐসু মসিদা লৈরবনিনা মানা করিগুম্বদা অতোপ্পদা ঙাউসিন ফৈজিন্নরুবদগী খংনা চৈনববু থোক্লম্রা,'। মহাক মসাগী অরাবা কয়া অমা কাউথোক্নুনা মপুরোইবগীদমক কয়া অমা ৱাবীখী। তসেংবনি, মহাক মহাক অমগীদমক ৱাবীখী। অচুগা মাগীসিনা কমদোরবা? মাগীসিমক অরুবা তানফম্নি। চুম্নগী মতৈ-মমাওগী ৱারী পুন্নমক তোঙাম্না থম্নগা, হিংবা-সিবগী ফিভমদা লৈরিবনি। ঙসি নিনি-ছমনিসিদি মসাসু ক্লিদিং মচিং মচিং তৌচুনা খজিক মুংসা থিনবগুম তৌই। মতাংসিমক য়োরবদি মরি-মতাগী ৱা ঙাক নংতনা মীওইবগা মীওইবগা লৈনবা মরিদা অতোপ্পা কনাগুম্বা অমা ওইরম্লবদি মতেং সোয়দনা পাংনরগনি। অচুবু মহাক্কি ঙসিসু লাক্করি। মহাক্না নংতনা, ইমুং মনুংগী মরি মতা অমৎতা ঙসি চয়োল অমা হেল্লবসিদসু উথিদে।

পুক্লিংদা চিংনরকই। ইমুংচুদদি মুপীসিগী লৈনাসিমক লুর-লুরগা অস্নুম অস্নুম লাইথেৎরক্লবজাংলা? কমদোনা ইমুংচুনা অশুক থোওইদরিবা? মনেম-মকু মহাক্কীনী হায়বা কনাসু লৈত্রব্রা? পুম্নমকু ওইরগনা, মহাক কমদোনা ইম্পিসিএল ৱার্দ অসিদা লৈরম্লিবা? খঙলে। নোংমা হায়খিবদো, হৈনিংবা মুমিৎ অমদা, মহাক্না মচাকপু মকমসিদা পুরকখিবনি। মহাক্কী অরাবা পুম্নমক ইকত্তিম্নরিবা মঙোম্দা ভাইনরগা নহাক্কী অপেনবনি। অপেন-বচুমক ফংননবা মতম অমদা মহাক্না মুপিসিমক মুংসিরম্বা য়াই। কয়াদা ঙকথ্রবা মুপা-মুপী অনীগী মরিনো? অচুবু ঙক্না-ঙক্না অর্থমক লোয়খীবা তারীনাল্লে।

মুমিৎতু করম্বা য়াখলগী লৌচিং অমননো খঙদে মখোয়গী খোঙ নম্মুই। নম্মুংদগী পুনা পান্সিন্দুনা লোলসিল্লবা খোঙচুমক, 'ঙাইখো খোং অমুক্তা হাংদোরকখিগে।' মুপীমচাহুনা তপ্পা হ ংদোরকই অমম্মুং খোঙবা মচেক্তা ঙাথক্লুনা ঐবু মুন্না য়েংহুনা লৈখী। লৈরম্লিবা মওংচুমক য়াম্না তুকথরবা, মথল্লাই য়াম্না মুংঙাইতবগী মওংনি। তয়াং-তয়াংনা চংলুবা ঐহাক মখোয়গী মতোঙ্গুদা পুক্লিং মুংমুক মুংজাম্নরকই। ঐখোয় পুম্নমক তুমিন লৈনখি। কনাম্মু করি মৎতা হৌদোক্লদ। ঙাইহাক তুমিন লৈরম্লবা তুংদা মুপীমচাহুনা খোংচু থজিক ঙাসিল্লহুনা অহানবা ওইনা য়া ঙাওলকই, 'দাদা কৈদোরে? কৈদোবা লাকপনো? কৈদোসিগে?'

ঐদি ফাগী ওইনা, "চংলকপা য়াদবগী য়াবা?" রাহংসিমক হংজীং-লম্বনি। মখোয়গী অতুক সোম্বনা হংলকপা রাহংসিদা ঐহাক রাহংসিনক হংবা ওমখিদে। মতুগী মহুৎ, 'নখোয় করি তৌরবগে, অমুক মুংঙাইতনা উরিবসিবু?' ঐগী রাহংসিদা মহাক কয়াম মুংঙাইরবনো খঙদে মমীৎতা মপী ইরা চেল্লকই। মহাক হান্না মপুক্লিংদা মুংঙাইতবা অমা ফাওরমবগুম তৌই। মহাক্তা নৎতনা মুপীমচাসিম্মু মুংত্রাইতবগুম উই।

'দাদা, অতোনবা হায়বসে মতম পুম্নমক্তা অম্মুম তোন্দুনতা লৈগদবা ওইরমাল্লে হায়বসে ঐহাক ঙসিদি য়য়েক সেংনা খঙলক্লে।' মখোয়গীনি হায়বা কনাম্মু লৈজত্রে হায়বতু তসেং তসেংলবগুম পীরোইনবা রাইহেশিংচুগী মরক্তা য়াওরকখি— 'ঐখোয় ঙসি অহিং মফমসি থাদোক্লুনা চৎখিবা তারে।' রাইহেসিদা মপী তানা কপ্লকই।

ঐহাক মাগী রাইহেচুমক তাবদা মুংঙাইতবনা পুক্লিংদা থুক লাউখী। মতুগী মথক্তা অকিবা-অঙকপা অমম্মু য়াওই। তানফমসিমক মহাক্কীদি য়াম্না লুবা মতম্লি। ওরাং নহানদি অরা চৈন্না খাঙবদা মাগী য়েংঙমত্রবা সক্তম •। ঙসিদি নীংঙমদবগী মৈরিনা অরাবা পুম্নমক ফাথগ্রবগুম উই। মসিমক্কনি তুম্নমক্কদম্মু রাই হায়রম্বা মহাক্না ঙসি কপ্পীবা।

'করি অরুবা থবক অমমুক লৈবে ?' ঙসিগী তানফমসিদা ? 'ঐহাক্না নীংঙমদনা হংখি।

'পুন্সিদা খ্বায়দগী মরু ওইবা অমা ...।' ন্নাহৈছু লৌইন্দ্রিভৈদা ঐনা হংখি 'পুন্সিদবু তাক্কসিদগী হেন্না নুবা অমমুক লৈরিব্রা ?'

'নুন্নিবদি পুন্নমকসি ওইরমদ্রে। ঙন্দি ঐখোয় দাক্তর থনাসিদা লৈরী। অহুবু লৈরীবসিগী করি কান্নব্রি ?' চুম্মী। ঐখোয় মফমসিদা লাকপ্রিভৈগী মমাংদা, মফমসিদা চৎকান হায়রুনা চাওরবা আসা অমগা লোইনমা লাকখি। পুন্নমক অরেম্বা ওইরমদ্রে। 'মফমসিদা' অন্নাবা পুম্ব কাউখোক্তুনা অংমীবা পুন্সি অমা ফংগনি থল্লমহু পুন্নমক তাইওন্নবা অন্নাবা কথা অমা কোনসিন্দুনা চৎপা তারে।' ন্নাহৈসিমক হায়রক্লগা সিন্থুব্বিবা শীবা'তু মখুং য়েৎনা তৈথোক তৈথোক্লা মথা তারকই, 'অহুক চাওবা আসা অমা পুহুনা লাক্লগা মফমাসদা কবিগী নীংহন্নহুনা হল্লিবনো হাযবসিমদি, মতম কুইনা থাম্মোযদা ঙা স ম্না থীন্দুনা লৈরগদবা ন্নাহংমি। ঐ পেন্দে। সংসাবসিদা হিংলিবসিমক ঐহাক পেন্দে। অস্নুক চিন্নবা মতমসিদা মসিমদি ঐগীনি হায়বা মীওই অমৎতা লৈতবসিমক ঐহাক পেন্দে।' মতমহুদদি ঐহাক থমথীবনি। নুপা ওইবগী থবা ঙাওক্ববমু মতমগী মতুং ইন্না গ্যান তাজরক্লমি। ঙসিদি ঐগী পুন্সিসে করম্বা লম্বেলদা লেপকদবনো হাযবসে থঙদে। মতম অমা মাগী সুংসিবদো ঙসি অসি অচংগী লংদাইফম ওইনা হিংলিবা পুন্সিসিদদি ফংদ্রে। মতমতুগী সুংসিবহুমক করম্বা সুংসিবনো ? থম্মোয়দা হংলি। পাউথুমদি থংলরোই। মৎতে, করিবু কান্নবীবগে মহাকনা ঐবু দাক্তর থনাসিদা পুরকপগী ? 'মহাক য়াওদনা কৈদৌঙৈ খুং থাবা ঙম্লোই হায়না দাক্তরনা কন্না হায়রি।' অহুগা মাদি ঐবু করিম্বু নংঙবগুম দাক্তর থনাসিদা-কোক হেক থনম্লগা লোয়রবগুমে অমুক হন্না লাকখিদ্রে'। 'সিদদি দাক্তর থনাদা লৈবগী করিনো ঐঙোন্দা কান্নরিবা ?' ন্নাহৈসিংসি হায়বগা মমাই অহু মথু কাবক্লা লুকথহুনা লৈখি।

ঙাইহাক 'চিক্লা লৈরকরগা, অচিকপহু থুসাইবহুনা হায়রকই 'ইবেম্মা কী-রোল লোইসিন্নবা তৌরসি।' ন্নাহৈসি লোয়রকপদা হুপীমচাহুমক

লেঙম সাঙমত্রবা মরূপা খোঙথাংদা ভপ্পা-ভপ্পা চৎতুনা, খজিক চাইতুনা লৈরীবা ফী-রোলসিংতু অমমমতা ওইনা থুপচিল লোইসল্লকই। মখোয়গী মওংদো য়ায়া পুক্লিং মুংসিবগী মওংনি। ভপ্পা-ভপ্পা ফীসিংতু থুপচিনবা লোয়রগা অমমমতা ওইনা এয়ার বেগ অতুদা হাপচিন হাপচিল্লা হায়রকই, 'দাদাখোয়দি লৈহৌখীগদবা নৎত্রা? রাহৈসিংসিমক হায়রগা মমীংতা মপী তানা সুৎ-সুৎ তৌতুনা কপ্লকই। অমদি কপ্পা-কপ্পা মখা তারকই, 'হুনবা তারবসু অকবা মজোলগা লোয়ননা য়ুমদা হুন্নবা ওইসনু হায়না অসির্বাদ পীজরী। ঐখোয়দি ওসিমক য়ুমদা হুনবা তারে। করম্বা য়ুমদনো ঐখোয়না হুনগদবা হায়বসিমদি ঐখোয়সু খণ্ডদে। ইতৈসু ওরাং-নহাম অতোপ্পা মুপী অমা পুরক্লত্রা খণ্ডদে। মীপুম খুদিং নীংফুং-নীংফুং তাংনবগুম তৌই। করিগুম্বা মসিমক ওইবা তারবদি ইচেগী মরাইবকসে করি ওইগনি? ঐখোয়গী ওসি থোঙচৎসে হিংবা সিবা অনিগী অপুনবা খোঙচৎনি। খোঙ চৎসিদা ঐখোয়গী অয়োইবা লাইবক্তা করি ইরিবগে হায়বতুদি ইসোরতনা খণ্ডগনি।' মহাক রাহৈসিদা খোনজেল থোক্লা কপ্লক্লে। মাদা নৎতনা মহাক অতুসু ··। কপ্পা·কপ্পা মখোয়গী অয়োইবা আসা অমদা দাক্তর খনাতুমক থাদোক্লদবগী তৌরক্লে।

ঐদি থল্লী। তসেংনা মখোয়না হায়রিবসে চুমত্রা? লানবা তারগনা কদায় ফাওবা লানবা? চুমগনা করি ··? মতম কয়া অমদি মহাক মরা-মপুরোইবা, মনেম-মকুগী সেবাদা অরা-অনা লাম্বেংনরকপদো মহাক্লা ওমতুনা লাক্লমগনি। ওসিদি মহাক মায়থিরবগুম উয়ে। নৎতে। মায়-থিরবগুম উবা নৎতে। মায়থিরবমক্লি। পুন্সি চুম্নগী মায়থিতুনা সংসারসিদগী তোণ্ডাল্লবা খোঙচৎ অমদা চৎপ্রগত্রা পুক্লিংদা কল্লা চীংনবা ফাওরকই। অমদি হিংবা সিবগী খেন্নব. করিনো? রাহৈসিগী থিবা কংত্রবা প্যাউথুম মরক্তা, নীংতমদবগী পোৎলুম অমনা পুক্লিংসে মকম খণ্ডদনা চিংতুনা পুই।

অঙ্গম রাখল খল্লিডৈ মুপীমচাতুনা হায়রকই, 'দাদা ঐখোয় অমুক চৎপ্রগে।' মাগী রাহৈতুদা ঐনা য়েংলুবদদি মহাক মুপী মচাতুদা রানা

ঙাখরক্লনা চংকদবগী লেম-সাবা পুম্নোই লোয়রম্লে। করি থক্কুরবনো থগুদে। ঐগী মীৎসে লুমথরকপগুম তৌখীবতা ঙাইরি। লৈমায়দা পীশিংক্লদি হায়া ডাক্লনা লৈরম্লে। মখোয় খ্রাম্না তপ্না। খ্বাইদগী তপ্না মঙংদা কাক্ল তপ্না-তপ্না থাদোকখী। ঐহাক মখোয়বু য়ুম্না য়েংক্লনা করিম্ব হায়বা ঙমদনা মকমক্লদা অমুম্মক লেপ্তুনা লৈহৌই।

হুমীৎক্ল অহ্না অহুম হৌখি। পুক্লিংদা সুংজুক সুংজায়বা অমা থনমক্লনা অহিংক্লমক ঐহাক তুম্বা য়াখিদে। মোং ঙাম্লে। ঙসিম্ব পুক্লিংসে তয়াং তসোইবগুম তৌরি। কয়ীগীনো হায়বদি ঐহাক হায়বা ঙমদে। নিংসিংলকই। ঙসি ঐখোয় ইমা দিসচার্জ তৌগদবা হুমীৎনী। দিসচার্জ তৌবা নংহৌ-রম্নোইদ্রা পাখৎপা অমা য়াওনা হৈনিংলকই। ইতন-তম্নবা ঐহাক থগুহৈ হৈনীংলকই। পুক্লিংদা পুং কয়া তারিবগে থন্দুনা থুদাংদা লিরিবা ঘরিক্ল য়েংবদা, সুপরিন্তেনদেন্ত লৈরমথীগনী হায়বগী থাজবা অমা য়াওনা মাগী কাদা চংলুই। মতাক মতোমতা কোইনা লৈবা য়াবা মাগী চৌক্রিক্লদা। কমক্লনা লৈরম্মী। ঐস্থ মতোমতা লৈবক্লদা রারী সাবা সুংঙাইরগনি থম্না চংলুই। ঐনা রারী হৌগদবগী তৌবমক্তদা হুপী অনিথক চংলকই। মসা নাম্লি। চহি কয়ামুক ওইগদবনো থগুদে। য়াম্লবদা কুহ্নু-নীফু ওইরমগদ্রা? মখোয় ঐ লৈ হায়বগী করিম্ব চিংনদনা য়া হৌদোরকই, 'ভামো।'

'নখোয়গী করি তৌরবগে?' মখোয় হায়া ইথগু-থগুনবগুম তৌই। থগুলে। নহাল ইমা য়েংলম্বা দাক্তরক্লনি।

'ঐখোয় এপ্লিকেসন অমৎতা পীজরমগে তৌবনী।'

'মরমবু করীগীনো?'

মখোয়'নীগী মরক্তা মসক থরা হেন্না কজবক্লনা হায়রকই, 'হোরেল ভামোনা অসংবা মতমদা পাবীরগম্ব থগুবীগনী। নহানঙোই বার্দ ভরা-হুমদোইগী কাক্ল হুপী অমা লৈয়ম্মী। ঙরাং অহিং মহাক মফমক্ল থাদোক্লুনা তুমীম চৎপ্রে। কদায়দা চৎপ্রবনো হায়বা কনানম্ব থগুদে। নর্সসিংদা

হংবদম্সু খঙদে হায় ।" মখোয়গা থংনবা কাদা হংবদদি, ওয়াং অহিং মফমদু থাদোক্লুনা তুমীন চৎথ্রে হায়না হঙ্কই । মহাক তসেংনা থা ওয়েং লম্বকা অঙাং অমা নাউপুখ্রীবনী । মতমদা নৎতনা মসাম্তু ব্লিডিং অচিং-অচিং তৌরীবনি । মম্মা লুবা তানখ্রী । তৌবতবু অঙাংতু থা ওয়েংলতা ঙাইহীবক্তদা নোংম-নীনী য়েংখীসির। হায়হুনা ওপরেসন তৌদনা অমুম্বক থম্মী । মহাক হৌজিক কুব্রিগুম্বা ঈ-থোকপা খক্কিকতং, হেমব্রুবদি সোয়দনা ওপরেসন তৌদবা য়াররোইদবনি । অদুবু কৈদৌরবনো খঙদে ওসি নোংঙাল্লকপদা তুমীন্না মহাক দাক্তর থনাসি থাদোক্লুনা চৎলম্মে । তামো মসিগী এপ্লিকেসন অমৎতা থমজরমগে তৌবনি । হোবেল অসংবা মতমদা তামোনা এপ্লিকেসন-সিমক পাবীহুনা তামোগী মোং অমৎতা মখোয়গীসিদা ইসনবীয়ু । এপ্লিকে-সনসি থমজরমগে ।' মহাক কব্রিস্তু নৎতবগুম ব্রাইহেসিংসিমক ইয়াং য়াংনা হায়রম্মা তুংদা ঙাইহাক লেপ্লগা, মখা তারকই, 'অদুদি তামো অমুক য়োজখ্রুগে ।'

'ফরে ।' হায়দুনা মুপল্লিজেনদেস্তুনা ব্রাইহেসি হায়বা লোয়রকপদা মখোয় তপা হৌগৎতুনা, তপ্প-তপা কাদগী মপান থোকখী । ঐহাক থম্মী, "মখোয়গীসিমক চুম্লব্রা ? মখোয়না হায়রম্বদুনা করি ? পুম্নমকসিগী মথক্তা মহাক হৌজিক কম্মি থোক্লমগদগে ?" পুম্নমকসি থম্মগা ঐহাক গ্যান তাব্রবা মীগুম কাদুদা চপ্ত লেপ্লুনা লৈখী ।



মঙলাক্লরমদাইগী মঙ

মুপা-মুপি ? যুমগী মৌ অমগা মহাকপু লৌম্নিবা মুপাতুগা করিদা মরি লৈনৈ ? মখোয়নিমক অমনা অমবু থাজনদ্রবদি মরি লৈনৈ হায়বসি য়াখিগদ্রা ? মখোয়নিমক অমনা অমবু থাজনদ্রবদি সংসারসিদা থাজব। য়াবা মীদি লৈরিব্রা ?

সিনি ; লৈম-তোম্বীনা নোংমা মুমীৎদাং থেংনা হল্লকখীবা মুমীৎতুদগী মামকাদি মহাকপু অমুক থাজবা ঙমখিদে। থাজরুরবসু মীওইবগী সক্তম মাঙখিবা য়াই। নৎতে, মাবু কৈগীনো সকখঙদবা মুপাতুনা মাগী গারি মনিংদা অতুক থেংলবতুদা হাপ্তুনা পুরক্লিবা ? থাইনা পাখঙ লৈসারিঙৈদা পং-তংনা মুংসিনরকই হায়তুনা কনাসু নংতবগুম অতুক থেংলবা অহিংতুদা থিল্লকপা হায়বসে, নৎতে, অওকপা থবক্তি ওইরমগনি থাজদে। মামকাসু কৈদোঙৈ থাজবা ঙম্লোয়। মসিননি মামকানা মহাকপু মপামদা চৎহনখিবতু। অতুগা করিগী অমুক হল্লক্লিবা ? মামকানা মহাকপু মহাক্কী মুপীনী হায়না লৌসিনবা ঙম্লব্রা ? ঙমদ্রগনা মতৌ করম্না মুপা-মুপীগী কিজরগুম য়ুমতুদা লৈমীম্নরি ?

মামকাসু ময়ায় ওইরপ সেন পায়জবা নিপানি। ভৌবৈদি, লৈমা তোম্বীগা পাম্নবা য়াবদি নংতে। লৈমা তোম্বীগীদি ইমুং-মমুং, মরি মতা য়াম্বতা নংতনা লোইনমক সরকারগী লোয়সংদা অগৌ-অচৌবা থবক তৌরিবা ওাক্তনি। য়াইমা রবিসু সুপরিতেন্দেন্ত ওফ পুলিসনি। মথাতুসু উকিলনি। মমিং চংলিবা। মখোয় লোইনমক্কী অমতং লোইবা হায়বা তারবদি লৈম-তোম্বীনি। অতুবু সংসারসিদা লৈম-তোম্বীনা কীবা লৈতে। কিকম থোক্তে। মসা ফৎচদবতনি।

মচিল মৌপ্রাসিং ফরিবনিনা মসা ফবদগী হেন্না চাংথোকচবা ওমজরি। সিনি লৈম-তোম্বীগী গুন হায়রবু। মরক-মরক্তা মামকানা খজিক চৈবদা মপাম চংকদগী হায়া সেন্ন য়াঙ্কুনা থৌরকই। মামকাস্থ মহাকপু মাগী য়ুমদগি সুক্লৈ লৈহন্নৌংদে। ইন্দক মরক্তী হেন্নস্থ মপাম চংনিংবগম তোই। নংতে মপামদা নংতে। অহুদি কদায়দা ? কদায়দা চংনিংলিবা ?

অহানবা অহিং, মুমিংদাং থেংনা হল্লকপা মুমীংতুদি মখোয়নি সাথিনা খংনখি। নংতে, মুমিংতুদি লৈমতোম্বী মাইথিখি। মাইথিফম থোকই। লমদমসিদা লৈরিবা মীংয়েংসে ঐখোয় কৈদৌউ কাউথোকফম থোক্তে। থৌদোক্তো মামকা সাউনিংবা-জাংনি। হায়খি, 'অমুক থেংনা হল্লক্লিঘসিবু হল্লক্রবস্থ তোকপা য়াদ্রো ?'

'মহুবু ঐনা কুসি তৌবা ভারোইদ্রো ?' লৈমস্থ খুন্মী।

'ঐ ঙসি য়াম্না মুংঙাইরোইদৌরি। য়া লোইহথারুসি।' লৈমগী মাহৈ-ছদা মামকানা সাউনা হায়খি।

'হায়রিবসিবু করিনো ?' খংজিন্নদনা লৈমস্থ হংই।

'নং ঙসিদ্রে মনম তৎকনিকো।'

'কৈদৌবগে ইংনা অমুক্তা হায়নখিসি।'

'ইংনা হায়নবদি করি, নওক্তি ওক্তনা।'

'নং অহুমদি হায়গম্ব।' মাহৈসিদা করি লৈবনো খঙদে লৈমছু ফং সাউগৎলকই।

'ওক্তে হায়ববু ওক্তে হায়বনি।'

'মহ নংনা ঐঙোন্দা হায়নঘগী হুক য়াওদে। নংনা ঐ পামব্রবস্থ তোকউ। ইপামদা চংচখিগে। নংনা মহু হায়বদি মুকয়া আরোই। নং জেল য়ৌনিংব্রা ?'

'নংনা মসিদা হেক লৈরিবমখৈদি ঐ হায়খিনি। মাগৈ চেংহৈ হায়বদি খঙলগা করিগী অহুগুম্ববা লমচংক্তি চংলী ?'

'ফৈ ঐ ভুসি চৎলোয়। হয়েং চৎকনি। নং ঐভোন্দা অতুন্না হায়বগী করি ভৌগে য়েংউ ?' ম্নাইহেসিদা মামকা ক্রং সাউগৎখি। কাংতুনা লৈরবা মীতুন থেংনখিতুনা লৈমবু য়ান্না থিনা ফুখি। মীয়াম চংতুনা খাম্নরমত্রবদি হিংবা-সিবগী পোলোয়দা লোয়সল্লমগনি। নোং ভানবগী অঙনবা অয়ুক্তা ইনে মপাম চংখি। হৌজিক্তি মুপিনা থাইনবগী মপাম চংপসে করিগু নংত্রে। চাকথোংবী সান্নবগী কৈথেল কাথোক কাসিন সান্নবংখনি। মামকাসু মসিনা ফরে খল্লি। কারবার চাওনা তৌবা, সেন পাইবা মীগীবু মুপী ম্রাংকত্রা ? মামকাসু খল্লি। মুপিদি থিনিংবা মতমদা থিরগা লোইরে।

করি নীংসিংলবনো খঙদে, মকু ইবুংঙোনা মমাকপু কৌরকই। 'ম্না লোইথোক্লক লাউ।' মহান্না লোইনখ্রবা ম্রাতুবু, অমুক লোইথোক্লকলাউ হায়রিবসিনা করিগী ? মামকা চৎনিংদে। চংলোই খল্লি। চংফম থোক্তে। লোইনখ্রবা থবক্তীদমক হুনজন-হুনজন খন্নবা মীওইবগী লিচৎ মৎতে। অমুকসু খল্লি। অহন্দুদি ফবমি। মাদি লানবা নৎতে। মাগী ম্রাদি তাফম থোকই। ফরে ভাইহাক য়োক্লবদা কাইবসু নৎতে। মহাক্তা অমুক হন্না হনজিন্নরয়োই হায়বা মথোয়সু খঙহনফম থোকই। মাগী মরমচংতু খরদি হেনমল্লি। পুন্নমকসি থন্না চংখিবদা, মকুগা নৎতে মহাক্তা ম্রারি সান্নিবা। মবাই য়াইমা লৈরম্মী। খরসু হৈনদে। পুলিসকী হৌনবী সোইদনা তৌরকনি।

'ইবুংঙো নং কেসসি কমাই তৌসি হায়বা ?'

ইঙক-ঙকই। করম্বা ম্রাহংনো ? করি কেসনো ? মচল মুপিগা ম্রা লোইথোক্লবগী ম্রারীতুনা কদায়দা থমখ্রবা ? কদোম্নদগী হৌরকপা ম্রাহৌনো ? অকৈ কৈদগী মচল মরক্তা কৈনা চিংসল্লকপা ম্রাহংলিবু করিগীনো ? করিগী কেস ? নপাই কেস ? মচল মুপী থাইনবগী কেসপু নংনা তৌবা ভম্না ? ম্রাহংলিমক হংনিংলম্মি। অতুবু তুম্নিন লৈখি। হংবা ভমখিদে। আর্থ থোক্তবা হিরম অমদা পুক্নিং চিংসনখি। হৈনবদি নৎতে। লমসিদবু ম্রাথল থনবগী হৈনবী লৈবা মী কন্না লৈরমগদগে ?

'খুমন্নবদি কৈদৌরে ?'

'করম্বা .কেসকী ··· ?' হন্দক্তি রাহং হংলে। হংবা হংলবগী থৌনা নৎতে। পাউখুম য়াওরবা রাহং। পাউখুম ভাইরিবা পাউখুম।

'ফতিমা বেগমহু মপুক্সিগী ফাদোপ তাখ্রবনি ; মহুক্তা নৎতনা লুপা লাক অমগী জরিমনাসু তাগদৌরিবা। মাদি সুপ্রভগী গ্রাম ১০০ (চান্মা) নীনি। নংগীসি খন্না লুগদবা মাক্সি। করিগীনো সেনবু চুন্না তানগে নীংজহুমা মনিংলোমদগী তানগদবগী লাক্লরিবা ? কুইরবা কেননি নংগীসে। নংমসি করিসু খঙলম্নোয় খল্লিবা। মরি-মতা থোক্ল বসিদা ঐ তুমিন য়েংলম্বনি। মী কয়াগী মপুক্সি মাংহল্লিবনি। সেনবু পাইরবদি লমদমসিগী মীসিংসে সেন নিংথিনা অমৎতা তাস্নিংদমায়ে। লমদমসে মাংবা তারে।' মবাইগী জ্ঞান তানা পীরকপা পাউতাক তারুবদগী মামকাসু কোকচাওবী কায়। মাদি খ্বাইদগী লোন্না কনাসু খঙজিবা কান্নবারনি খনজবনি। অহুবু খ্বাইদগী খঙহল্লিংদবা মখোয়না হান্না খঙহুনা লৈরম্মে। খঙন-খঙমা করিগী য়েংহুনা লৈরম্লিবা ? ঙসিতা খঙবগুম করিগী রাহংসি হংলিবা ? মামকাসু খঙই। মহাক জ্ঞান তাই। মহাক অঙাং নৎত্রে। কদোম্নদগী ফংলুবনো খঙদে, খুদম মথং-মথং পুথোরকই।

'করন্নারসে য়াম্না তোংলম্ববুদি য়াই। কারবদি পুক্সি মাংনিংঙাইনি। মসিগুম্নবা করবায়সে, ইকাই খুম্নবদা মতিক চারবা, অচৌবা সেনজাউ পাইবা, জ্ঞান তাবা মীতনা তৌই। তৌববুদি, সেন য়াম্না চংবা করবারনি। সেন পাইদবা মীনা করম তৌরুনি ? নংগীসি কমায় তৌসি হায়রিনো ? হৈয়েং-হংচিৎতি পুলিস লাক্লনি। ঐদি হায়রিবসিনি। হায়দে-লাক্তে হায়বদি য়ারোই। নংনা তৌরিসি কুইরমান্নেদা। কমাই তৌগে হায়রীনো ? জেলদা খন্না মুক ···।' মবাই ইবুংঙো রা লোইসনবা ঙম্নদবগুম খাঙতপ্পা তোকখি। হায়নিংলিবহুদি মামকাসু ঙসাইনা খঙলবনি। উপাই লৈতবা মীগুম তুমিন লৈবগী রানি। তাক্লকসিদা লৈমং তোক্নী থোরহুনা, 'ঙসাইনা লাক্লবদি অসোমদা ওইনা চংলকউ য়াম্রা ? অহুলা কৈংকান্নবা ? তায়াইমগা

রা ভাংলক্রম্ব । মরৈ-মরা য়াম্না চাওবনি ।' হায়না হায়না মামকাগী মথুং পাইদুনা চীংবোই করিবোই বোঙ থাংবা হৌখি । পুন্সিগী খোঙথাংসে য়াম্না কুপ্পা । অচুবু খ্বাইদগী পোৌবা পোৌংতগীম্বু হৈন্না পৌই । মহৌসাদি মামকাসে মসাগী সন্না অমা তংপা ফাওবা কদায়দগী কমাইনা তারক্লিবনো হায়দুনা সম্ন চু পায়রগা হেক হেক হাপচিন্দুনা য়েংজরম্বনি । অসিদি কৈদৌরবনো খওদে, লৈম-তোম্বীনা হায়বদু অঙাংগুম, করিম্বু নংতবগুম ভাবগুম তাদবগুম তৌদুনা মতুং ইন্নখি ।

ঙুমীংসিনা মখোয়মি থাবুক কাইনরুবগী অহানবা পুনসিনবা ঙুমীংনি । হন্দক অমুক্তি মামকাসে লৈম-তোম্বীগী মফমদা ইসোন সোম্বরম তৌই । লৈমদি কনথংলক্লি । মসোং ফক্লি । য়াম্বী সান্নবদা মাতোমতগী সদে । মপামলোমগী ওংতনা হাপচিল্লি । কুসি তৌখা হৌই । মাগী মংত্রবা সাহৌ পুখা মতোমতগীনি হায়না কৈদৌঙৈ উংতে । মপামলোমনা তুংদা লেপ্তুনা মাং থাবগুম উইল্লি । মামকাবু ওংতনা কিইল্লি । মী অমনা তম্বিবা সা ওল্লকপসিদি মাগী অকোয়বদা লৈখিবা অনকপসি মী মচুম খয়া-খরা চোংবদগী সোইদনা ওইগনি । ইন্নেম্বু - । করিগীনো ঈসোমনা মীওইববু সেংকপদা মী কংতবা মীগী মীচংম্বু য়াওনা সেম্লক্লিব ? খরা সাউনিংবা ঙুমীংতদি মামকাম্বু হায়, নংনা তৌরিসি করিনো ?

'ঐনা কৈদৌরবগে ?'

'মোং ওামবদগী ঙুমীং ভাবা ফাওবা নংগী থাইমগী ঙুপাদুগা নংত্তে, নংনা প্যামজিবসি করিনো ?'

'নং ঐওোম্বা পাংয়েং য়েংসিন্নকচম্বু । নপুন্সি চুম্না জেলদা লৈগদবা নংত্রা ? চৌজিকম্বু লৈহনবা ওম্মী' ঐনা নংবু ইপুরোইবনি হায়দুনা য়েংবীরগা । জেলদমখুদা কংসি সিদুনা লেনগেরা ?'

ওসিদি মামকা হিংগদবা খওতন তম্বরে । মথক-মখা ওন্নবা পুন্সি থম্বরুগা হিংনিংবা পোক্তে । হিংবদি নিংসিংবনি । নিংসিংবদি ম মকাদা চৈনাত্তা


পীবনি। সাগৈ-নাইন্তে ফবা মুপী লৌক্লবসে পুন্সিগী সাগৈবু ওৎপনি হাম্নবসে মামকা ওসিতা গ্যান তারকপঙম তৌই। হাম্নদি করিগী খঙলমদে? অঙং-অউন চাউনা লুগোংখিবা, লৈকায় কলক্লখিবা কয়াম্ব মসি ওইরক্লব্রা? তম্ম্নবা, হিংনিংলক্লবা মরকসিদা মামকাবু করিনো অমদি তৎতনা খলহল্লি। করিনো?

নোংমা হি-য়াই পুম্বা খোম্নজিন্দুনা হিংলিঙে, হিংবসে অতুকী মতিক ফুংঙ্গাইরম্মী। হিংবু হিংলবদি খল্লম্মী। ওসিদি, মীওইবনা অম্মুক তম্নবা মওংদা করিগী হিংনিংলিবনো? মীপুম খুদিংমক লোইনা সিগদবা ওাক্লনি। ঐগী-ঐগী মতম ওাইনম্বুনা হিংবগী ব্রানি। অম্মুক তম্মনা, নিংঙমদনা হিংসদবগী সরুক সিখিবনা হুম্না ফংব্রা? সিবা হায়রা ইখুৎতা লৈরে। সিনিংবা মতমদা সিবা ওম্মী। করিগীনো ঐনা ওসিম্মু হিংম্বুনা লৈরিবা? নৎতে। সিবা তারবদি মাবুম্মু হাৎলম্বা চুম্মী। মহাক্লি ঐঙোন্দা খ্নাইদগী ওৎলিবদি। মীওৎপী মহাকপু হাৎলমদমা ঐহাক ইদোম সিজবা য়াদে। অমুকম্মু খল্লি। মপুরোইবনা মহাক্লী মুপীবু হাৎপা? নৎতে। মহাক ঐগী মুপী নৎতে। ঐনা হাৎকদৌরিবসি ঐহাকী মুপী নৎতে। ওক্লবীনী। লমহেনবীনী। মহাক অমা সমাজসিদগী চৎখিবদি ঐগীতা নৎতনা সমাজগীম্মু অফবনি।

রাখলমুংদা চপ য়ুংনা লেপ্লী। অসাংবা মুংসাসোর তোইনা হোল্লি। মহাক হেক সিবা মীকুপ্পা ঐম্মু ইদোম সিজবা। মতমম্বুদা সংসারগী মঙাল পুম্বা লাক্লনি। অহিংবসিংগীদমক অহিংবনা থরাই হাম্নীরগনি। অম্বুদি মহাক কদাইদা লৈরম্বা য়াই? খনবমখৈ খল্লবা 'তুংদা ইমুং চংখি। চৌজিকম্মু লৈরম্বা য়াই। অম্বুবু লৈম-তোম্বীদি লৈরমদে। কদাইদা চৎখ্রবা? কদোমদা লৈরমগনি? মাদি মাগী থাইনগী মুপাম্বু লাক্লনা কদাইদনো মফম খঙদনা চৎখি। লৈরমগনি চিংনবা মফম খুদিং চৎম্বুনা থিরে। কদাইদনো চৎখ্রিবসিবু? গ্যান তাদে। খল্লি। ইনে থরোগীদা · । মখোয়নীনা হেক-হেক ফম্বা ইনে থরোগী পোৎফমদা। মম্বুম্মু ম্নোক্লরে। অমুক্লংদি হুংলুই, 'লৈমম্বুবু লাক্লমব্রা?'

'লাক্লম্বনি। ঙাইহাক ওইরে চংখিবা। মখোয়নীদো মওং অমদি তৌখি। চেনখ্রবা জাংলা?' লৈম-তোম্বীগী মুপা মক্তদা, ইমে থরোনা ব্রাহংসিমক হংলকই। খঙদে। করি থোক্লগদবা? অসাউবগী মথক্তা অসাউবনা মাং ওইনরকই। পুক্নিংদা হেন্না ফংনিংবা ফাওরকই। ঙাইন-ঙাইনা ঙাইওগ্লক্তে। অত্থবু ঙাইরি। ঙসিদি সোইদনা সিমীম্নরনি। হন্না হন্না য়েংই। থোঙ্গালদা করিগুম্বা অমগী মখোল তাবদা য়েংই। মহাক লাক্লব্রা? কনানো চংলক্লিবসে? পুক্নিংদা তংত্তনা লাক্লবগুম থল্লী। মহাক কদাইদা চংখ্রবা? হৌজিকস্থু হল্লক্তরি। করি থোক্লগদবা? মহাক করম্বা মতমদা হল্লকনি?

★ ★ ★





আর এস. ইন্ফাল।